অঙাংশা
ঈশৈ শকসি, জগোই শাসি

MANIPURI
NURSERY RHYMES
(SOURCE BOOK)

সেন্ট্রেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গোইজেস
(মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্সেস ডেভেলপমেণ্ট
ডিপার্টমেণ্ট ওফ ইডুকেসন)
ভারত সরকার
মহীশুর
অমসুং
ষ্টেট কাউন্সিল ওফ ইডুকেসনেল রিসার্চ এণ্ড
ট্রেইনিং গোভর্নমেণ্ট ওফ মণিপুর।

অঙাংশা, ঈশৈ শকসি, জগোই শাসি

MANIPURI NURSERY RHYMES

(SOURCE BOOK)

CENTRAL INSTITUTE OF INDIAN LANGUAGES
[MINISTRY OF HUMAN RESOURCES DEVELOPMENT,
DEPARTMENT OF EDUCATION]
GOVT. OF INDIA
MYSORE
&
STATE COUNCIL OF EDUCATIONAL RESEARCH &
TRAINING, GOVT. OF MANIPUR

Published by :

Central Institute of Indian Languages Mysore and State Council of Educational Research & Training, Govt. of Manipur.

First Edition :— August '95
No. of copies—3000.

Price :—

Copyright reserved

Printed at—Ng. Mani Singh & Sons
Printing & Stationery Works
Lairikyengbam Leikai, Mayai Leirak,
Imphal-795001—Phone 223355/330331.

FOREWORD

The child makes pre-linguistic noises before she utters linguistic sounds as she does scribbling before writing. Though singing is not speaking as drawing is not writing, it helps production of linguistic sounds including suprasegmental ones like rhythm. Nursery rhymes come in between pre-linguistic babbles and acquisition of language. Practice with nursery rhymes is a pre-school experience and exercise and it prepares the child to be ready for schooling. The nursery rhymes are similar to pre-literacy skills of drawing to prepare the child for the school.

While there is growing children's literature in Indian languages, much attention has not been paid to nursery rhymes. The gap is often filled by nursery rhymes in English particularly in urban middle class homes and this is encouraged in the English medium nursery schools. It is necessary for a child as part of her socialization process to experience and to learn sounds of her native language. This experience is the first step towards love for her language.

To counter the influence of the hotly sought English medium in the nursery and primary schools, it is very necessary to provide good nursery schools in Indian language media. This will be more effective than legal measures. Nursery rhymes in Indian languages will be an important component of such nursery schools.

With these ideas in mind, the Institute prepares nursery rhymes in various Indian languages including tribal languages through workshops in which creative writers and teachers of language and linguists participate. They have found it rewarding experience as we have done also. With great enthusiasm and devotion and concern for the child and for the language, they created

literally hundreds of rhymes in these workshops. The entire collection will serve as a repertoire or resource book for the teachers and parents to draw from. We also expect that short selected books of rhymes with attractive visuals could be brought out to be placed in the hands of the children themselves. We also hope that audio cassettes will be prepared to accompany the printed book.

We will be happy if these rhymes are sung in homes, in schools and in the streets. This will be a significant step for planting Indian languages in the young minds for them to grow.

E. ANNAMALAI
Director,
Central Institute of Indian Languages
Mysore.

Foreward

I am glad that the Central Institute of Indian Languages (Ministry of Human Resource Development, Department of Education), Government of India, Manasagangotri, Mysore, 570-006 in collaboration with the State Council of Educational, Research and Training, Government of Manipur have prepared and published a source Book of Manipuri Nursery Rhymes for the use of pre-primary and primary school teachers in the state. I am sure that the book will serve the purpose for which it is prepared and published.

K. Mani Singh
Director, SCERT.
Govt. of Manipur.

ৱাহৌদোক

অঙাংগী শৈরেংশিং (নর্শরী রাইমস) অসি ভারত সরকারগী সেন্ত্রেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গোইজেস, মহীশুরনা শীন্দুনা,মনিপুর সরকারগী ষ্টেট কাউন্সিল ওফ ইতুকেসনেল রিসার্চ এণ্ড ত্রেনিং, ইম্ফালগা খুৎশম্নরগা পাঙ্‌থোকখিবা ৱার্কশোপ অমদা শেমখিবনি ।

শরূক য়াবিখিবশিং :—

১। শ্রী বি, জয়ন্তকুমার শর্ম্মা
২। শ্রী আর, কে, মনি সিংহ
৩। শ্রী আর, কে, মধুবীর
৪। শ্রী ৱাই, ইবোমচা
৫। শ্রী এল, বীরমনি
৬। শ্রী এল, জিতেন্দ্র সিংহ
৭। শ্রী এল, শ্যামকিশ্বর সিংহ
৮। শ্রী টি, ইবোতোম্বী সিংহ
৯। শ্রীমতি রাজকুমারী অমুসনা দেবী
১০। কুমারী কে, ঐচ, শর্মিলা দেবী

লমজিংখিবা (কো ওর্দিনেসন এণ্ড সুপরবিজন) :—

শ্রীমতি বি, শ্যামলা কুমারী

ডাঃ পি, এন, দত্ত বরুৱা
সেন্ট্রেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়ান লেঙ্গোইজেস,
মহীশুর ।

শৈরেং তম্বীনবা খনবগী থবক্তি ওঝাশিংগীনি। শৈরেং খরনা তাবা নুংঙাইনবগীদমক্তা ইবনি, খরনা অঙাংশিংনা শক্লবনি, শকপগা লোয়ননা শান্নবা অমস্থুং জগোই শাননবনি। শৈরেং-শিং অসি শক্ল-শক্লগা, জগোই শানা-শানা, শান্ন-শান্ননা অঙাংশিংনা শারেপ তানখৎলক্তুনা মপূং ফাবা মী অমা হায়বত্থু ওইরক্লবদি ঐখোয় য়াম্না নুংঙাইজগনি, হোৎনজমল ফংলে হায়না খঙ্গনি।

থাক অসিগী শৈরেং ইবা অরায়বা থবক ওইখিদে। ৱার্কশোপ্তা য়াওখিবা মীওই খূদিংমক্না অখাঙ্‌কনবগা লোয়ননা হনবা লৈতনা ইবা অমদি শেমদোক শেমজীনগী থবক তৌখি। য়াওবিখিবা পূম্নমক্না মণিপুরী সাহিত্যগী পূকৈদা অনৌবা খূদোল লাংলিবনি হায়বগী নুংঙাইবা ৱাখলগা লোয়ননা শৈরেংশিং অসি শেমগৎপিখি। ওসিগী অমদি তুংগী অঙাংশিংনা শৈরেংশিং অসি মথং মথং ঈশৈ ওইনা শক্তুনা, জগোই শাতুনা পুন্সিগী অৱাংবা থাক য়ৌনা কাবা ঙমগ্রবদি হোৎনজরিবা পূম্নমক মহৈ য়াল্লে খঙ্গনি।

শ্রীমতি বি, শ্যামলা কুমারী।

ৱাহৈ খরদং

ঈশৈ নোংমাই তারগা নুংঙাইবসি তাইবঙ-মী খক্তা নত্তে। ইশৈ অমদি যন্ত্রগী খোঞ্জেল তাহনবদা শা-উচেক, উপাল-ৱাপাল, পান্মী-পান্দোংশিংদসু অহোংবা লাকই। বৈজ্ঞানিক-শিংনা হায়নবনি। মমাগী গর্ভনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংগী পুক্নিং-লৌশিং শেমগৎ-শাগৎপদা ঈশৈ অমদি যন্ত্র-ইশৈগী কান্নবা লৈবরা হায়বছু থিজিন্নবা পৃথীবীগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চাংয়েং তৌনরি। মসিনা বৈজ্ঞানিকশিংগী থবক ওইখ্রে। ঐখোয়, ইচম-চম্বা মীওইশিংনা খঙজবদসু, য়েলহৌঙেদগী মীওইবনা ঈশৈ-নোংমাইদা নত্তনা তালওং-তান্থা লৈবা হীরম পুন্না-মক পান্নকই। মীগী খোঞ্জেলসু ওইসন্নু, উচেক্না খোংবসু ওইসন্নু মফম অমদগী থোক্লকপা তান্থা নাইবা খোঞ্জেলনা নহা অহল খাক্তনা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোই পেংহল্লি। অত্তুনা,অরিবা (খুন্নুং) অমদি অনৌবা সাহিত্য খুদিংমক্তা, মমা, মবেম্বোক্কী মীরোলদগী মথং মথং ঙসি ফাওবদা অঙাং থেম্ব-শুম্বদা মমালোন্দা নুংশি নুংশিরবা, ফজ ফজরবা নাউশুম ঈশৈ শক্নরি-বসি মরম অসিদগীনি। অহুনা অঙাংশিংবু ইমুং মনুংদগী ইহান হান্না মপান্দা পুথোকপিবা, স্কুলদা ইহান হানবা কাহুনা ময়াম মরক তিলহনবা হৌবদা মখোয়গী পুক্নিং ইরায় লায়না চিংশিনবা ঙমগদবসি স্বুর, তাল য়াওবা নর্শরি ৱাইম (অঙাংগী শৈরেং) খক্তননি হায়না লৌনৈ।

মহৌশানা অঙাংশিংসি ঈশৈ নত্রগা তাল নাইনা থীবা শৈরেং তানিংই ; মখোয়দি তাখিবতুগী মতৌ তমহুনা শক্কল্লি, হায়গল্লি। ঈশৈতুগী অর্থ, ঈশৈতুনা করি হায়রিবা থোইদোক্ন। খল্লুদে ; য়াওরিবা ৱাহৈশিংতু খঙলবসু খঙদ্রবসু অতুম পঙশক্তা শকই। খোন্থোক চুন্না হায়দোকপা ঙমদবা ৱাহৈ য়াওরবা ফাওবদা হাইফেৎ মান্নবা অমনা শিঞ্জিল্লগা অতুম শকচিল্লি, হায়জিল্লি। শৈরেং নত্রগা ঈশৈতুগী অর্থ খঙদ্রগসু মখোয় অতুম থীবা ঙম্মী, শকপা ঙম্মী। কগুরিম্বা অর্থ খঙলগদি মখোয়দা হেন্না নুংঙাইবা পোকচৈ। ঈশৈগী অর্থ, শৈরেংগী অর্থ শেংনা খঙবা ঙম্লগদি শকউ, থীয়ু হায়রুদ্রবফাওবদা মখোয় মশানা অতুম হেক্তা শকচৈ, থীজৈ।

শৈরেংশিং অসি শহর অমসুং খুঙ্গঙ, অনীমক্কী অকোয়বগী ফীবমদা চূনগদবা মওংদা ইননবা হোৎনৈ। সহরগী অঙাংশিংগা চূনবা মথল, খুঙ্গঙগী অঙাংশিংগা চূনবা মথল, নর্শরি অমসুং প্রি-প্রাইমারিগী অঙাং পূন্নমক্কা চূনগদবা মখল পূন্নমক য়াওননবা হোৎনৈ। শীজিন্ন-রিবা ৱাহৈশিং অমদি মনুংগী ঈচেল অহু অঙাংশিংনা তক্তনা থেংনবা, উরবা থৌদোক-ৱাথোক, পোৎশিং, চহী মতাং অতুগী অঙাংশিংনা খুৎলোয়গনি হায়না খনবা ৱাহৈশিং য়ারিবমখৈ ওইহন্নবা হোৎনৈ। মফম মফমগী অমদি মতমগী মতুংইন্না অঙাংগা চূনগদবা

পাব-ইবা তম্বিবা হৌদ্রিডৈদা অঙাংশিংগী লোল হান্না শেমগৎপিবা হায়বসি ওঝাশিংগী মথৌনি। হান্না খঙ্‌লবা পোত্তগী খঙ্‌ঙ্গ্রিবদা, অরাইবদগী অরুবদা তপ্না তপ্না চঙ্‌শিন্দুনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা,থেংনরিবা পূম্নমক মখোয়বু খঙ্‌হন্নবা হোৎনবা তাই। হায়রিবা মীৎয়েং অসিগা লোয়ননা, মণিপুরী লোন্দা নর্শ'রি রাইম (অঙাংগী শৈরেং) গী লাইরিক অমা শেম্নবা ৱার্কশোপ অসি পাঙ্‌থোকপনি। শৈরেংশিং অসি চহী অহুমদগী মঙা ফাও-বগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগীদমক্তনি। চহি মতাংসিগী অঙাংশিংনা লাইরিক অসি পাবা ঙম্লগনি হায়বা নত্তে। প্রি-স্কুলগী ওঝাশিংনা, অঙাংগী মমা মপা ওইরিবশিংনা, অহল্লমন্না, মরী-মতানা অঙাংবু নুংশিবিবা পূম্নমক্না অঙাংশিংগী মফমদা শৈরেংশিং অসি হন্না হন্না থীবিহুনা নল্লগা ঈশৈ ওইনা শকপিহনা তাহল্লগা তম্বিগদবনি। অতুনা, লাইরিক অসি পীক্লিবা অঙাংশিংগী ওইবা মরম্না অহলশিংনা অমদি প্রি-স্কুলগী ওঝাশিংনা পাবীনবা হায়জরি। থওইনা অঙাংশিংদা তম্বিদ্রগম্মু, মখোয়গী মমাঙ্‌দা শৈরেং অমবু থৱায় য়াওনা, তোয়না তাল নাইনা হন্না হন্না থীবিরবদি নল্লগা ঈশৈ ওইনা শকপিরবদি মখোয় মশা মথন্তা অতুমক হৈজরক্কনি।

অঙাংশিংবু য়াম্না নৌরিডৈদগী লোলবু নুংশিবা পোকহনবা অমদি লোন্দা নুংঙাইবা ঙমহনবা হায়বসি ঐখোয়গী পান্দমনি। অতুনা শৈরেংশিং অসি লেংবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবা তাখি। অঙাংশিংনা ইরায় লায়না খঙ্‌বা ঙমগদবা, মখোয়গী ওইবা তাইবঙ্‌দা মখোয়না থেংনরিবশিং অমদি মখোয়গী লোনগৈদা হান্না য়াওরবা লোন্দা-পুদা, ৱাহৈ-ৱাতা-শিংদমক খল্লগা শীজিন্নরি। অঙাংশিংনা কয়াদি ঙাঙ্‌দবা, শীজিন্নদবা ৱাহৈ ৱাতা খরস্মু হাপ্তবদি নত্তে, মখোয়না হান্না খঙ্‌লবা পোৎকী মতাংদা অমদি মখোয়না খঙ্‌গদবা ৱাহৈ ময়ামগী মরক্তা হাপচিল্লগা খঙ্‌হন্নবা হোৎনবনি। শোয়দনম্মু খঙ্‌গনি। শৈরেংগী অর্থ খঙ্‌হনবগা লোয়ননা ঈশৈ ওইনা শকপা য়াহনবা, নল্লগনা সুর-তাল নাইনা নুংঙাইনা থীবা য়াহনবা হায়বসিদা মপুঙ্‌ ওইনা পূক্রিং চঙ্‌শীল্লগা শৈরেংশিং অসি ইবনি। অস্মুম্না শেম্বা শৈরেংশিং অসি অঙাংশিংদা কুইনা নীংশিংহুনা লৈ অমদি মখোয়গী লোনগৈগী পূক্কি হেনগৎ-হনবদা অচৌবা মতেং ওই। মখোয়গী লোন মপূং ফাহনবদা কান্নরবা মচাক ওইগনি।

য়াওফম তাকপা

অহানবা শরুক

চহী অহুম অমদি মথক্কী অঙাংগী শৈরেং

শৈরেংগী মমিং			*লামায় মশীং*
১।	নুংশিবা	—	১
২।	ইমা অমস্থং ঐ	—	১
৩।	পাউতাক	—	২
৪।	বাবা	—	২
৫।	ঐখোই বোবোক	—	৩
৬।	ইবোক	—	৩
৭।	পুপু	—	৪
৮।	ঐগী পুপু	—	৪
৯।	নেনে	—	৫
১০।	ঐগী ইতোন	—	৫
১১।	মিংগৌ	—	৬
১২।	মিং	—	৬
১৩।	ইচন	—	৭
১৪।	হকচাং কায়াৎ	—	৮
১৫।	মায়দা মফম তাকপা	—	৮
১৬।	শম	—	৯
১৭।	নাকোঙ	—	৯
১৮।	চীন	—	১০
১৯।	ফৌ	—	১০
২০।	ঐগী চাক	—	১১

	শৈরেংগী মমিং	লামায় মশীং
২১।	চরা ৱানবা	— ১১
২২।	শঙ্গোম	— ১২
২৩।	তল	— ১২
২৪।	অয়ূক অঙনবা	— ১৩
২৫।	চন্দোন	— ১৩
২৬।	শান্নবা	— ১৪
২৭।	ঐগী লাইধি নুংশিবী	— ১৪
২৮।	ঐগী লাইধি	— ১৫
২৯।	লাইধিবী	— ১৫
৩০।	লাইধিবী	— ১৬
৩১।	লাইধি'গী ফমুং	— ১৬
৩২।	লাইধি'গী নাউশুম ঈশৈ	— ১৭
৩৩।	মোরানবী	— ১৭
৩৪।	অচৎপা হুই	— ১৮
৩৫।	বোল	— ১৮
৩৬।	উগী গাড়ী	— ১৯
৩৭।	কেকু লোৎপী	— ১৯
৩৮।	থোরী চিংবী	— ২০
৩৯।	চাক থোংবী	— ২০
৪০।	য়ূম	— ২১
৪১।	য়ূম	— ২১
৪২।	ছাটিন	— ২২
৪৩।	ছাতিন	— ২২
৪৪।	ফক	— ২৩
৪৫।	খাং	— ২৩

শৈরেংগী মমিং		লামায় মশীং
৪৬। পুখম	—	২৪
৪৭। খুদেং	—	২৪
৪৮। ঐগী ফুরিৎ খোঙ্‌গ্রাউ	—	২৫
৪৯। তুপি	—	২৫
৫০। ফনেক	—	২৬
৫১। নায়ানবী	—	২৬
৫২। খূদোপ	—	২৭
৫৩। ফৈজোম	—	২৭
৫৪। ঙাখা	—	২৮
৫৫। খোংবা	—	২৮
৫৬। হুইনাউ মচা	—	২৯
৫৭। হুইনাউ	—	২৯
৫৮। হৌদোং	—	৩০
৫৯। হামেঙ্‌মচা	—	৩০
৬০। ষন	—	৩১
৬১। কৈ	—	৩১
৬২। নোংশা	—	৩২
৬৩। মচু অমস্থুং লৈ	—	৩২
৬৪। শনারৈ	—	৩৩
৬৫। জাতি কৃপ্পী	—	৩৩
৬৬। কবোক্লৈ	—	৩৪
৬৭। মৈ	—	৩৪
৬৮। নোংগী মখোল	—	৩৫
৬৯। মখোল	—	৩৫
৭০। মখোল	—	৩৬

	শৈরেংগী মমিং		লামায় মশীং
৭১ ।	লেন	—	৩৬
৭২ ।	ঈশিংগী কান্নবা	—	৩৭
৭৩ ।	নুমিদাং	—	৩৮
৭৪ ।	থা	—	৩৮
৭৫ ।	লৈরোং য়েকপা	—	৩৯
৭৬ ।	মশীং থীবা	—	৩৯
৭৭ ।	স্কুল	—	৪০
৭৮ ।	স্কুল কাবা	—	৪০
৭৯ ।	ঐখোই' ওঝা	—	৪১
৮০ ।	ঐদি পড়া ফারে	—	৪১

য়াওফম তাকপা

অনিশুবা শরুক

চহী মরি অমদি মথক্কী অঙাংগী শৈরেং

	শৈরেংগী মমিং		লামায় মশীং
১।	ইমুংগী মীশিং	—	৪২
২।	বাবা	—	৪২
৩।	ঈশৈ	—	৪৩
৪।	পুপুনা পোবিবা	—	৪৩
৫।	পুপু নাবা	—	৪৪
৬।	ঐগী নেনে	—	৪৪
৭।	মাম্মা লাকপা	—	৪৫
৮।	ঐ অমসুং ইমা	—	৪৫
৯।	অঙাং কপ্পা	—	৪৬
১০।	কোক	—	৪৬
১১।	মীৎ	—	৪৭
১২।	নাকোং	—	৪৭
১৩।	ঙক	—	৪৮
১৪।	ঙক্তা কিবা তাই	—	৪৮
১৫।	থবাক	—	৪৯
১৬।	ফূরিৎ অচোনবী	—	৪৯
১৭।	মচু মচুগী ফী	—	৫০
১৮।	খুৎ	—	৫০
১৯।	খুবাক	—	৫১
২০।	খুজি	—	৫১

শৈরেংগী মমিং			লামায় মশীং
২১।	খোঙ্	—	৫২
২২।	খোঙ্	—	৫২
২৩।	খোঙ্উপ	—	৫৩
২৪।	ইঙ্খোল কোইবা	—	৫৩
২৫।	পেরে	—	৫৪
২৬।	পুখ্রি	—	৫৪
২৭।	চাক থোংবা	—	৫৫
২৮।	মাইরেল	—	৫৬
২৯।	আলু	—	৫৬
৩০।	খামেন অশীনবা	—	৫৭
৩১।	শেবোং	—	৫৭
৩২।	থবী	—	৫৮
৩৩।	থাংজিং	—	৫৮
৩৪।	ফদিগোম	—	৫৯
৩৫।	ঙাক্রা	—	৫৯
৩৬।	হৈরিবোপ	—	৬০
৩৭।	ঙা চাবা	—	৬০
৩৮।	কম্বোং	—	৬১
৩৯।	অথুম্বা অশীনবা	—	৬১
৪০।	চু	—	৬২
৪১।	হৈনৌ অমুনবা	—	৬৩
৪২।	অরাথবী	—	৬৩
৪৩।	কিহোম	—	৬৪
৪৪।	থৈবোং	—	৬৪
৪৫।	সেম	—	৬৫

শৈরেংগী মমিং			লামায় মশীং
৪৬।	কোমলা	—	৬৫
৪৭।	চমপ্রা	—	৬৬
৪৮।	য়েরুম	—	৬৬
৪৯।	হৈক্রু	—	৬৭
৫০।	জাম	—	৬৮
৫১।	অচাপোৎ য়োনবা	—	৬৯
৫২।	বরফ	—	৭০
৫৩।	শান্নপোৎ	—	৭১
৫৪।	নুংশিৎ মপী	—	৭১
৫৫।	শগোল অশাবা লৈবা	—	৭২
৫৬।	রিক্সো মচা	—	৭২
৫৭।	হৌদোং অশাবা	—	৭৩
৫৮।	হংলাই	—	৭৩
৫৯।	চেগী হি	—	৭৪
৬০।	ঐগী শেনফু	—	৭৪
৬১।	কার	—	৭৫
৬২।	কোরোক কোয়বী গাড়ী	—	৭৫
৬৩।	ঐগী ঘড়ী	—	৭৬
৬৪।	নুংশিৎ মপী	—	৭৬
৬৫।	আনোক অঙাংবা	—	৭৭
৬৬।	ঐগী ত্রোং লাউবী	—	৭৭
৬৭।	অপাইবা বোল	—	৭৮
৬৮।	খূবাক খূবী শান্নবা	—	৭৮
৬৯।	হৌদোং লম্বোইবা শান্নবা	—	৭৯
৭০।	শাসি ঐখোয় শমোক	—	৭৯

	শৈরেংগী মমিং		লামায় মশীং
৭১ ।	লাইরিক তম্বী শান্নবা	—	৮০
৭২ ।	উরু লৈবী	—	৮০
৭৩ ।	ঈন চিংবী শান্নবা	—	৮১
৭৪ ।	শান্নবুঙ্	—	৮২
৭৫ ।	রেডিও	—	৮২
৭৬ ।	তেলঙ্গা	—	৮৩
৭৭ ।	কপ্পা অমসুং নোকপা	—	৮৩
৭৮ ।	থাবল চোংবী শান্নবা	—	৮৪
৭৯ ।	থৌরী হাইবী	—	৮৪
৮০ ।	মোজা লোনবী	—	৮৫
৮১ ।	শুমাঙ্	—	৮৫
৮২ ।	য়ুমগী থবক	—	৮৬
৮৩ ।	ফৌ শুবা	—	৮৬
৮৪ ।	ফি শারি মখোয়	—	৮৭
৮৫ ।	ইমুংগী পোৎচৈ	—	৮৮
৮৬ ।	উপু	—	৮৮
৮৭ ।	টেবল	—	৮৯
৮৮ ।	ঐনা তানিংবা	—	৮৯
৮৯ ।	শকয়েং মিংশেল	—	৯০
৯০ ।	লীনা শাবা ফম্ফম	—	৯১
৯১ ।	সাইকল	—	৯১
৯২ ।	ইলেক্ট্রিক	—	৯২
৯৩ ।	শমজেৎ	—	৯২
৯৪ ।	যন্ত্রগী খোঞ্জেল	—	৯৩

শৈরেংগী মমিং			লামায় মশীং
৯৫।	ফেন	—	৯৩
৯৬।	তেলে ভিজন	—	৯৪
৯৭।	হুমাই	—	৯৫
৯৮।	কুদাম	—	৯৫
৯৯।	তেলিফোন	—	৯৬
১০০।	ফক্লাং ঘড়ী	—	৯৭
১০১।	ঘড়ী মখল অমস্তুং মখোল	—	৯৭
১০২।	ফোটো	—	৯৮
১০৩।	কোট	—	৯৯
১০৪।	খাউ	—	৯৯
১০৫।	পুন	—	১০০
১০৬।	লৈবাক্কী চফু	—	১০০
১০৭।	গমলা	—	১০১
১০৮।	তোতী	—	১০১
১০৯।	অঙাং ঈরুজবা	—	১০২
১১০।	শঙ্গোম চফূ	—	১০৩
১১১।	নুমিদাং ব্রাইরম	—	১০৩
১১২।	নুমিদাং ব্রাইরম	—	১০৪
১১৩।	মৈখেৎ	—	১০৪
১১৪।	থাউমৈ	—	১০৫
১১৫।	য়ুমশাগী লৈফম	—	১০৫
১১৬।	মচিঞ্জাক থাবা	—	১০৬
১১৭।	হৌদোং মিন্নু	—	১০৬
১১৮।	হৌদোংগী ফুরিৎ খোংগ্রাউ	—	১০৭
১১৯।	যন্নাউ	—	১০৭

শৈরেংগী মমিং		লামায় মশীং
১২০।	ডাক্তর মান্মা	— ১০৮
১২১।	হুই	— ১০৯
১২২।	খুন্নু	— ১০৯
১২৩।	য়েনবীনা খোংবা	— ১১০
১২৪।	য়েন	— ১১০
১২৫।	ঙান্নু	— ১১১
১২৬।	বূমগী শা-উচেক	— ১১২
১২৭।	য়াউ	— ১১২
১২৮।	কাং-ঙ	— ১১৩
১২৯।	কাঙ্	— ১১৩
১৩০।	ঐগী থেবা	— ১১৪
১৩১।	ইরোই	— ১১৪
১৩২।	ককচেং	— ১১৫
১৩৩।	হারৌ	— ১১৫
১৩৪।	মি	— ১১৬
১৩৫।	ভেনবা	— ১১৬
১৩৬।	চুম	— ১১৭
১৩৭।	উতুবী	— ১১৭
১৩৮।	উতিন	— ১১৮
১৩৯।	উচি	— ১১৮
১৪০।	রাইখু	— ১১৯
১৪১।	শামু	— ১১৯
১৪২।	চরাং	— ১২০
১৪৩।	কুরাক	— ১২১
১৪৪।	ঐগী ঈশৈ	— ১২১

শৈরেংগী মমিং			লামায় মশীং
২১৮।	ইশং	—	১৬৩
২১৯।	লেন	—	১৬৩
২২০।	ব্রা	—	১৬৪
২২১।	স্কুল কারকপা	—	১৬৪
২২২।	থরোই	—	১৬৫
২২৩।	আতর গুলাপ	—	১৬৬
২২৪।	শেকপী	—	১৬৬
২২৫।	উচেক	—	১৬৭
২২৬।	হঙোই মচা	—	১৬৭
২২৭।	শেন্দ্রাং মচা	—	১৬৮
২২৮।	হৈনৌ পাম্বী	—	১৬৯
২২৯।	শিরোই লীলী	—	১৬৯
২৩০।	চোংঙা	—	১৭০
২৩১।	পুংদোন	—	১৭১
২৩২।	খোংনাং পাম্বী	—	১৭১
২৩৩।	উচেক অমস্মুং হুই-হৌদোং	—	১৭২
২৩৪।	য়েন্নাউ অমস্মুং হুইনাউ	—	১৭২
২৩৫।	স্কুল বস	—	১৭৩
৩৩৬।	পাৎ	—	১৭৩
২৩৭।	কৈথেল	—	১৭৪
২৩৮।	লম্বী	—	১৭৪
২৩৯।	ঐস্মু স্কুল কাগে	—	১৭৫
২৪০।	লম্বেল	—	১৭৬
২৪১।	থোং	—	১৭৬

	শৈরেংগী মমিং	লামায় মশীং
১৬৯।	চৈরাউবগী পোৎ থিনবা	— ১৩৫
১৭০।	লৌ খোইবা	— ১৩৫
১৭১।	হঙোই	— ১৩৬
১৭২।	শংঙাই	— ১৩৭
১৭৩।	খাগী লৈহাউ	— ১৩৭
১৭৪।	জু	— ১৩৮
১৭৫।	থরো	— ১৩৮
১৭৬।	শেন্দ্রাং	— ১৩৯
১৭৭।	থা	— ১৩৯
১৭৮।	তন্দন	— ১৪০
১৭৯।	চীং	— ১৪০
১৮০।	বড়দিন	— ১৪১
১৮১।	যন অমসুং হুই	— ১৪১
১৮২।	হৌগংলো	— ১৪২
১৮৩।	উ	— ১৪২
১৮৪।	কবোকঙ্	— ১৪৩
১৮৫।	ঐগী ইচন মেম্মী	— ১৪৪
১৮৬।	নোবাব	— ১৪৪
১৮৭।	নিংঙোল চাক্কৌবা	— ১৪৫
১৮৮।	লাই য়েক্কে ঐ	— ১৪৬
১৮৯।	লৈহাউ	— ১৪৬
১৯০।	স্কুল ইউনিফোর্ম	— ১৪৭
১৯১।	লৈহাউ	— ১৪৭
১৯২।	অ আ ই ঈ	— ১৪৮
১৯৩।	কুন্দালৈ	— ১৪৮

	শৈরেংগী মমিং		লামায় মশীং
১৯৪।	কৃষ্ণজন্ম	—	১৪৯
১৯৫।	লৈচীলগী মওঙ,	—	১৪৯
১৯৬।	লম খুনু	—	১৫০
১৯৭।	হয়েং ইদ নুমিৎনি	—	১৫১
১৯৮।	নুংশিৎ	—	১৫১
১৯৯।	হিয়াঙ, তান্নবা য়েংবা	—	১৫২
২০০।	নুমিৎ থোকপা	—	১৫২
২০১।	জগোই শারি ঐখোয়	—	১৫৩
২০২।	ঙা চাবা	—	১৫৩
২০৩।	অয়ুক নুংথিল	—	১৫৪
২০৪।	ঙাশাং	—	১৫৫
২০৫।	ঙারাকপী	—	১৫৫
২০৬।	খোই চোপ্পা	—	১৫৬
২০৭।	উকাবী	—	১৫৭
২০৮।	লৈবাক্লৈ	—	১৫৭
২০৯।	চিগোংলৈ	—	১৫৮
২১০।	উরৈ	—	১৫৮
২১১।	যন গাড়ী	—	১৫৯
২১২।	য়েংউ থম্বাল শাৎলেনে	—	১৬০
২১৩।	থম্বাল	—	১৬০
২১৪।	উথম্বাল	—	১৬১
২১৫।	কংফাল ইকাইথবী	—	১৬১
২১৬।	নেনে লাকপা	—	১৬২
২১৭।	নোং	—	১৬২

	শৈরেংগী মমিং		লামায় মশীং
১৪৫।	শেম্বাং	—	১২২
১৪৬।	চীংয়া	—	১২২
১৪৭।	ক্বাক	—	১২৩
১৪৮।	মোদোল্লৈ	—	১২৩
১৪৯।	উরেং কোম্হৌ	—	১২৪
১৫০।	উরোক	—	১২৪
১৫১।	ঙাচক	—	১২৫
১৫২।	উ	—	১২৫
১৫৩।	চামিন্নবা	—	১২৬
১৫৪।	নুমিৎলৈ	—	১২৬
১৫৫।	লৈকোন্দা চৎপা	—	১২৭
১৫৬।	অয়েকপা কৈ	—	১২৭
১৫৭।	য়োংগা গ্লাসকা	—	১২৮
১৫৮।	য়োং	—	১২৯
১৫৯।	উমাইবী	—	১৩০
১৬০।	য়োং	—	১৩০
১৬১।	উরিৎ	—	১৩১
১৬২।	উরী	—	১৩১
১৬৩।	কৈবুল লমজাউগী শংঙাই	—	১৩২
১৬৪।	শম্বল্লৈ	—	১৩২
১৬৫।	য়াউশঙ্	—	১৩৩
১৬৬।	নাহুৎপা	—	১৩৩
১৬৭।	চৈরাউবা	—	১৩৪
১৬৮।	পরেং-পরেং	—	১৩৪
২৫৯।	ঈশিংগী হৌরকফম	—	১৮৭
২৬০।	ঈশিং	—	১৮৭
২৬১।	তম্বীবা	—	১৮৮

নুংশিবা

ইমানা ঐবু নুংশি।

ইপানা ঐবু নুংশি।

চেচেনা ঐবু নুংশি।

নেনেনা ঐবু নুংশি।

ঐনস্থু লোয়ন' নুংশি।

ইমা অমস্থং ঐ

ইমানা ঐবু হৌদোকই ;

ঐনা হৌগৎলি।

ইমানা ঐগী চাক থোংবী ;

ঐনা চাক চায়।

ইমানা ঐগী ফি-শুবী ;

ঐনা ফি শেৎলি।

ইমানা ঐগী লাইরিক পুবী ;

ঐনা স্কুল কায় ;

ইমানা ঐগী খোঙ হান্বী ;

ঐনা ফম্মুং চঙই।

ইমানা ঐবু হুম শুন্বী ;

ঐনা হুম তুম্মী।

ইমানা ঐবু লুনা তৌবী ;

ঐনা ইমা নুংশি।

পাউতাক

ইমানা হায়, "য়াহৌ ওল্লু"
ইবোক্পা হায়, "ঈরূ থোকউ।"
বাবানা হায়, "ফি শেৎলো।"
পু-পুনা হায়, "চরা হাল্লু।"
দাদানা হায়, "স্কুল কাসি।"
ঐনা হায়, "চৎকে ; চৎকে।"

বাবা

ঐগী ফুরিৎ ফিরোল লৈবী।
ঐগী টুপী খোঙউপ লৈবী।
নুংঙাই নুংঙাই হারী কাশু
মথং মথং য়াম্না লিবি।
হাউর-হাউর অচাপোৎ কা
লৈবিরকই বাবানা।
গাড়ীদবু হাপ্লগা,
কৈথেন্দবু পুরগা,
ফজ ফজ শান্নপোৎ ;
লৈবি ঐগী, বাবানা।
বাবানা ঐবু লুনা তৌই।
ঐনা বাবা য়াম্না নুংশি।

ঐখোয় বো-বোক

লাইধি শাবী বো-বোক্না ;
ঙস্মোক পীজৈ বো-বোক্না।
থাউ তৈবী বো-বোক্না ;
শমজেৎ হাৎপী বো-বোক্না।
খোঙ.উপ উপ-পী বো-রোক্না।
ঐনা শান্নৈ বো-বোক্কা।
চাক চায় বো-বোকা ;
ফমুং' তূম্মী বো-বোক্কা।
ব্রারী লীবী বো-বোক্না।
হুম শুম্বী বো-বোক্না।
ঐখোয় বো-বোক নুংশিদো ;
ঐখোয় বো-বোক নুংশিদো॥

ইবোক

ঐগী ইবোক লৈ
ঐবু লুনা তৌই।
ইবোক কৈথেল চৎলি
থুমোক অমা পুই।
ইবোক কৈথেল কূম্মকই
ঐগী ঙস্মোক লৈরকই।
ইবোক্না ঙস্মোক পী
ঐনা ঙস্মোক চায়।

মিংগৌ

ঐগী ইমিং য়াম্না য়াম্মী।
বাবানা কৌই ‘ বুনো বুনো ’।
ইমানা কৌই ‘ অমো অমো ’
দাদানা কৌই ‘ নাউ নাউ’‘নাউ নাউ’
নেনেনা কৌই ‘ মোচা ’ ‘ মোচা ’
স্কুলদা কৌই ‘ শরৎ শরৎ ’
ঐগী ইমিং য়াম্না য়াম্মী।

মিং

ঐগী মিংনা ‘ চাউবা ’
নঙগী মিংনা ‘ তোম্বা ’
মাগী মিংনা ‘ সনা ’
ইমা’ই মিংনা ‘ তোম্বী ’
বাবা’ই মিংনা ‘ থোইবা ’
চেচে’ই মিংনা ‘নুংশি’
নাউনাউ মিংনা ‘ থম্বাল ’
ঐখোয় খূদিং ইমিং লৈ
ঐখোয় খূদিং ইমিং লৈ।

পু-পু

ৱারী লীরো পু-পু।
ৱারী তাগে পু-পু।
হনুবা হনুবী অনীনা
পান থাবৈ ৱারি
'নেচা খোয়গী পু-পুদি,
ৱারী য়ান্না লীবী হায়।
নুংঙায়-নুংঙায় লীবী হায়।
নঙস্থু লীরো পু-পু।

ঐগী পু-পু

চৈশু শুজুনা চংলি পু-পু।
পোক্ল ইঙো ঙৌই পু-পু।
উনশাস্থু ইখুই খুইরে পু-পু।
য়াস্থু অমত্তা য়াওদ্রে পু-পু।
পু-পু পু-পু ঐগী পু-পু।
বাবানা বাবা কৌবা পু-পু।
ৱারমাল্লে চংপা পু-পু।
তপ্পা তপ্পা ফমথ্রে পু-পু।

নেনে

নেনে য়াম্না ফৈ
ঐ নেনে নুংশি।
অহাউ অহাউ ঙম্মোক
লৈরগম্নু পীজে।
মোজা লোল্লি নেনে;
ঐগী ফুরীৎ লোনবী।
খোঙ, খুৎ হাম্বী;
ঐবু খোখোক পোবী।
নেনে' ৱারী লীবী;
নুংঙাই নুংঙাই লীবী;
ঐবু 'হুম' শুম্বী;
ঐ নেনেগ' তূম্মী।

ঐগী ইতোন

ঐগী ইতোন নুংশিবা।
ইতোন ইতোন নুংশিবা।
ফিগা ফজ শেত্তুনা,
খোঙউপ কাম্নু তোংহনা,
থোরক্লিদি নহাক্না,
কদাইদবু চত্তোই' নো?
বজারদবু চৎপরা
সিংমা য়েংবা চৎপরা
ঐস্নু য়াম্না চৎনিংই
ঐবু খরা পুবিয়ু।

হকচাং কায়াৎ

উনবনা মীংনি ;
তানবনা নাকোঙনি ।
মনমগীনা নাতোন্নি ;
শাইনবনা য়ানি ।
মহাউগীনা লৈনি ;
খঙনবনা উনশানি ।
য়োংনবনা খৌনাউনি ;
পায়নবনা খুংনি ।
চংনবনা খোঙ্‌নি ;
হকচাং কায়াৎ ঙাক্তনি ।

মায়দা মফম তাকপা

অমো' সিনা লাইবক্নি ;—
চন্দোন থিনগে 'কোং'।
অমো' সিনা খজাইনি ;—
চূপ্পিরগে 'চূপ'।
অমো' সিনা নাতোন্নি ;—
শীক্তোকপিগে 'ফ্রৎ'।
অমো' সিনা খদাংনি ;—
মকোই ফোয়গে 'ফদ্রৎ'।

ইচল

লৈনে লৈনে ইচন !
লৈনে ঐগী ইচন !
নাউশুমদবু হীপ্লি।
নাউশুম তপ্পা হাইরি।
মখুৎ ইপীক পীকই !
মখোঙ ইপীক পীকই !
পীক্ল মখুৎ হাইরি।
মখোঙ, ফৎ-ফৎ কাওরি।
ঐনা মমায় পায়রুই ;
রা-রা লাউনা কপ্লি।
ইমানা লৌর' পপ্লি।
রা-রা কপ্পা তোকই।
খেক খেক লাউনা নোকই।

চীন

চীন চীন চীন ।
মায়দা পানবা চীন ।
য়া ! য়া ! য়া !
চীন্দা পানবা য়া ।
লৈ ! লৈ ! লৈ !
চীন্দা পানবা লৈ ।
চারে থক্লে চীন ।
ৱা ভাঙ্‌লে চীন ।
চীনবান মথক মখা ।
চীন্দা পানবা চীনবান ।
চীন ! চীন ! চীন !
মায়দা পানবা চীন ।

ফৌ

ফাইরেন থাদা লৌ তারে ।
লমদা থাদা ফৌ খল্লে ।
শজিবুদা কুমদয়ে ।
কালেন্থাদা লৌ খোইরে ।
ইঙা থাদা ফৌ হুল্লে ।
ইঙেল থাদা লৌ লিংলে ।
থৱান থাদা লৌ পেংলে ।
লাংবন থাদা ফৌ পোম্লে ।
মেরা থাদা ফৌ শাৎলে ।
হিয়াঙ্গৈদা ফৌ মুল্লে ।
পোইনু থাদা লৌ লোক্লে ।
ৱাকচিং থাদা কোৎ থিংলে ॥

শম

শম শম শম কোক্তা হৌবা শম ।
ঐখোয় ইমা'ই শম ইশাং শাংবা শম ।
ঐখোয় বাবাই শম ইতেন তেনবা শম ;
ঐখোয় নেনে'ই শম মুগুক মুবা শম ।
ঐখোয় চেচে'ই শম ইখোই খোইবা শম ।
ঐখোয় তাদ'ই শম ইতিং তিংবা শম ।
শম শম শম কোক্তা হৌবা শম ।

নাকোঙ

না নাকোঙ ! ঐগী নাকোঙ !
য়েৎতা অমা ওয়দা অমা,
না নাকোঙ ! ঐগী নাকোঙ ।
ইমানা কৌ'স্থ তায় ।
বাবানা কৌ'স্থ তায় ।
চেচেনা কৌ'স্থ তায় ।
তায় তায় লোইনা তায় ।
ঐগী নাকোঙনা তায় ।
না নাকোঙ ! ঐগী নাকোঙ !
য়েত্তা অমা ওয়দা অমা ।

শঙ্গোম

থক্লনিদো হাউরনিদা ;
লীক্লী থন্না হাপ্ল' শঙ্গোম ।
পূকপু থন্না থক্লনিদো
হাউরনিদা হাউরনিদা ।
ইমাই খুৎনা শেম্ল' শঙ্গোম
হাউরনিদা হাউরনিদা ॥

তল

তল ! তল ! তল !
কোরোক কোয়বা তল !
পাকথোক পাকপা তল !
য়াম-না শাবা তল !
ইমানা হৌবা তল !
ফোঙ-ফোঙ শাবা তল !
বূপ-বূপ লাউবা তল !
হাউই হাউই তল !
ফোঙ ফোঙ শাবা তল !
তল ! তল ! তল !
বূপ-বূপ লাউবা তল !

ঐগী চাক

ঐগী চাক ঐগী চাক ?
কদায় কদায় ঐগী চাক ?
ইমা কদায় ঐগী চাক ?
ঐদি য়াম্না লাম্মে চাক ।
থিরে থিরে নঙ্গী চাক ।
'সিদা লৈরে নঙ্গী চাক ।
ফম্লো চারো নঙ্গী চাক ।
তপ্পা চাও নঙ্গী চাক ।
ইতোম' চারোই ঐদি চাক ।
চানি ইচে'গ ঐদি চাক ।
চানি বাবা'গ ঐদি চাক ।
চানি ইমা'গ ঐদি চাক ।

চরা রানবা

চাক লাম্মে মামা ।
চরা রানগে মামা !
চৌবী থোংউ মামা ;
ভারো লো মামা ।
ঈশিং হৈয়ু মামা । আলু মেৎলু মামা ।
হুইনাউ মচা পোপী —
মাস্থু চরা রান্দে
লাম্মনি চাক —
মাস্থু খরা পীজো ।

শান্নবা

চেনবা, চোংবা শান্নবা
অঙাং ঐখোয়' থবক্লি ।
চেনশি লাউ ! চোংশি লাউ !
ঐখোয় পুন্না চোংশি লাউ !
ঐখোয় পুন্না চেনশি লাউ ।
উরাউবীবু তান্নসি,
ফীবুলহাবী শান্নসি ।
ফন-ফন চোংলসি ;
ফন-ফন চোংলসি ॥

ঐগী লাইধি নুংশিবী

ঐগী লাইধি নুংশিবী ।
কপ্লনুকো কপ্লনু ।
নমায় নমিৎ তাবিগে,
কপ্লনুকো কপ্লনু ।
চরা রানবা লোইরগা
ফজ' ফিরোল শেৎপিনি ।
কপ্লনুকো কপ্লনু ।
ঐনা শান্নবা চৎপদা,
নঙস্থ ঐনা পুবিনি,
কপ্লনুকো কপ্লনু ॥

অয়ুক অঙনবা

ইতা লাইধি নুংশিবী !
হৌরো হৌরো য়াহৌরো ।
নোং ঙাল্লে নোংঙাল্লে ;
নুমিৎ থোক্লে নোংঙাল্লে ।
উচেক খোংলে নোংঙাল্লে ;
লৈ শাৎলে নোংঙাল্লে ।
হৌরো হৌরো য়াহৌরো ;
ইতা লাইধি নুংশিবী !

চন্দোন

য়েংঙোই ইতা লাইধিবী ।
পু-পু চন্দোন থিল্লিসে ।
ইহাঙ্ হাঙ্বা লাইবক্তা ;
ইঙৌ ঙৌনা থিল্লিসে ।
নংস্থ চন্দোন থিনবিগে ;
তুম্মিনদি ফম্মুকো ।
লেঙ্বা লাকপা য়াপোন্তে ;
লেঙ্ঙবদি শোয়জনি ।
শোয়রবদি ফজরোই ;
তুম্মিনদি ফম্মুকো ॥

লাইধিবী

ইচে ! ইচে ! ইচেম্বী !
যেংউ ঐগী লাইধিসে !
মচেৎ মচেৎ তারেদো !
মতৎ মতৎ তৎলেদো !
মিন্নু হায়বী ফত্তবী !
মানা তৌরি' ওইরিনি !
কমাই তৌনি অসিদি !
ইচে নঙ্ ফোৎপিয়ু।
সিদা লৈরে মচেৎশিং
হান্নগুম্না শেম্বীয়ু ॥

লাইধি'গী ফমুং

নুমিৎ তারে ইবেম্মা !
হো লাইধি ইবেম্মা !
তুম্মো লাকও ইবেম্মা।
নঙ্গী ফমুং শেম্বীরে।
মোম্পাক ফিদক ফজবা,
মোম্পাক মথক' থাবিরে।
মোনখুম লৈরোং য়েকপদো—
মচু মচু য়েকপদো—
নঙ্গী মোন্দা খুম্বিরে।
লাকও ! লাকও ! ইবৈম্মা !
তুম্মো লাকও ! ইবেম্মা !
নুমিৎ তারে তুম্মরো ॥

ঐগী লাইধি

পোৎলোই শেৎপী ঐগী লাইধি !
তাধিং তাধিং ঐগী লাইধি !
ইনফি ইনবী ঐগী লাইধি !
জগোই শারো ঐগী লাইধি !
খুবাক খুগে ঐনা লাইধি ;
তাধিং ! তাধিং ! তাধিং !
তাধিং ! তাধিং ! ঐগী লাইধি ।
পোৎলোই শেৎপী ঐগী লাইধি ।

লাইধিবী

ঐগী লাইধি ফজবী !
পেনবা নাইদে য়েংবগী ।
অশং' অঙাঙ' অরংবা !
ফিনা নশা পূম-য়োম য়োম ।
নমীৎ পাল্লি উবা ফংদে ।
ননা পাল্লি তাবা ফংদে ।
নখুৎ পাল্লি লেঙবা ঙমদে ;
নখোঙ পাল্লি চৎপা ঙমদে ।
ঐনা নঙবু পুবিগে ;
ঐনা নঙবু পোবিগে ।
লাকও ! চৎসি শান্নবা ।
লাকও ! ইতা লাইধিবী ॥

অচৎপা হূই

বাবা ! বাবা ! চেচেগী
হৌদোঙ্সিদি চৎলিদো !
ঐস্থু হূইনাউ লৈবিয়ু
মতোম চৎপা লৈবিয়ু ।
উনা শাবা হূইনাউদি
মতোম চৎলু য়াদেদো
খোংবা হৈশু হৈতেদো ;
পীজরস্থু চাদেদো ।
ঐস্থু হূইনাউ লৈবিয়ু ;
মতোম চৎপা লৈবিয়ু ॥

বোল

বোল ! বোল ! বোল !
ঐগী বোল ! বোল !
ঐনা শান্নৈ বোল ;
নুত্তি' শান্নৈ বোল ।
শান্নবা নুংঙাই বোল !
ফন-ফন চোংই বোল !
নোং চুরে ৰা-ৰাৰা !
শান্ন' য়াদ্রে বোল !
বোল ! বোল ! বোল !
ঐগী বোল ! বোল !

লাইধিগী নাউশুম ঈশৈ

হৌদোঙ্ চাউবী অমুবী !
ইতা লাইধি তুমদৌরে।
খোংগন্নুকো 'ঙ্যাঔ ঙ্যাঔ' !
পোপী নঙ্সু তুবোনবী !
ইতা লাইধি তুমদৌরে,
খোংগন্নু-কো 'গৌ গৌ' !
নখোয়' খোঞ্জেল তারগা
ইতা লাইধি তুম্লোইদো।
খোংগন্নু্কো ঙ্যাঔ ! ঙ্যাঔ !
খোংগন্নুকো 'গৌ' 'গৌ'
হৌদোঙ্ চাউবী তাবরা ?
পোপী নঙ্সু তাবরা ?

মোরানবী

মোরানবী ! মোরানবী !
ঐগী মোরানবী !
তূম্মো, তূম্মো, মোরানবী
ঐগী মোরানবী !
ঐনা হুম্বু শুম্বিগে ;
নংগী নফি শুবীগে।
তূম্লো তূম্মো মোরানবী
ঐগী মোরানবী !

থৌরি চিংবী

থৌরী পায়য়ু ইনাউচা !
নঙস্থু পায়য়ু ইমোচা !
তোম্বা, তোমাল, তোন্দোনবা,
মখোয়স্থু পায়রে থৌরিদা।
হো! হায়য়ো হৈ-হা!
কনানা ঙম'গে য়েংনসি!
হো! হায়য়ো হৈ-হা!
থৌরী চিংবী শান্নসি।
হো! হায়য়ো হৈ-হা!
হো হায়য়ো হৈ-হা।

চাক থোংবী

চাউবা! চাউবী!
তোম্বা! তোম্বী!
ইমা'ই মতৌ তমজুনা
চাকথোংবীবু শান্নসি।
ঐনা ইমা শারগে;
চাকপু থোংবা হৌরগে।
বোরোং! বোরোং! বোরোং!
চাকপু থোংবা লোইরেদো।
চাউবা! চাউবী!
তোম্বা! তোম্বী!
চাকপু থোংবা লোইরেদো।
চাকপু চাবা হৌরসি॥

উগী গাড়ী

ঐগী গাড়ী নুংশিদা !
উগী গাড়ী নুংশিদা !
ঐনা চিংবা মক্ষমদা ;
ঐগী তুংবু ইল্লিদা !
গোরোঙ, গোরোঙ, লাউইদা !
চিংলি মখৈ লাকইদা ॥
মরম ওকই নুংশিদা !
হায়বা ইল্লি নুংশিদা ॥

কেকু লোৎপী

কেকু লোৎপী শান্নসি ইমা !
কেকু লোৎপী শান্নসি বাবা !
ঐ মিৎ উইশিল্লগে ।
ঐ মিৎ খুমজিল্লগে ।
লোৎলো ! বাবা লোৎলো ;
লোৎলো ! মামা লোৎলো ।
য়াঃ য়াঃ উরে মামা ।
য়াঃ য়াঃ উরে বাবা !
মামা, বাবা ফোঙ-ফোঙ ॥

ছ্যাটিন

নোং ! নোং ! নোং ! কন্না চুবা নোং !
চু চু 'স্থম ঐস্থ চংকে স্থম ।
জম জম চু ছাটিন তূম্পি ঐ ।
চু চু 'স্থম চোংস্থ চোংলোই ঐ ।
নোং নোং নোং কন্না চুবা নোং !

ছ্যাতিন

ছাতিন ! ছাতিন ! ছাতিন !
ঐগী ছাতিন মচাদো !
পীয়ু ইমা ছাতিন্দো ।
নোং চুরে ছাতিন তূপ্পী ;
নুংশা শারে ছাতিন তূপ্পী ;
ফৎ-লাউনা ফন্দোক্কে ।
কোক্তা ছাতিন তূপকে ;
ছাতিন ! ছাতিন ! ছাতিন !
ঐগী ছাতিন অমুবা !
ঐগী ছাতিন ফজবা !
পীয়ু ইমা ছাতিন্দো ।।

য়ূম

য়ূম ! য়ূম ! য়ূম !
হো ঐখোয়' য়ূম !
ঐখোয়' য়ূমদা লৈ ।
ইমা বাবা লৈ ।
পু-পু ইবোক লৈ ।
ঐখোয় লোইনা লৈ ।
হরাউ হরাউ লৈ ।
নুংঙাই নুংঙাই লৈ ।
য়ূম ! য়ূম ! য়ূম !
হো ঐখোয়' য়ূম ॥

য়ূম

ঐখোয়' য়ূমসি ফজৈদা !
ঐখোয় য়ূমসি ফজৈদা !
য়ূমগী মনুং-ইমুংদা,
লাই ফজ' থেৎলিদো ।
ঐখোয়' য়ূমসি ফজৈদা !
ঐখোয় য়ূমসি ফজৈদা ।
থোঙ্‌নাউ য়ান্না পাল্লিদো !
থোঙ্‌সু য়ান্না পাল্লিদো !
ঐখোয় য়ুমগী শুমাঙ্‌দা
লৈ য়ান্না শাৎলিদো !
শুমাঙ্‌' নাপী মথক্তা
শান্নবু নুংঙাইদো ।

পৃথম

বাবা লাকও ! তাদা লাকও !
চাক চাসি লাকও !
চাক থিরে ইমানা ;
কোরোক কোয়বা পৃথমদা ;
লংত্রিক লংবা পৃথমদা ;
চাক থিরে ইমানা ।
বাবা লাকও ! তাদা লাকও !
চাক চাসি লাকও !
চাক হাপ্পে পৃথমদা,
এঙ্গাং হাপ্পে তেঙ্গোত্তা ।
হৌদোং চাউবী কূলহৌরে ;
মাস্থু পীজরুরসি ।
বাবা লাকও ! তাদা লাকও !
চাক চাসি লাকও ।

খুদেং

দেং দেং খুদেং !
য়ৈগে থীনগে খুদেং ।
ফি শুরে খুদেং !
ইরুজরে খুদেং !
লৈবাক হোল্লে খুদেং !
খোং হাম্মে খুদেং !
কান্নৈ কান্নৈ খুদেং !
য়ৈগে থীনগে খুদেং !
দেং দেং খুদেং !
গাড়ী চিংগে খুদেং ।

ফক

ইমানা ফক থারে ;
বাবা ফক্তা ফয়ে ;
ঐশু ফক্তা ফয়ে ।
হৌদোং মচা মিন্নু,
লাকএ লাকএ পিক্রু,
ঙ্যাও ঙ্যাও খোংঙে ।
ফক্তা ফমগে হায়রে ।

থাং

কাং, কাং, কাং !
লৈরঙ, মথক থাং !
ঙা, ! ঙা, ! ঙা !
থাংদ খোংঙে ঙা ।
কাং ! কাং ! কাং !
লৈরঙ, মথক থাং ।
লা ! লা ! লা !
লা-দ হাপ্লে ঙা ।
কাং ! কাং ! কাং !
লৈরঙ, মথক থাং ।
হা ! হা ! হা !
থাংদা খোংবা ঙা !
ঐ চানি, চে-চে চানি,
থাংদা খোংবা ঙা ।

ফনেক

ইমানা লৈবী ঐহাক্কী,
ফনেক মচু অঙাঙ্‌বা।
য়াউশঙ নুমিৎ' শেন্তোইনি।
য়াওশঙ্‌দবু কেদোইনি।
অঙাঙ্‌বা ফনেক শেৎলগা,
জোইপোর গস্থু ইন্দোইনি।
নে৺নে'ই তুংবু ইল্লগা,
না৺ক থেংবা চন্তোইনি।
নঙ্‌'দি ফনেক লৈবরা ?
কনা'ই মতুং ইন্দোইনো ?

নায়ানবী

ইমা লৈ য়াল্লি—
লৈ অশাংবা য়াল্লি।
বোবোক লৈ য়াল্লি –
লৈ অতেনবা য়াল্লি।
নেনে লৈ য়াল্লি।
লৈ অতেনবা য়াল্লি।
ঐস্থু লৈ য়াল্লি ;—
লৈ অপীকপা য়াল্লি।
মোরানবীদি মনাদা
কৈস্থু য়ান্দে লৈ।
পীয়ু ইমা মাগীস্থু ;
পীয়ু লৈ ফজবা।
মনাদবু য়ানবিগে ;
পীয়ু লৈ অশাংবা।।

খূদোপ

কৈনো নেনে খূৎতৈদো ?
খূদোপনিনে ইবেম্মা।
খূদোপ শিবা কৌইনে।
নেনে ঐস্মু শিবিয়ু।
শিগে নঙ্গী 'তুমহাইনা।
ময়াম ময়াম শিগে !
খূৎ লোইনা শিগে।
মচু মচু শিগে —
অঙৌবা অঙাঙ্বা শিগে
ফজ ফজবা শিগে ॥

ফৈজোম

পু পু ফৈজোম শেৎলে।
ঙৌরোক ঙৌনা শেৎলে।
মাঙ্দা জোন জোন তারে।
মশুপ মশুপ শুপ্লে।
পু পু মতৌ তমগে —
ঐস্মু ফিনা শেৎকে।
মাঙ্দা জোন জোন থমগে।
মশুপ মশুপ থমগে।
পু-পু মান্না শেৎকে ॥

ঙাখা

পাৎকী ঙাখা মৈঙাঙ্‌বী !

পাৎকী ঙাখা মৈঙাঙ্‌বী।

ঙাঙ্‌ল মমৈ ফেৎ-ফেৎ !

তোয়না ফে-ফেৎ হাইবদি,

করি থবক লৈবগে ?

করি লমদা চৎকগে ?

খোংবা

হৌদোং খোংই ঙ্যাও ! ঙ্যাও

ঙ্যাও ! ঙ্যাও ! ঙ্যাও ।।

হূইনা খোংই গৌ ! গৌ !

গৌ ! গৌ ! গৌ।

যন্না খোংই মো ! মো !

মো ! মো ! মো !

হঙোই খোংই গো ! গো !

গো ! গো ! গো !

ঙান্নু খোংই বাক ! বাক !

বাক ! বাক ! বাক !

য়েন-না খোংই ক্রোক কোক

কে, কে ক্রোক !

শেন্দ্রাং খোংই চ্রিক চ্রিক !

চ্রিক চ্রিক চ্রিক !

উচি খোংই চি ! চি !

চি ! চি ! চি !

হুইনাউ মচা

তুরু ! তুরু ! তুরুবী !
হুইনাউ মচা তুরুবী !
'সিদা লাউ তুরুবী !
ঐগী হুইনাউ তুরুবী !
নতু ইমোৎ মোৎলেদো !
হোরেন ইরুজবিগে ।
নবুক ইশীৎ শীংলেদো !
হোরেন য়াম্মা পীজগে ।
তুরু ! তুরু ! তুরুবী !
হুইনাউ মচা তুরুবী !
'সিদা লাউ তুরুবী !
ঐগী হুইনাউ তুরুবী !

হুইনাউ

তুরু তুরু তুরুবী !
লাকও ! লাকও ! তুরুবী
'সিদা লাকও ! লাকওসে ।
ঐনা থাবা চাক্কাসে —
চাথোকঅরো লাকওসে !
ঈশিং লৈরে অসিদা
কুকু কুকু থক্লোসে !
তুরু তুরু তুরুবী !
লাকও ! লাকও ! তুরুবী !
সিদা লাকও ! লাকওসে ॥

হৌদোং

ঐগী মিনু! ঐগী হৌদোং !
ঐগী নাক্তা লৈয়ু ।
নঙ্না নাক্তা লৈত্রগা
উচিনা ইফি চীকথংলি ।
উচিনা লাইধি শেগাইবী ;
ঐগী নাক্তা লৈয়ু।
নঙ্গী ভারৌ পুরক্লে ;
নঙ্গী শঙ্গোম পুরক্লে ।
ঐগী মিনু! ঐগী হৌদোং !
ঐগী নাক্তা লৈয়ু ।।

হামেঙ্মচা

মে ! মে ! মে !
হামেঙ্মচা মে !
গরঙ্ গরঙ্ চেল্লু
ফৎ ফৎ চোংউ
চোংঙ-চোংঙ লাউ
ঐগী নাক্ত লাউ ।
ঐস্নু নঙ্দো' চোংগে
ফৎ ফৎ চোংগে ।
ঐস্নু লমজেন চেনগে
গরঙ্ গরঙ্ চেনগে
ঐগী নাক্ত লাউ
শান্নসিনে লাউ ।

ষন

মো ! মো ! মো !
কদাই লৈগে ইমা নঙবু !
মো ! মো ! মো !
— লাকএ ! লাকএ ! ইমা লাকএ !
শজিক খিত্তং চারুবনি ।
মো ! মো ! মো !
থকউ শঙ্গোম খোঁবোম থন ;
লেক্কে শৎ-শৎ নশা থুং !
মো ! মো ! মো !
মো ! মো ! মো !

কৈ

বাবা অসি করিনো !
চেচে'ই লাইরিক্তগীসে !
মরাং মরাং য়েকইসে ; —
অসি করি কোঁগে ?
অমো 'সিবু খঙদরাও ?
অসি কৈ হায়তুনে ।
উমংদবু লৈবনে —
শা হিংনা চাবনে ।
নঙনা হয়েং চাউরগা,
জু য়েংবা পুবিনি ।
শা উচেক লৈরিবা,
লোইনা লোইনা য়েংহন্নি ।

নোংশা

গ র ! গ র ! গ র !
গর গর ঙংবা নোংশা !
বাবানবু হায়নে
চীংশাং ঙাকপা নিংথৌনি !
গ র গ র গ র
গর গর ঙংবা নোংশা !
কনা অমা চঙ্‌হন্দে
লৈ অমা থংহন্দে
হৈ অমা হেকহন্দে
গ-র গ-র গ-র
গর গর ঙংবা নোংশা !
গর গর ঙংবা নোংশা !

মচু অমস্তং লৈ

ইঙৌ ঙৌবী তখেল্লে !
ঙৌদ ঙৌবী কবোক্লে !
ঙাঙ্‌লৈনবী কুন্দালৈ !
ঙাঙ্‌দ ঙাংবী গুলাপলৈ !
নাপু মানবী লৈহাউ লৈ !
নাপু-দ নাপু চিগোংলৈ !
সনা মচু সনারৈ !
লৃপা মচু লশিংলৈ !
ইশং শংলে শংবরৈ !
ইরাং লাংলে শমজিরৈ !

শনারৈ

পূথ্রি ময়া শুমাঙ, ময়া,
শম্বল ময়া য়েন-খা,
মফম খূদিং শাৎলি নঙ্দি —
সনা মানবা শনারৈ,
ফজৈদকো শনারৈ।
থারুদনা হৌরকই ;
কদাইদগী লাকইবা !
অশংবা মনা মরক্তা ;
নঙনা ঙাঙনা শাৎপদি —
ফজৈদকো শনারৈ !
মনা কূপশিক কূপী লৈ ।।

জাতি কূপ্পী

ঐখোয় শুমাঙ চিদাইদা,
জাতি কূপ্পী হৌরিদো ।
কূপ্পা কূপ্পা শাৎলিদো ;
পূংঙৌ ঙৌনা শাৎলিদো।
মনম য়াম্না নুংশিদো !
মনা ইশং শংইদো !
পাম্বী ইনেম নেম্মীদো ;
মশা শাংনা পাল্লিদো !
জাতি কূপ্পী শাৎপদি
য়েংবদবু ফজেদো ! ।।

কবোক্লৈ

য়েংউ ! য়েংউ ! চেচে, ! চেচে !
শাৎলে শাৎলে কবোক্লৈ !
নঙ্না থাবা কবোক্লৈ ; —
ইমা বাবা ' য়েংহনসি ;
ফজদরা হংহৌসি।
নঙ্না থাবা কবোক্লৈ !
শাৎলে শাৎলে কবোক্লৈ !
য়েংউ ! য়েংউ ! চেচে, ! চেচে ! ।

মৈ

মৈ নঙ্ চাকইকো !
মৈ নঙ্ চাকইকো !
মৈ নঙ্ শাইকো !
মৈ নঙ্ ঙাঙ্ঙিকো !
মৈ নঙ্ ঙাল্লিকো !
মৈ নঙ্ ঙাল্লিকো !
চাকপু থোংঙে য়াবা মৈ !
ঈশিং লুম্মে য়াবা মৈ !
নিংথম্মগা তীকপা মৈ
মৈ ! মৈ ! মৈ !

নোংগী মখোল

জম ! জম ! জম !
চুরে, চুরে, নোং ।
ত্রোং ! ত্রোং ! ত্রোং !
য়ূমথক্তবু তারে ।
ত্রোপ ! ত্রোপ ! ত্রোপ !
স্নুমাঙদস্ু তারে ।
জম ! জম ! জম !
চুরে চুরে নোং ।
জ্রি ! জ্রি ! জ্রি !
মরী মরী চুরে ।
শ্রো ! শ্রো ! শ্রো !
উনা ময়াম চোৎলে ।
তোপ ! তোপ ! তোপ !
উনাদগী ঈশিংনা
তোপ ! তোপ তারে ।

মখোল

জম ! জম ! চুরি নোং ।
শৃৎ শৃৎ শিৎলি নুংশিৎ ।
ব্বা ব্বা চেল্লি ঈশিং ।
ব্বৃ ব্বৃ থোক্লি লৈখোম ।
তোপ তোপ তারি লেন
দুপ দুপ কেল্লি হৈ ।।

মখোল

নোং চুই - তপ-তপ
ঈশিং থকই - গৎ-গৎ
কাতি চপ্পী - জপ-জপ
শামু খান্মী - পৎ-পৎ
ফি শেৎলি শৎ-শৎ
ঐ চৎলি গপ গপ ।।

লেন

লেন তারে তারে ! লেন তারে তারে !
কোদ্রোং কদ্রাং কদ্রাক ! য়ুমথক্তবু তারে !

বুদ্রুপ বুদ্রুপ বুদ্রুপ য়ুমথক্তবু তারে !
সুমাঙ্‌দসু তারে লমহাঙ্‌দসু তারে !

লেন লেন লেন ঙোরোক ঙোবা লেন !
লেন লেন লেন মতুম তাবা লেন ! ॥

ঈশিংগী কান্নবা

ফেং ফেং ! চাম চাম !
　　　　ফেং ফেং চাম চাম !
কোন চাম্লি ঈশিংনা ;—
　　　　শৎ ! শৎ ! শৎ !
ফি শূই ঈশিংনা ;—
　　　　চোপ ! চোপ ! চোপ্ !
ঈরুজরে ঈশিংনা ;—
　　　　জর ! জর ! জর !
ঈশিং চাই লৈখোঙ্দা ;—
　　　　জোর ! জোর ! জোর !
ইশিং থকই ঐহাক্না
　　　　কূৎ ! কূৎ ! কূৎ !
কোন চাম্লি ঈশিংনা
　　　　শৎ ! শৎ ! শৎ !
ফেং ! ফেং ! চাম ! চাম !
　　　　ফেং ফেং চাম ! চাম !

নুমিদাং

নুমিদাংদি ওইরক্লে ;
মফম খূদিং মম্মক্লে ;
নুমিদাংদি ওইরক্লে ।
থৱানমিচাক থোরক্লে ;
নুমিদাংদি ওইরক্লে ।
থাউমৈ থাঙ্গৎনরক্লে ;
নুমিদাংদি ওইরক্লে ;
য়ুমদি ইঙান ঙাল্লক্লে ।

থা

থা থোকএ থা !
পূখম মানবা থা !
কোইরপ কোয়বা থা !
আং য়েংউ থা !
তপ্না তপ্না 'সুম—
থানা 'সুম চৎলে ।
মথক্তবু 'সুম—
সুম চৎলে থা !
কোইরপ কোয়বা থা !
পূখম মানবা থা !

লৈরোং য়েকপা

কো-কো কোলোম !
পে-পে পেন্সিল !
থাপ-থাপ পথাপ !
চে চে চেবাং !
য়েক য়েক য়েক্লে !
লৈ লৈ লৈরোং !
য়েংউ য়েংউ ইমা !
লৈ লৈ লৈরোং ।

মশীং থীবা

ইমা'ই নাক্তা লাকও সে !
বেম বেম সিদা লাকও সে !
মশীং থীবা হৌরসি ;
অমা, অমা, অমা !
নঙ্গী কোক অমা !
অমা, অমা, অমা,
নঙ্গী নাতোন অমা ।
অনী, অনী, অনী,
নঙ্গী মীৎ অনী ।
অনী, অনী, অনী,
নঙ্গী নাকোঙ্ অনী ।

স্কুল

ইমা ইমা য়েংউনে !
অসি' য়ুমসি য়েংউনে !
য়াম্নবুদি চাউইকো !
অঙাং য়াম্না লৈনেকো !
অঙাং য়াম্না শান্নেকো
ইমা 'সিবু করিনো ?"
"মসি স্কুল হায়তুনি ;
লাইরিক তম্ফম হায়হুনি।
নখোয় দাদা তম্বনি,
নঙস্তু সিদা তমদোইনি।

স্কুল কাবা

ইমা ! ইমা ! বাবা ! বাবা
ঐগী লাইরীক পীয়ুনে !
ঐগী লাইরীক পীয়ুনে !
চেচেগবু লোয়ননা,
ঐস্তু স্কুল চৎকেনে।
ইমা ! ইমা ! বাবা ! বাবা !
ঐগী লাইরীক পীরোনে
চেচেগবু লোয়ননা
ঐস্তু স্কুল চৎকেনে ॥

মণিপুরী নর্শরি রাইম

ইমুংগী মীশিং

'সিনা ঐখোই বাবানি ;
বাবা খবর পারি।
'সিনা ঐখোয় ধৌ ধৌনি ;
ধৌধৌ ইংখোল কোইরি।
'সিনা ঐখোই মামানি ;
মামা ইরু লুজরি।
'সিনা ঐখোয় নেনেনি ;
নেনে ফি শুরি।
'সিনা ঐখোই বোবোক্নি ;
বোবোক ইনশাং শেম্মী।

বাবা

অমুক চাক চারগা
বাবা থবক চংখরে !
হোয়েন য়ুমদা হল্লকপদা
ঐগী বোল লৈরক্কনি।
অচাপোংস্থু লৈরক্কনি ।
ফূরীং খোঙ্গ্রাউ লৈরক্কনি।
খোঙউপ কাস্থু লৈরক্কনি।
লাইরীক কাস্থু লৈরক্কনি।

ঐখোয় ওঝা

ঐখোয় ওঝা'ই মনাক্তা
থিনবিয়ুনে ইমা।
রারী লীবা তারুগে,
ঈশৈ শকপা তারুগে।
শান্নববু য়াওরুগে,
থিনবীয়ুনে ইমা।

ঐদি পড়া ফারে

ঐদি পড়া ফারেদো ;
পড়া লোইনা ফারেদো।
জগোই শাবা ঙম্মেদো ;
ঈশৈ শকপা হৈরেদো।
ঐদি মরম ওকইদো ;
লাই য়েকপা হৈরেদো।
ঐখোয় ওঝাই মমাঙদা ;
ঈশৈ য়াম্ন' শক্কনি।
জগোই য়াম্ন' শাগনি ;
মশীং কাস্থু থীগনি।

পুপু নাবা

পু-পু নারে হায়রেদো ;
অয়ো নারে হায়রেদো।
বাবা মাইবা কৌরেদো ;
মাইবা য়ুমদা লাক্লেদো।
ইমানা ফান থারেদো ;
মাইবা ফান্দা ফম্মেদো।
পুপু ফক্তা হীপ্লেদো,
মাইবা পুকপু শূরেদো।
মাইবা হিদাক শেম্লেদো ;
পুপু হীদাক থক্লেদো।
"কৈস্থ তৌরোই" হায়রগা
মাইবা অমুক চৎখ্রেদো।

ঐগী নেনে

নেনে ! ইরু লুবিয়ো !
গী'সসেনকাস্থ তৈবিয়ো।
থাউ ফজ' তৈরগা,
শমজেৎ ফজ হাৎলগা,
চন্দোন ফজ' থিল্লগা,
ফি অহনবা শেৎলগা,
লাই খু'ম্বা চৎসিকো;
কো নেনে চৎসিকো।
অচা পোৎকা লৈসিকো,
কো নেনে চৎসিকো।

ঈশৈ

পু পু ঈশৈ শকই ;
বাবা ঈশৈ শকই ।
মামা ঈশৈ শকই,
খুৎনা তানবু থারি ।
ঙকপু হাইনা শকই,
ঐস্মু ঈশৈ শকনি ।
বাবা'ই মতৌ তম্নি ;
মামা'ই মতৌ তম্নি ;
ঐস্মু ঈশৈ শকনি ॥

পুপুনা পোবিবা

পুপু পুপু ! পোবিয়ো ;
ঐ য়াম্না ৱারে ।
খোংসি য়াম' নারে,
ঐ চৎপা ঙমদরে ।
ৱারীগাস্মু লীবিয়ো —
নুংঙাই নুংঙাই ৱারিগা ।
— লাকও লাকও পোরগে
ইশু পোগে লাউ ।
কনা কনা লৈগে হা !
নহোং পীরো লাউ ।
ইশু তোম্বী মচাসে
খোখোরুবু পোথোক্কে ।

অঙাং কপ্পা

অঙাং কপ্পে হো ইমা !
অঙাং কপ্পে কপ্পেনে ।
অঙাং মচা কপ্পেদো ;
ঐনা থেম্বা য়াদরে ।
অমো কপ্পে কপ্পেনে ;
লাকও ! লাকও ইমাও !
অঙাং মচা লৌররো
অঙাং কপ্পা থেম্মরো ।

কোক

অসি ঐগী কোক্কি ;
কোক মতুম তায় ।
হকচাং মথক ইথং থংন,
ঐগী কোক লৈ ।
কোক্ত শম হৌই ;
শম মুশীন মুই ।
কোক্ত লূখম পাল্লি ।
লূখম উবা ফংদে ।
কোক্ত মায় পাল্লি,
মায়দা লাইবক পাল্লি ।
মীৎ, নাকোঙ,, নাতোন, চীন
মায়দা লোইনা পাল্লি ।

মাম্মা লাকপা

অখোয় মাম্মা লাকঅগা,
সাইকল জর তোংঙগা,
কৈথেন্দবু চত্তোইনি ;
শান্নপোৎকা লৈদোইনি !
অচাপোৎকা লৈদোইনি ;
ফুরিৎকাস্সু লৈদোইনি।
কুং কুং খীংঙগা
জর জর থৌদোইনি।
ঐনা মনীং তোংদোইনি ;
মাম্মা সাইকল থৌদোইনি।
'খোয় মাম্মা য়াম্না ফৈ ;
'খোয় মাম্মা নুংশি।

ঐ অমস্বৎ ইমা

হো ইমা ইমাও !
ঐস্সু লাক্কে ইমাও !
নোং কন্না চুরস্সু
ছাটিন তুপ্তুনা লাক্কে ঐ।
লৈখোম য়াম্না খোক্লস্সু
খোঙউপ তোংহুনা লাক্কে ঐ।
লন্থী য়াম্না নাল্লবস্সু
নখূৎ পাইহনা চৎকে ঐ !
তপ্না তপ্না চৎকে ঐ ;
নঙগী নতুং ইনগে ঐ ॥

মীৎ

নুংশিৎ কন্না শীৎলে ;
উফুল ৰা ৰা হৌরে।
মীৎ পাঙ্‌বা য়াদ্রে ;
খুৎনা মীৎ খুয়ে।
করিমত্তা উদ্রে ;
ইমাসু উবা ফংদ্রে
বাবাসু উবা ফংদ্রে।

নাকোঙ্

নাকোঙ্! নাকোঙ্! ঐগী নাকোঙ্!
ঈশৈ শক্লে তায় ;
বাবা' ঙাঙ্‌লে তায় ;
মামা' কৌরে তায়।
চোংঙা খোংঙে তায়।
হৌদোং খোংঙে তায়!
ৰারী লীরে তায়!
মোচা কপ্পে তায়।
নাকোঙ্! নাকোঙ্! ঐগী নাকোঙ্
সনা শিরে য়াই।

ঙক

ঙক, ঙক, ঐগী ঙক !
যেত্তা লয়রে য়াই।
ওয়দা লয়রে য়াই।
মথক ওল্লে য়াই।
মথা ওল্লে য়াই।
ঙক, ঙক, ঐগী ঙক
ঙক্ত'ই ঙকপা ঙক !
ফূরিৎ ফজ লীৎলস্থ
কুদাম পানগে য়াই।
তাই পুনগে য়াই।

ঙক্তা কিবা তাই

ঐখোয়' বাবা'ই তাই !
ইরাং লাংবা তাই !
ঙক্তা কিরে তাই।
ঐখোয়' দাদা'ই তাই !
ইমু মুবা তাই।
ঙক্তা কিরে তাই।
ঐস্থু কিরে তাই ;
ইঙাঙ ঙাঙবা তাই !
ঙক্তা কিরে তাই ॥

থবাক

ফূরিৎ লীৎলু অমো !
আঃদ কোয়বা চৎসি ।
মরম ওকই অমো ;
হায়বা ইল্লি অমো ।
থবাক নুংশিৎ য়ৈর'দি
অয়ো নানি অমো ।
ঐস্থু লীৎলে য়েংঙো তো !
নঙ্স্থু লীৎলো অমো !
ফূরিৎ ফজ লীৎলগা,
আঃদ কোয়বা চৎসি ।

ফূরীৎ অচোনবী

লীৎলি ঐনা ফজবা
শংত্রিক শংবা ফূরীৎসে ।
জোন জোন লাউবা ফূরীৎসে ।
ঐনা উরু লৈবদা
ফর ফল্লি ফূরীৎসে
ঙেক হেক ফম্বদা
পোৎলোই মান্না ফন্দোকই ।
শংত্রিক শংবা ফূরীৎসে ।।

মচু মচুগী ফি

ঐগী ফূরীৎ অশংবা ফূরীৎ !
উনাদোনা শংবা ফূরীৎ !
ইমাগী ফনেক ! অঙাঙ্‌বা ফনেক !
আবেরদোনা ঙাঙ্‌বা ফনেক ।
বাবাগী ফৈজোম অঙৌবা ফৈজোম !
য়াদোনা ঙৌবা ফৈজোম ।
ঐগী খোংগ্রাউ ! অমুবা খোংগ্রাউ !
শমদোনা মুবা খোংগ্রাউ !
ফূরীৎ, ফনেক ফৈজোম খোংগ্রাউ ।
অশংবা, অঙাঙ্‌বা অঙৌবা, অমুবা
ফি ! ফি ! ফি ! মচু মচুগী ফি ।

খুৎ

ঐগী খুৎ অনী শুই ।
য়েৎকী খুৎনি অসিনা ;
ওইগী খুৎনি মসিনা ।
খুৎ অনী অসিগী
খুৎশা মঙা-মঙা লৈ ।
ঐনা খুৎনা চাক চাই
ঐনা খুৎনা ফি শেৎলি
ঐনা খুৎনা শম হাৎলি
খুৎ অনী'ন পায়তুনা
ঐনা পোৎ থাংই ।

খূবাক

খূবাক খূসি তোম্বা !
প্রোক প্রোক প্রোক !
প্রোক প্রোক প্রোক !
ঐগী খূবাক অনী,
নঙ্গী খূবাক অনী ;
খূসি খূবাক নুংঙাইনা,
প্রোক প্রোক প্রোক !
প্রোক প্রোক প্রোক !
য়েৎকী খূৎশা মঙা,
ওইগী খূৎশা মঙা,
খূসি খূবাক হরাউনা,
প্রোক প্রোক প্রোক !
প্রোক প্রোক প্রোক !

খূজি

ইমানা লৈরকপা খূজিনি ;
য়েংউ বাবা ফজদ্রা ?
ইবোক য়েংউ ফজদ্রা।
দাদা য়েংউ ফজদ্রা !
অশংবা, অঙাঙ্বা খূজি !
অমুবা, অঙৌবা খূজি !
খুৎ অনী খূজি শিরে।
থেংনবদা মখোল থোক্লে।
জ্রিং ! জ্রাং ! জ্রিং !

খোঙ্

ঈশিংদা খোঙ্ হাম্ম্।
লূ-না নান-না লৈয়্।
খোঙ্দা মোজা উপ্প্।
খোঙ্উপ তোংহ্না চৎলু।
চৎলু, চৎলু, চৎলু।
গপ গপ চৎলু॥

খোঙ্

খোঙ্দা খোঙ্জি গ্যাও গ্যাও!
হৈনা হৈনা নানাউ।
হৈনা চৎলু নানাউ।
খোঙ্দা খোঙ্জি গ্যাও গ্যাও!
ঐগী খোঙ্সু অনী,
নঙ্গী খোঙ্সু অনী॥
খোঙ্দা খোঙ্জি গ্যাও গ্যাও!
হৈনা হৈনা নানাউ!
হৈনা হৈনা নানাউ!

খোঙ্উপ

ঐগী খোঙ্উপ লৈ ;
খোঙ্উপ অনী লৈ।
ঐখোয় বাবা' লৈবী ;
লাই য়াম্না য়েকই।
অঙাং মচা য়েকই
ছাটিন তুপ্পী য়েকই।
বোই'দি কৈস্নু য়েক্কে ;
ঙৌশ্রোক ঙৌশ্রোক ঙৌই।
ঐদি মরীগা পাল্লি ;
লাইদি কৈস্নু পান্দে ॥

ইঙখোল কোইবা

পুপু ইংখোল কোইরি ;
ইনশাং য়াম্না থারি।
কোবী মোরোক থারি ;
হঙ্গাম হরাই থারি।
সেবোৎ মাইরেন পাল্লি ;
মরী চৎল পাল্লি।
পুপু থবক কল্লি
ইংখোল ঈশিং চাইরি
ঐখোয় ইংখোল ফজে
ইনশাং য়াম্না হৌরি।

ঐখোয় ইশা য়াম্না খে
ঐখোয় লোইনা চারনি।

পেরে

পেরে পেরে পে—রে।
ঈশিং চাইবী পে—রে!
জ্রো জ্রো চাইরে।
মবূক চাউবা পে—রে!
মঙক শাংবা পে—রে!
মচীন পাকপা পে—রে
ঈশিং চাইরে পে—রে!
কোবী হঙ্গাম হৌরে।

পুখ্রি

পুখ্রি! পুখ্রি! পুখ্রি!
ঈশিং! ঈশিং! ঈশিং
ঈশিং লৈরি পুখ্রি।
পুখ্রিদগী ঈশিংনা
চাকপু থোংঙি ইমানা;
ফিবু শুই ইমানা॥
পাবুংনা কোইবা ইংখোলদা
ঈশিং চাইরি ঐহাক্না।
চোৎলে চোৎলে ফজনা;
পুখ্রি! পুখ্রি! পুখ্রি!
ঈশিং! ঈশিং! ঈশিং
ঈশিং লৈরি পুখ্রি!

থামেন অশীনবা

ইমানা কৈথেল চৎলগা
লৈ থামেন অশীনবা।
মতূম মতূম লোইনা তায়;
কোরোক কোরোক লোইনা কোয়।
ঙাংশঙ্ ঙাঙ্ই থামেন;
পেৎ পেৎ লাউই থামেন।
শেংনা শেংনা চামথোক্লে।
মশুং মশুং শোইদোক্লে।
থোংলে থামেন অশীনবা
হাউই থামেন অশীনবা॥

শেবোৎ

মরী চৎল চৎলগা,
পাল্লি শেবোৎ ইংখোন্দা;
হৌই ঐখোই' ইংখোন্দা।
শেবোৎ অরাং' অরাংবা,
শেবোৎ অশং' অশংবা,
মরী চৎনা পাল্লিদো।
মনারক্তা পাল্লিদো,
শম্বন্দসু পাল্লিদো।
উথক্তসু পাল্লিদো;
মশাঙ্ মশাঙ্ পাল্লিদো।
শেবোৎ চাই থোংলগা
শেবোৎ থোংবা হাউই॥

মাইরেল

মাইরেল ! মাইরেল ! পূক-কংবা !
ফমহনা লৈবা পূক-কংবা !
নাপু মাইরেল পূক-কংবা !
ইমানদি থোংলগা,
ইনশাং ওইনা চারগা,
খঙ্লে নঙ্গী মহাউদি ;
খঙ্লে নঙ্গী মহাউদি ।
মাইরেল ! মাইরেল ! পূক-কংবা ।

আলু

আলু ! আলু ! আলু !
ঐগী পামজবা আলু !
"আঃ লুনা তাই" ।
ইমানবু হায়বীদো ;—
" 'তুনা আলু কৌইদো" ।
লোর' চাবা হাউইদো ;
থোংল' চাবা হাউইদো ;
আলু ! আলু ! আলু !
ঐগী পামজবা আলু !
আলু ! আলু ! আলু ! ॥

ফদিগোম

কূপ্পা কূপ্পা পাল্লি ।
মখোক শাংনা পাল্লি ।
ইশং ইশং শংই ।
মনা কোয়না পাল্লি ।
ময়াং ময়াং পাল্লি ।
ঐখোয়' ইংখোল' হৌরি ;
ফদিগোমদি হৌরি ।
বাবা' থাই ফদিগোম ;
মামা' হেকই ফদিগোম ।
ইনশাং থাকপা হাউই ;
মনম নুংশি ফদিগোম ।

ঙাক্রা

ইমানা ঙাক্রা লৈরকই ।
মশা শ্রীং নাল্লি ।
মকোক ইপাক পাকই ।
মকোই অনী পাল্লি ।
ফ্রিং ফ্রিং চোংই ।
থেক্লা থেক্লা চৎলি ।
মচি অনী পাল্লি
মতোন ইতুম তুমই ।
শোক্লুবদি কি
চারুবদি হাওই ।

থবী

হেকই ইমানা ইংখোন্দে
মতুম মতুম পানবা থবী।
শেংনা শেংনা চামথোকই;
মশুং মশুং খায়দোকই।
চায় চম্ফং ফুত্তুনা
থোংলগসু চায়।
হিংনা চাবা হাউই
পূক য়াম্না ঈংঙি।
ঐগী বাবা থবী পাম্মী
ঐসু থবী য়াম্না পাম্মী।

থাংজিং

থাংজিং! থাংজিং! থাংজিং!
তিংখং পানবা থাংজিং!
মখোক পানবা থাংজিং!
মতোন তুমবা থাংজিং!
থাঙ্না খায়রে থাংজিং!
তংখায় তারে থাংজিং
মরু মরু থাংজি।
কক্ তুপ্লে থাংজিং!
হাউই চাবা থাংজিং।

হৈরিবোপ

ইমা ঙা থোংঙু।
হাউনা হাউনা থোংউ।
হৈরিবোপকা থাকউ।
হাউনা হাউনা থোংউ।
ইমানা ইনশাং থোংবদি
হৈরিবোপ্পু থাকইদো।
হৈরিবোপ্ থাকপা ইনশাংদি
মনম নুংশি হাউইদো॥

ঙা চাবা

ঐখোয়' পুন্না চাক চায়।
ঐখোয় লোইনা ঙা চায়।
ঐখোয়' পু-পু অরোবা চায়।
তোইনা মেৎল' চায়।
ঐখোয় বো-বোক অয়াইবা চায়
মচেৎ শেৎল চায়।
ঐখোয়' বাবা অথোংবা চায়;
মহী তোৎল' চায়।
ঐখোয়' ইমা অঙৌবা চায়,
মক্ক মল্ল' চায়।
ঐস্যু ঙা অতাউবা চায়;
চাক্কা তোৎল' চায়॥

কম্বোং

কম্বোং ! কম্বোং ! কম্বোং !
ইশাং শাংবা কম্বোং !
মকু খোকএ কম্বোং !
ইমু মুরে কম্বোং !
মকূপ তারে কম্বোং !
চাক্ক তোৎলে কম্বোং ;
চুহী হৈরে কম্বোং ।
হাউরে চারে কম্বোং ।
অমো কম্বোং চারে ;
মচীল ইমু মুরে ।
মকোই চোম্বা মাল্লে ;
হৌদোং মিন্নু মাল্লে ।

অথুমবা অশীনবা

চিনি ! চিনি ! চিনি !
চিনি য়াম্না থুম্মী,
চুম্থ য়াম্না থুম্মী ।
চম্প্রা ! চম্প্রা ! চম্প্রা !
চম্প্রা য়াম্না শীল্লি ;
মঙ্গে য়াম্না শীল্লি ।
হৈনৌ ! হেনৌ ! হৈনৌ !
হৈনৌ অমুনবা থুম্মী ;
হৈনৌ অশংবা শীল্লি ।

চু

ইশাং ইশাং শাংই চু।
ইঙাং ইঙাং ঙাংই চু।

ইঙৌ ইঙৌ ঙৌই চু।
ৰাগী মওং মাল্লি চু।

মনা শাংদ্রোঙ্ শাংই চু।
মতাং মতাং পাল্লি চু।

মতাং'দ মীৎ পাল্লি চু।

চু থক কক্ই।
মতাং মতাং কক্ই।

য়ানা মকু খোকই।
শেৎ শেৎ খোকই।

য়ানা পোক থেকই।
জ্রৌ জ্রৌ শায়।

মহী কুৎ য়োৎলি।
চু মহী থুমই।

হৈনৌ অমুনবা

কৈথেল্দগী বাবানা
　　হৈনৌ অমুনবা লৈরকই।
ঈশিংনা শেংনা চামথোকই ;
　　কংনা কংনা তৈথোকই।
থোর' থাঙ্না ইমানা
　　মশুং মশুং খায়দোকই।
হৈনৌ মরূ অচৌবা
　　ঐঙোন্দ পী ইমানা।
হৈনৌ মরূ অচৌবা
　　চূপ্পী ঐনা চুপ চুপ।
বাবা চেচে ইমাসু
　　মশুং মশুং চামিন্নে।

অরাথবী

ঐগী অৱাথবী ও !
　　নহাক লৈবা নুংঙাইকো !
উতোং মানবা নখোল্লা
　　ঈশিং চিংবী শান্নেদো।
বে-বে খোংবী শান্নে ;
　　য়েম্পাক তূপ্পী শান্নেদো।
নঙ্গী নহয় অশংবা,
　　য়োমশিন্দুনা পাল্লিবা,
ঙাংশং ঙাঙ্না মুল্লগা
　　ঐখোয় ময়াম' চান্নেদো।

কিহোম

নশা পূম্বা থুংনদি
নমীৎ ঙাক্তা পাল্লিদো।
থাঙ্গোল মানবা ননানা
কোয়না চপ চপ য়ুংলিদো।
নকোক্তসু তিংখংগী
লূহুপ্পুদি উপলিদো।
কিনৈ শোকপা নঙবুদি ;
হোম হোম লাউই চাবদি।
অদুবু কিহোম কৌইদো —
ইমানা হায় ইঙোন্দা ॥

থৈবোঙ

নমাগীদি নঙ্গন্দা
য়ান্দুনবু লৈরিবা
ইমানদি তাকপিদো
"থৈবোঙ কৌই" হায়দুনা
নঙগী নশক হায়রগা
ফৌগী বোরা মাল্লিদো !
নশা পূম্বা থুংনদি
ফুগ্রি পূময়োম য়োম্মীদো !
"শংলিঙৈদা নহাকসে
ইনশাং ওইনা চাবা য়াই।
মুল্লগদি থুম্মী" হায়
ইমানদি তাকপিদো ॥

সেম

ফজবা অঙাঙ্বা সেম !
ফজবা অচৌবা সেম !
ইমানবু চান্নগা
মশুং মশুং খায়রগা
ঐখোয় ময়াম চামিন্নে ।
হাউই হাউই সেম !
থুম্মী থুম্মী সেম !
মরূ পিশক পিশক
মনুংদবু য়াওরম্মী ।

কোমলা

কোমলা ! কোমলা ! কোমলা !
ইমানা পীবা কোমলা !
মতুম তাবা কোমলা !
নাপু মচু'ই কোমলা
মশুং মশুং খোক্তুনা
ঐনা চায় কোমলা ।
কোমলা নঙ্বু চাবদি
হাউইদকো কোমলা
থুমইদকো কোমলা !

চম্প্রা

মতুম তাবা চম্প্রানি
ইশং শংই শংলিঙৈ
মুল্লবদা নাপু ওই।
মকু শং খোক্তোক্ল'
মশুং মশুং য়াওরম্মী।
মশুং অমুক খায়দোক্ল
মরূ মশীন য়াওরম্মী।
চম্প্রা শীল্লি শীল্লিদো ;
চিনি হাপ্ল' থক্লদি
চম্প্রা হাউই হাউইদো।

য়েরূম

য়েরূম ! য়েরূম ! য়েরূম !
চফূদা য়াওবা য়েরূম !
ঙৌশ্রোক ঙৌবা য়েরূম !
মকু য়াওদ্রে য়েরূম
মহী ওইরে য়েরূম
চৌ লাউরে য়েরূম
খাংদা লৈরে য়েরূম।
ওল্লে ওল্লে য়েরূম !
তল ওল্লে য়েরূম !
চারে হাউরে য়েরূম।

হৈক্রু

হৈক্রু ! হৈক্রু ! হৈক্রুনি !
হৌই হৈক্রু ঐখোয়গী
ৱাংই হৈক্রু ঐখোয়গী !
পাল্লি হৈক্রু ঐখোয়দা :—
ইশং ইশং শংলবা
হৈক্রু ময়াম পাল্লিদো।
মনা কুপশিক কূপ্পীদো ;
শাংনা শাংনা পাল্লিদো ;
য়েংবদবু ফজৈদো।
খায় অহান' চীকপদা
অস্থুম অস্থুম চারগা
অস্থুম অস্থুম থুম্মকই।
হৈক্রুবুদি চারগা
ঈশিং থকপা থুন্মীদো ;
ঈশিং থকপা হাউইদো।

জাম

জাম ! জাম ! জাম
চরোং পানবা জাম !
শংত্রিক শংবা জাম !
মুশিল মুবা জাম !
উথক্কগী কেল্লকপা
প্রোপ প্রোপ লাউইদো
মুশিল মুবা জাম
চাবা হাউই জাম।
জাম য়াম্না চারগা
লৈবু মুশিল মুইদো !
য়েংউ ইমা ঐগী লৈ ;
মুশিল মুদ্রা য়েংউ !
য়েংউ ঐগী খুৎসিস্থু
মুশিল মুশিল মুরিসে !

অচাপোৎ য়োনবা

চেচে ! চেচে ! তাও অসে !
অচাপোৎপু পুতুনা
'চাপোৎ য়োনবা লাকএসে !

ত্রোং ত্রোং খীংতুনা
লাউর লাউর চঙ্ঙকএ
ঐখোয়' থোঙ্গান য়োরক্লে ।

মিঠাই 'ঙাঙ্বা য়াওরম্মি ;
বরফ কাস্থ য়াওরম্মি ।

লীক্লী উপু মনুংদা
লোইনা লোইনা হাপ্লম্মি ।

হাউর হাউর য়াওরম্মি ;
থুম্ল থুম্ল য়াওরম্মি ।

চেচে চেচে লৈসিকো
ঐখোয় ইমা লৈহনসি ॥

বরফ

ঐনা বরফ চূপ্পী।
বরফ চূপ্পা হাউই।
মচৈ পাল্লি বরফ ;
শৎ লেকই বরফ ;
য়াম্না ঈংই বরফ ;
চুপ চূপ্পী বরফ ;
চানবান খঙ্‌ইং ইংঙি।
ইথুম ইথুম থুমই ;
মহী তপ তপ তারি।
খুৎ ইনপ নপ্পী ;
কদ্রক চীকই বরফ।
মচেৎ মচেৎ থোকই ;
শৎ তাখি বরফ।
উফুল তৈরে বরফ ;
মহী ওল্লে বরফ।

শান্ন পোৎ

শান্নপোৎ য়োনবা লাকএসে।
লৈবিয়ু ইমা লৈবিয়ু।
থোইবীগীস্তু লৈরে তূ।
অমোগীস্তু লৈরে তূ।
পে-পা খোংহুনা
শান্নরিসে য়েংউ তূ।
মখোয় লোয়না খোংলে তূ!
ঐস্তু খোংগে পি-পি-পি
লৈবীয়ু ইমা লৈবীয়ু
পি পি খোংবী লৈবিয়ু।

নুংশিৎ মপী

ঐগী নুংশিৎ মপী,
উরু উরু লৈবী।
বাবানস্তু শাবী।
চেচেনস্তু শাবী।
ঐগী নুংশিৎ মপী,
উরু উরু লৈবী।
মখোক্তবু পায়রগা
চেল্লহুনা শান্নে।
ঐগী নুংশিৎ মপী!
উরু উরু লৈবী।।।

শগোল অশাবা লৈবা

ইমা পীয়ু য়েত্তুম পীয়ু।
— করি তৌন' য়েত্তুমনো ?
খাউ অমা ফোৎকে ইমা।
— করি তৌন' খাউনো ?
ঐগী পৈশা হাপকে ইমা।
করি তৌন' পৈশানো ?
অশাবা শগোল লৈগে ইমা।
করি তৌন' শগোলনো ?
তোংহ্নবু শান্নগে ইমা॥
ইমা পীয়ু য়েত্তুম পীয়ু।

রিক্সো মচা

পেৎ ! পেৎ ! পেৎ !
ঐগী রিক্সো পেৎ !
মমাঙদবু লৈজন্নু
রিক্সো-নবু তকচনি,
তল্লবদি নাজনি ;
নারবদি কপচনি।
স্নমাঙ থুংনা কোয়নিদো ;
ন্নুংঙাইনবু তোংনিদো।
পেৎ ! পেৎ ! পেৎ
ঐগী রিক্সো-পেৎ।

হৌদোং অশাবা

হা হৌদোং অশাবা !
ঐগী হৌদোং অশাবা !
নঙ্গা ঐগা শান্নসি ;
নঙ্গা ঐগা কোয়রুসি ।

চংপা হৈতে নহাক্তি ;
ঐ পায়গে চংসিনে ।
নমীৎ অনি ইরংলং !
নকোই অনী ফ্রিং ফ্রিং চোং !

হৈতে ম্যাউ খোংবসু
ঐনা শার' খোংবিগে
ম্যাউ ! ম্যাউ ! ম্যাউ !
নঙ্গা ঐগা শান্নসি !

হংলাই

সে সে ! হংলাই হৌরোসে !
ঐনা হায়বা তৌরোসে ;
নখোঙ অমুক থাঙ্গৎলু
নখোঙ অমুক কোনশিল্লু ।
নখুৎ অনী থাঙ্গৎলু ;
ননা অনী পায়শিল্লু ।
নমীৎ অমুক লাওথোকউ ;
নমীৎ অমুক উঈশিল্লু ।
মাঙ্দা অমুক লাকউসে ;
তুংদা অমুক হল্লুসে ।
হৌগৎ ফমথ তৌরো হং ;
খূবাক অমুক খূরো হং ।

চেগী হি

ইমা ! ইমা ! য়েংউ অসে !
নোংনা রা-ৱা চুরিসে !
দাদা ! দাদা ! য়েংউ অসে !
ঈশিংনা কন্না চেল্লিসে !
চেগী হি তাউহনসি ;
চেগী হি তাউহনসি ।
দাদা ! দাদা ! শারো ! শারো ।
হি অনী শারো ! শারো !
হি তাউবী শান্নসি
জিরি-জিরি চেলহনসি ॥

ঐগী শেনফূ

ইমা ঐগী শেনফূসে ।
মশক্তা ফজবা নত্তেদো ;
লূমসু য়াম্না লূপ্নেদো ।
অহানবদা ত্রোং ত্রোং,
হৌজিক্তি ক্রোক ক্রোক,
শেল য়াম্না য়াম্মদি,
ঐগী কার লৈরনি ।
ইমা নঙ্সু তোংহন্নি ;
বাবা য়াণ্না তোংগনি ।
পীয়ূ পৈশা ঙসিসু
থাদরগে হৌজিকসু ॥

কার

চেচে কার তোংঙকউ ;
ঐগী কারদা তোংঙকউ ।
হুহু হুহু থৌরগে ;
তিংতিং তিংতিং খোংলগে ।
হাপ্পো নঙগী লাইরীকথাউ ;
হাপ্পো নঙগী অচাপোৎ ।
নখোয়' স্কুল য়ৌনবু,
পরপ পরপ থিনবিগে ।

কোরোক কোয়বী গাড়ী

পীয়ু ইমা ঐগী গাড়ী ;
থৌগে ঙসি ঐগী গাড়ী !
ঐনা থিবা মফমদবু
লৈরমদরে থিবদবু ।
ঐগী গাড়ী ফংদ্রবদি
থোক্লোই মপাল ঙসিদি !
লৈরে লৈরে কাংঘদা,
ইমা নঙনা থম্বরা ?
বাবা কৌরু হায়বরা ?
তামো থিরু হায়বরা ?
থৌরে ঐদি গাড়ীবু
কোরোক কোয়বী গাড়ীবু ।।

ঐগী ঘড়ী

ঘড়ী, ঘড়ী, ঐগী ঘড়ী !
ঘড়ী ঘড়ী ঐগী ঘড়ী ।
ইমাগীসু ঘড়ী লৈ ;
চৎলি তেক-তেক-তেক !
বাবাগীসু ঘড়ী লৈ ;
চৎলি টিক, টিক টিক ।
ঐগী ঘড়ী অসিদি
চৎতে টিক টিক টিক ॥

নুংশিৎ মপী

হুরু হুরু লৈয়ু !
হুরু হুরু লৈয়ু ।
ঐগী নুংশিৎ মপী !
চেগী নুংশিৎ মপী !
নঙবু পায়র' চেনগে ;
কোয়না কোয়না চেনগে ।
হুরু হুরু লৈয়ু ;
হুরু হুরু লৈয়ু ;
ঐগী নুংশিৎ মপী ॥

আনোক অঙাঙ্‌বা

বাবানবু লৈরকপা
ঐগী আনোক অঙাঙ্‌বা
ফজখরে ওন্থোক্লা !
মসি হেক উপ্পদা
লোইনা পুঙ্‌ঙাঙ্‌ ঙাঙ্‌না উই ;
বাবাবুস্থু ঙাঙ্‌না উই ;
মামাবুস্থু ঙাঙ্‌না উই ।
চে-চেবুস্থু ঙাঙ্‌না উই ;
নে-নেবুস্থু ঙাঙ্‌না উই ।
উ সিস্থু ঙাঙ্‌না উই ;
য়ুমসিস্থু ঙাঙ্‌না উই ;
লোইনা পুঙ্‌ঙাঙ্‌ ঙাঙ্‌না উই ।

ঐগী ত্রোং লাউবী

ঐগী ত্রোং লাউবী লৈ !
ঐগী ত্রোং লাউবী লৈ !
বাবানবু লৈরকই ;
কৈথেন্দগী লৈরকই !
মমায় কোরোক কোয়রগা
মনা অনী পাল্লিদো ।
চৈনা মচৈ পাল্লিবা
খূবাক্লবু লৈবদা
মনা অনী অহুনা
মমায়দবু থেংবদা
ত্রোং ! ত্রোং লাউরকই
ত্রোং ত্রোং লাউরকই

অপাইবা বোল

মথক্তদা পাইখৎপা
অপাইবা বোল !
মখাদদি তারক্কে ;
অপাইবা বোল !
কদাইদবু চৎলিবা,
অপাইবা বোল !
লং অমা কিরগা
ঐনা পায়হ্নুনা থম্ল’দি
পাইখৎপদি য়াররোই ;
অপাইবা বোল !

খূবাক খূবী

শান্নবা

লাক ও ! মেম্মা !
লাক ও ! মেম্মী !
খূবাক খূবী শান্নশি।
নঙ্না হান্না খূরকউ;
ঐস্‌ু অমুক খূরক্কে,
খূবাক খূবী শান্নসি।
খূবাক খূবা মখোলদো
তাবা নুংঙাই খূরকউ।
খূবাক খূবী শান্নসি ;
খূবাক খূবী শান্নসি।

হৌদোং লম্বোইবা শান্নবা

ঐ শাগে হৌদোং লম্বোই' ;
নখোয় শারো উচি।
ঙ্যাও ! ঙ্যাও ! ঙ্যাও !
—করি পাউনো, করি পাউ !
ইচা খোমদোন' য়াওবরা ?
—য়াওদে ! য়াওদে ! য়াওদে !
তুংগী'সিদি কনানো ?
—ঐখোই' ইচা তোম্বীনি।
মথং'সিদি কনানো ?
—ঐখোয় ইচা য়াইমনি।
খোমদোনবীবু ফারনি
ঙ্যাও ! ঙ্যাও ! ঙ্যাও !

শাসি ঐখোয় শমোক

পেৎলে ! পেৎলে ! য়ারনি !
লৈতানগীদি লৈপাক্কি ;
থোৎলে নৌরে য়ারনি।
শাসি শাসি শমোক !
নঙ্না শাউ যনবী ;
ঐনা শাগে যন্নাউ॥
নুংশাদবু ফৌরসি ;
ফৌরে ফৌরে ফজনা।
কংলে কংলে য়ারনি।
যন্নাউ শঙ্গোম থক্লীংলে ;
যনবী নাক্তা পুশিনসি ;
শঙ্গোম পেন্না পীথকসি॥

লাইরীক তম্বী শান্নবা

লাইরীক তম্বী শান্নসি ;
ঐখোয়ময়াম শান্নসি ।
ঐনা ওঝা শারগে,
নখোয় ছাত্র শারোদো ।
নঙনা কাংকাং য়েরোদো ;
শান্নরসি নুংঙাইনা ।
ঐনা হেক চঙবগা
নখোয় লোইনা লেপখৎলু ।
খুরুমজরি হায়রকউ ।
ঐনা 'ফম্মো' হায়রক্কে ।
নখোয় লোইনা ফম্লকো ;
শান্নরসি নুংঙাইনা ॥

উরু লৈবী

উরু ; উরু ; উরু ;
উরু ; উরু ; উরু ;
উরু লৈবী শান্নসি ।
ইচেই মতৌ তমহন্না
উরু, উরু, উরু,
উরু লৈবী শান্নসি ।
কোকপু ঙাওর' ফমথসি ;
ঙাইহাক অমুক পোম্থাসি ;
উরু লৈবী শান্নসি ।
ইচেনা শ্বাবু থাবদা ;
উরু লৈবা হৌরসি
"শ্বা" লৈবা হৌরসি ॥

ঈন চিংবী শান্নবা

চুরে চুরে নোং

ঈশিং তুংঙে তুংঙে

শুমাঙ্ বীক বীক থল্লে !

নাউবী ! নাউবী লাউনে !

ঈন চিংবী শান্নশি ;

ঐ ঈন থারগে

নঙ্স্থু থারো নাউবী !

ঐ ঈন শোল্লগে।

ঙাখা অমা লকএ ! লকএ !

নঙ্ অমুক শোল্লো।

করি লকই নাউবী ?

ঙমু অমা লকএ ! লকএ !

কয়াম চাউই য়েংগে ?

এ ঃ চাউই ফজৈকো !

শান্নবুঙ

শন্নাবুঙনি শান্নবুঙ !
ঐখোয় ময়াম' শান্নবুঙ !
ইপাক পাকই শান্নবুঙ !
ইশং শংই শান্নবুঙ !
চৈতেক কোৎপী শান্নরি ;
থৌরি চোংবী শান্নরি।
বোল কাওবী শান্নরি ;
মীৎ খুন্বী শান্নরি ।
নাস্থবীস্থ শান্নরি ;
য়ুমশাবীস্থ শান্নরি।
অঙাং ময়াম পুল্লপ পুল্লপ
নুংঙাইনবু শান্নরি ॥

রেডিও

রে—রে রেডিও !
নখোন হৌবী রেডিও !
ঈশৈ অমা শল্লকউ ;
ন—না কন্না লৈবিরোই !
রে—রে রেডিও !
ৱারী হৈবী রেডিও !
ৱারী অমা লীরকউ ;
খুংনা কন্না নম্বীরোই।

তেলঙ্গা

তেলঙ্গা ! তেলাঙ্গ !
ৰাংনা পাইয়ু তেলঙ্গা !
নঙ্না ৰাংনা পাইরগা
অঙাং ঐখোয় নুংঙাইজে'।
নুংশিং কন্না শীংলিঙৈ
এরোপ্লেনগী মতৌগুম
ৰাংনা পাইয়ু তেলঙ্গা।
নমৈ তৎনি চ্যেকশিল্লু ;
ননা তৎনি চ্যেকশিল্লু ;
লং শৎ-শৎ থারক্কে ;
ৰাংনা পাইয়ু তেলঙ্গা ;
ৰাংনা পাইয়ু তেলঙ্গা ॥

কপ্পা অমস্থং নোকপা

বোবো কোয়চেন চেল্লি।
তেলঙ্গা পায়র' চেল্লি।
পাইরে ! পাইরে ! লাউই।
মানা অস্থম চেনবদা,
তৎখ্রে মমৈ পন্দুনা,
কপ্লে বোবো হীক-হীক।
মখোয়' বাবা লাক্লে ;
উরে বোবো কপ্পা।
মমৈ অমা শারে ;
তেলঙ্গা নপ্লে।
অমূক পাইবা য়ারে ;
বোবো হী-হী নোক্লে।

থাবল চোংবী শান্নবা

বজাই মখোল তে ! তে !
ধোন মখোল ধোং ! ধোং !
তেতে রেতে ধোং ! ধোং !
ঐগী খুত্তা তোম্বীনা পায় ।
তোম্বীগী খুত্তা মেম্বীনা পায় ।
মেম্বীগী খুত্তা চাউবীনা পায় ।
থাবল চোংবী শান্নসি ;
তেতে রেতে চোংলসি ।
ধোং ধোং চোংলসি ;
য়াউশঙ থাবল চোংলসি ।

থৌরী হাইবী

মেম্বা ! মেমচা ! তোম্বা ! তোমচা !
থৌরী হাইবী শান্নসি ;
লাকও ! লাকও ! শান্নসি ।
মঙা মঙা হাইনসি ।
ঐনা হান্না তোংগেকো ।
নঙ্না থৌরী হাইরকউ ।
নঙ্না অমুক তোংলগা,
ঐনা অমুক হাইরক্কে ।
নুংঙাইনবু শান্নসি ॥

মোজা লোনবী

কাটা পীয়ু ইমা,
ঐশু মোজা লোনগে ;
মোজা লোনবী শান্নগে।
যেংউ ইমা যেংউ !
ঐখোয় নেনে লোল্লি।
মীৎনা য়েংদে মাদি ;
মখুৎ অতুম লেঙ্ঙি।
লংসু অতুম চিংঙি !
য়াম্না হৈকো ইমা।
কাটা পীয়ু ইমা।
মোজা লোনবী শান্নগে
মোজা লোনবা তমগে।
নেনেগুম্না লোনগে॥

শুমাঙ্

বাবা ৱাই শীৎলি ;
ইমা ৱাই তৈরি।
নুতি নুমীৎ খুদিংগী
নাল্লি ঐখোই শুমাঙ।
ঐখোয় শুমাঙ অকোয়বা
লৈ য়াম্না হৌরি।
ঐখোয় শান্নে শুমাঙ্দা ;
উরাউবী তান্নে শুমাঙ্দা।

য়ুমগী থবক

ইমা চাক থোংলি ;
ব্রোং ব্রোং শৌরি।
অবোক ইনশাং শেন্মী ;
জর জর শেন্মী।
বাবা শীঙ্ খায়রি ;
তোক তোক খায়রি।
ইচে রাই তৈরি ;
সর সর তৈরি।

ফৌ শুবা

ফৌ ফৌই ফৌরাদা ;
ফৌ লোকই থুম্মোক্লা।
ফৌ তকই চক্রিদা ;
ফৌ তকই নেনেনা।
শুক পায়রি মামানা ;
ফৌ শুরি শূম্বন্দা।
মামা নেনে লক্করি ;
পূন্না ফৌ শুমিন্নৈ।
ফৌ মুল্লে লৌথোক্লে ;
য়াঙ্কোক্তবু খপ্তোক্লে।
চেঙ্ ওইরে চেঙ্ ওল্লে ;
চাক থোংঙে বোবোক্লা।।

ফি শারি মখোয়

মাম্ম'ই য়ূমজাউ মাঙ্গোন্দা
কোন থারি কোন!
কোন থারি কোন!
ফি শারি ইনে;
ফি শারি ইনে।
কোক-কাক-কোক!
কোক-কাক-কোক!
ঐখোয়' য়ূমগী মাঙ্গোন্দা
উগী য়োংখম লৈ;
উগী য়োংখম লৈ।
ফি শারি ইমা;
ফি শারি ইমা।
শিৎ শাৎ শিৎ!
শিৎ শাৎ শিৎ!
মাঙ্গোল কাচিন ময়াদা
তরেঙ্, থারি তরেঙ্;
তরেঙ্, থারি তরেঙ্;
লংচাক চাক্লি ইচে!
লংচাক চাক্লি ইচে।
নেং নেং নেং!
নেং নেং নেং!

ইমুংগী পোৎ-চৈ

ঐগী ফমুং উগী কাংথোল
ঐগী উপু অঙৌবা উপু।
বাবাগী উপু অমুবা উপু।
ইমাগী উপু অঙাঙবা উপু।
চে-চেগী উপু অশংবা উপু।
ঐগী চৌকি উগী চৌক্রি।
ঐগী ফাল উগী ফাল।
ঐগী মোড়া লীগী মোড়া।
ঐগী তেবল উগী তেবল।
ঐগী ফিয়ান উগী ফিয়ান।
ঐগী মায়খন উগী মায়খন॥

উপু

অম্বারি ! অম্বারি !
উপু পু-পু অম্বারি !
ইফি ইরোল হাপ্লগে ;
তরু তরু থম্লগে।
হয়েং নোংবু ঙাল্লগা,
ঈরু মায়থজরগা,
ননাক্তবু লাক্লগা,
অমুক হন্না লৌরগে।

টেঁবল

হৱাইমান ! হৱাইমান !
হৌদোং মচা হৱাইমান !
চোংখরে টেবলদা ;
ফমদোকখরে মথক্তা।
কুমথরকউ থক থক !
চোংথরকউ হৱাইমান।
চৌক্রি টেবল ফম্লগা,
বাবানা লাইরীক তৌবত্নু,
উবা নত্রা নহাকস্নু ?
কুমথরকউ হৱাইমান ;
শান্নররো শুমাঙ্দা ।

ঐনা তানীংবা

নোং খাক্লে, মখোল হৌরে।
তাবা ঙমদ্রে, নাকোঙ্ মেল্লে।
গাড়ী চেল্লে, হৌনা খোঙ্লে।
তাবা ব্বারে, নাকোঙ্ মেল্লে।
ঈশৈ শক্লে তাবা য়ারে।
তুম্মিন লৈরে ঈচীক চীক্লে ॥

শকয়েৎ মিংশেল

ও ! মিংশেল মিংশেল ও !
ঐগী ইতৌ তম্মকউ ।
সে ! সে ! সে !
মিং লাওথোরক্কে-সে !
য়া কাথোরক্কেসে !
সে ! সে ! সে !
হা ঃ— হা ঃ— হা ঃ
হি ঃ— হি ঃ— হা ঃ !
তূ-তূ মিংশেলসে –
ঐগী ইতৌ তম্মে তূ !
মমিং লাওথোরকএ-তূ !
ময়া কাথোরকএ-তূ
হাঃ— হাঃ— হাঃ
হিঃ— হিঃ— হিঃ

লীনা: শাবা ফম্ফম

লীগী চৌক্রি, লীগী মোড়া,
লীগী সোফা, লীগী ফম্ফম,
ফম্মু বেমবেম ফম্মু বেম ;
ফম্নিংবতা ফম্মু।
নুংঙাইবরা য়েংউ।
উরীগুম্না ঈশাং শাংবা,
চীংদ হৌবা লীনা,
কংহল্লগা শাবনি ;
নুংঙাইবরা য়েংউ।
ফম্মু বেমবেম ফম্মু বেম।

সাইকল

চেচে সাইকল থৌরো ;
ঐস্সু খরা তোংগে।
নঙগী তুংদা ফমগে ;
নঙগী খ্বাঙদা কোনগে।
নে-নে খোইদা থৌরো ;
বোবোচাগা লোয়ননা,
থৌরী চোংবী শান্নগে।
'হগা অমুক হল্লকসি।
ক্রুং ! ক্রুং ! ক্রুং !

ইলেক্ট্রিক

তেক লাউই মৈ ঙাল্লি।
তেক লাউই পাঙ্খা উংই।
তেক লাউই রেডিও খোংই।
তেক লাউই তি-ভি থায়।
তেক লাউই ইস্ত্রি তকই।
তেক লাউই বরফ শুংই।
তেক লাউই বেল খীংই।
তেক লাউই হিতর থায়।
তেক লাউই ফুৎ মুৎলি।

শমজেৎ

ইমা শমজেৎ পীয়ুনে।
ঐ শম ফারে
ঐ শম ফারে।
ইবোক থাউ তৈবিয়ু
শমজেৎ নাম্না হাৎপিয়ু
ঐ শম ফারে
ঐ শম ফারে।
শমজেৎপুদি হাৎলগা
থাউবুদি তৈরগা
ফজরনি ইশক
নাল্লগনি ইশা।

যন্ত্রগী খোঞ্জেল

কাংশী মখোল ‘কোং কাং,’
শেম্বুঙ মখোল ‘বুং বুং,’
পুঙ মখোল ‘দুং তাং,’
ঝান মখোল ‘থাই থাই,’
করতাল মখোল ‘কেং কেং,’
ধোন মখোল ‘ধোং ধোং,’
বেঙ্গুন মখোল ‘তোরো-তো-তোং,’
তৌদ্রি মখোল ‘তি-তাউ তাউ’
শরীক মখোল ‘ক্রিং ক্রিং’
পেনা মখোল ‘রিরৌ-রৌ’
মোইবুঙ মখোল ‘তু-ধূ’ ।।

ফেন

ফেন লয়রি উরু লয়রি ;
ফেন উঙলি উরু উংলি ।
ফেন উংলি ৱং-ৱং লাউরি ।
নুংশা শাই য়াম্না শাই ;
হুমাং শৌই য়াম্না শৌই ।
ফেন মখা ঐখোয় ফম্লি ;
সোফা মথক ঐখোয় ফম্লি ।
ফেন উংলি উরু উংলি ;
ফেন উংলি নুংশিৎ লাকই ।
নুংশিৎ লাকই হূ-হূ হুম্মি
হূ-হূ হুম্মী ঈংবা ফাওই ।

তেলে ভিজন

তেলেভিজন য়েংই ;
মীগাস্থু থোরকই।
উচেক্কাস্থু থোরকই ;
শামুগাস্থু থোরকই।
কৈ, নোংশা থোরকই।
শগোলগাস্থু থোরকই।
রেলগাস্থু থোৗরকই ;
ইশাং শাংনা থোৗরকই ।
হৰা গাড়ী, জিপ, কার,
য়াম্না য়াম্না থোরকই।
সমুদ্রগা থোরকই ;
জহাজগাস্থু থোরকই।
সিনেমাগা তৌই ;
নুংঙাই নুংঙাই তৌই।
তেলেভিজন য়েংনিংই
য়েংবা য়াম্না নুংঙাই ॥

হুমাই

নুংশা য়াম্না শাবদা
হুমাং য়াম্না শৌবদা
ফম্লি বো-বোক মাঙ্গোন্দা ;
থূত্তা হুমাই পায়হুনা ।
নুংশা য়াম্না শাবদা,
হুমাং য়াম্না শৌবদা,
হুমাই ফৎ ফৎ হুন্বদি,
য়াম্না নুংঙাই ঈংঙিনে ।
ঐখোয় বো-বোক হুমাইদি
মাঙ্গোন ফম্মে হুন্বা য়াই ।
স্মমাঙ' চৎলে হুন্বা য়াই ;
ইমুং' লৈরে হুন্বা য়াই ।

কুদাম

ঐগী ফূরীৎ কুদাম তৎলে ;
ইমা ফূরীৎ কুদাম য়াওদ্রে ।
ফূরীৎ কুদাম পানবিয়ু ;
লোইনা তৎলে য়েংউসে !
ফূরীৎপুদি লীৎলগা,
শান্নবা চৎকে চে-চেগা ॥

তেলিফোন

তেলিফোন তেলিফোন !
ক্রিং ক্রিং তেলিফোন !
বাবা ঈরুজখরে,
ইমা' চাকপু থোংখরে,
ক্রিং ক্রিং খিঙ্লকও,
হলো হলো হায়রগে।
তেলিফোন তেলিফোন !
ক্রিং ক্রিং তেলিফোন !
ঐখোয়দদি ক্রিং ক্রিং,
নেনেখোয়গী বে-বে ;
তোম্বীখোয়গী চেৎ-চেৎ।
তেলিফোন তেলিফোন !
বে-বে তেলিফোন !
তেলিফোন তেলিফোন ;
তেৎ-তেৎ তেলিফোন ॥

ফক্লাং ঘড়ী

দিং দোং দাং, দিং দোং দাং
ফক্লাং ঘড়ী খীংলি।
ঐখোয় ফক্লাং ঘড়ী
কাটা অহুম পাল্লি।
থক থক চৎলি
তোক তোক লাউই।
দিং দোং দাং, দিং দোং দাং
ফক্লাং ঘড়ী খীংই।
বাবা প্রপ প্রপ থোকখি
গাড়ী শৎ তোংখি
ধূরু ধূরু থৌখি
ইমা কোম্হোঙ থিংই।

ঘড়ী মথল অমস্থং মখোল

ইমা ঐগী ঘড়ীসে মখোল 'মত্তা থোক্কেদো ;
বাবা'ই খূদাং ঘড়ীস্থু তক তক চৎলিদো।
টেবল ঘড়ী অসিস্থু তেক তেক হায়রিদো ;
য়ুমগী ফক্লাং ঘড়ীস্থু তীক তীক লাউরিদো।
কৈথেল দলান মথক্কী ঘড়ীডুস্থু খীংহৌই ;
দিং দোং দেং, দিং দোং দেং।
ঐগী ঘড়ী অসিস্থু মখোল থোক্ক' শেন্বীয়ু॥

ফোটো

মামা ! মামা ! বেবেসে !
য়েংউ য়েংউ নোকইসে !
নেনেনবু পল্লগা
মানা হরাউরিবসে !
লফূসিস্থ ফজৈকো !
য়ূমসিস্থ ফজৈকো !
লৈ ময়ামসি ফজৈকো !
উ গাসিস্থ ফজৈকো !
কম্মাইনবু তৌ'ইনো,
লোইনা লোইনা উরিসে ?
অবে অসি ফোটোনি ।
ঐখোয় কেমেরা লৈবদো,
উপু মচা লৈবদো,
মুশিন মুবা মচাদো ;
অতুনবু নম্বনে ;
ফীল্ম হাপ্প' নম্বনে ;
অসি ফোটো কৌবনে ॥

কোট

কোট ! কোট ! কোট ॥
ঐগী অমুবা কোট !
য়াম্না ফজৈ কোট !
ইন্থম্মগা লীৎলি কোট !
ফুরীৎখাউ য়াম্মী কোট !
কুদাম চাউই কোট !
ঙকশম পাকই কোট !
থা-থা লাউই কোট !
বাবা' লৈবিবা কোট !
নিংথম থাগী কোট !
কোট ! কোট ! কোট !
ঐগী অমুবা কোট !

খাউ

লাইরীক হাপকে খাউ ;
শিলেপ্ হাপকে খাউ।
কাঙ্গ্রে হাপকে খাউ ;
পুথাপ হাপকে খাউ।
খাউ, খাউ, ঐগী খাউ !
ফি-না শাৰা খাউ ;
মরী পানবা খাউ।
ইরাং লাংবা খাউ !

পুন

হা পুন কংনানবী !
লৈবাক পুন্দি কংনানবী !
ঈশিং য়াম্না খোৌরাংঙে,
নঙগী ঈশিং অঈংবা
খজিক্তবু থকচগে ।
পুন্দা থম্বা ঈশিংদি
য়াম্না ঈংই হাউইদো ।
ঈশিং য়াম্না খোৌরাংঙে ।
পুনগী ঈশিং অঈংবা
খজিক্তবু থকচগে ॥

লৈবাক্কী চফু

নবূক ইকং কংলিবা
চফু নঙসে ফৈদকো !
চেঙ থম্মে চফু নঙ,
হরাই থম্মে চফু নঙ,
ঈশিং থম্মে চফু নঙ,
চাক থোংলে চফু নঙ,
ইনশাং থোংলে চফু নঙ,
চফু নঙসে ফৈদকো !
ইমানা হায়বী নহাকসে,
লৈবাক্কবু শাবনি ॥

গমলা

"বাবা অসি করিনো,
ময়াম ময়াম লৈরিসে ?
চফু মানবা ময়ামসে,
ঙাংশঙ, ঙাঙবা ময়ামসে ?
অসিবুরো ইমোচা !
লৈ থাননবনে।
মন্নুং লৈবাক হাপ্লগা
লৈ থাদৌরিবনে ।
লৈ থান চফুনে ;
লৈবাক্কবু শাবনে ।
অসি' মমিং খঙহৌরো,
গমলা হায়না কৌবনে।।

তোতী

তো তী তো তী জর জর তো-তী !
ঈ শিং ঈ শিং জিরি জিরি ঈশিং !
থ ল-লে থল-লে শর শর বালতিন।
ঈ-শিং ঈশিং থল্লে থল্লে বালতিন ।
ফর ফর ঈশিং জর জর তোতী।
থিং-লে থিং-লে পরপ পরপ তোতী।
লেপ-লে লেপ-লে শরৎ শরৎ তোতী।

অঙাং ঈরুজবা

মোমো ঈরুজদৌরে !
মোমো ঈরুজদৌরে ।
ইমানা লুজবিদৌরে
মোমো পিকত্রু পিশকসে ।
ঈশিং হৈরে খুদেংদা ;
মোমো থম্লে মনুংদা ।
য়া ! য়া ! মোমোসে,
ময়া কার' নোকইসে !
মখুৎ মচা পিশকসে !
ঈশিংদবু থারিসে !
তোপ তোপ থারিসে !
মোমো লুবা লোইরগা
ইমা'ন ঐ'স্থু লুবিনি
ঈশিং জ্বায় জ্বায় চাইথনি ।।

শঙ্গোম চফূ

অসাই ঐখোয় য়ুমদা
শঙ্গোম য়োনবী লাকঅন্মী।
শঙ্গোম য়োনবী অৱাংবী
চফূ ময়াম পুরকই।
শঙ্গোম চফু অমবু
ঐখোয়' ইমাদা পীরম্মী।
ঐঙোন্দা য়াম্না পীথকই।
হৌদোং চাউবীসু পীথকই;
শঙ্গোম য়োনবী অৱাংবী
হয়েংসু লাক্কে হায়রম্মী।
শঙ্গোম চফূ অচৌবা
পুবিরক্কে হায়রম্মী।

নুমিদাং ৱাইরম

নুমিদাংৱাইরম ওইরক্লে;
থোঙ্জিন ৱাই তৈরক্লে
ইমা' থূপ থারক্লে;
ইবোক লাই খূরুম্মে।
চেচে লাই খুরুম্মে;
ঐখোয় পূন্না খুরুম্মে।
ঐখোয় পূন্না খূরুম্মে।

ডাক্তর মাম্মা

বাবা চৎলো কৌরুচো ;
ডাক্তর মাম্মা কৌরুচো।

ঐগী হুইনাউ অমুবী
নারমাল্লে হৌগৎত্রে ।

নহান ঐনা নাবদা,
ডাক্তর মাম্মা কৌরুবা,

ডাক্তর মাম্মা লাক্লগা,
হীদাক পীজবদগী,
ঐ নাবা ফখিদো।

মাস্থু হীদাক পীজসি ;
য়াম্না থুনা ফহনসি।

মানা নাবা ফরগা
ঐগা পুন্না শান্নগে ;
ডাক্তর মাম্মা কৌরুচো।

মচীঞ্জাক থাবা

হৌদোং চাউবী মম মম !
শঙ্গোম লৈরে চারো তূ।
হূই অরাংবী তুরু তুরু !
চাক লৈরে চারো তূ।
যন অঙাংবী মো মো !
শজীক লৈরে চারো তূ।
ঙান্নু মচা বি, বি !
কঙ লৈরে চারো তূ।
য়েন্নাউ মচা কোক কোক !
চেংকূপ লৈরে চারো তূ।
খুন্নু মচা গু গু !
চগেম লৈরে চারো তূ ॥

হৌদোঙ মিন্নু

হৌদোঙ মিন্নু অরাংবী !
কোক্তা মচা পোক্লেদো !
পিকক্রু পীকপা পোক্লেদো !
মুশীন মুবা পোক্লেদো !
মরাং মরাং য়াওইদো !
ঐগী অমা ওইদোইনি
ঙৌরোক ঙৌবা লৌদোইনি ॥

থাউমৈ

ইমানা থানবা থাউমৈ ও !
ঙান্না ঙাল্লু থাউমৈ ও !
নঙ্না ঙাল্লে হায়রগা ।
অমম্বা লোইনা মাঙ্খিদো ;
মায়কৈ পূম্বা ঙাল্লিদো ।
ঙান্না ঙাল্লু থাউমৈ ও !
কুইনা ঙাল্লু থাউমৈ ও !
ইমানা থানবা থাউমৈ ও !
ঙান্না ঙাল্লু থাউমৈ ও !

য়ুমশাগী লৈফম

যন্না লৈ শঙ্গোন্দা ।
য়েন্না লৈ য়েঙ্গোন্দা ।
ঙান্নু লৈ মকোন্দা ।
খুন্নু লৈ মকোন্দা ।
শা উচেক খূদিংগী ;
লৈফম তোঙান তোঙাল্লি ।
হুইনা লৈ মপান্দা ।
হৌদোং লৈ ইমুংদা ॥

য়েনবীনা খোংবা

কে-কেক কেক ; কোক কোক কোক !
কো কেং কোক ; কো কেং কোক !
য়েনবী খোংলে ইমা।
য়েনবী খোংলে কেক কেক !
মানা কেক কেক খোংবদা
ঙরাং য়েরুম কোকইকো।
চৎলো ইমা লৌরুরো ;
চৎলো য়েরুম লৌরুরো।
খোংঙে ইমা অমুকস্থু ;
কে-কেক কেক, ! কোক কোক কোক !
কোকেং কোক ! কোকেং কোক !

য়েন

য়েন মচা চাজেনবী,
মচা ময়াম পুহুনা,
চীঙ্গাক থিবা থোরক্লে ;
পরেং পরেং লেংহুনা।
পি-পি পি খোংহুনা,
মমা'ই মতুং ইন্দুনা,
য়েন্নাউ মচা লুকোকপী,
মচীন মচা পিকক্রবী,
লৈবাক্তবু চক-চক থিন
চীঙ্গাক থুল্লি তাপ-তাপ-তাপ ॥

নুমিদাং রাইরম

নুমিৎ তারে মম্মক্লে ;
নুমিৎ তারে মম্মক্লে ।

থাউমৈ থাল্লো ইমা ও !
থাউমৈ থাল্লো ইমা ও !

ইমা থাউমৈ থাল্লক্লে ;
ইমা থাউমৈ থাল্লক্লে ।

হৌজিক পূমঙাল ঙাল্লক্লে
হৌজিক পূমঙাল ঙাল্লক্লে ॥

মৈখেৎ

খেৎ খেৎলি ফ্রঙ্ লাউই ;
ফ্রঙ্ লাউই মৈ হৌই !

মৈ হৌই ফুং ঙাল্লি ।
ফুং ঙাল্লি মৈ চন্নি ।

খেৎ মৈখেৎ ! খেৎ মৈখেৎ !
খেৎ মৈখেৎ ! খেৎ মৈখেৎ ! ॥

হৌদোঙগী ফুরিৎ খোঙগ্রাউ

ফুরিৎ খোঙগ্রাউ শেৎলে ;
তুপি মোজা উপ্লে ;
ঐদি ঈংবা ফরে।
ঐগী হৌদোঙ, অরাংবী
ঈংলমাল্লে মহাক্তী !
থক ! থক ! থক !
নীক্লেনেসে মশা-সে ॥
ইমা ! ইমা ! ইমা !
অরাংবীসু শেৎপিয়ু ;
ফুরীৎ খোঙগ্রাউ শেৎপিয়ু ;
তুপি মোজা উপ্পিয়ু।
ঐগা পূন্না শান্নগে ॥

যন্নাউ

যন্নাউ মচা অঙাংবী
শজীক চারি শঙ্গোন্দা।
যন্নাউ মচা অঙাংবী
শঙ্গোম থক্লী মমাদা।
যন্নাউ মচা অঙাংবী
কেনজরি মমাগা ॥

য়ূমগী শা-উচেক

লাউ ঙান্নু! সিদা লাউ!
খুন্নু নঙ্ স্নু পাইরকউ।
য়েনবী নঙ্ স্নু চংঙকউ;
চগেম হন্নাই থাবীগে;
পূন্না পূন্না চামিন্নৌ।
তুইনাউ নঙ্ স্নু সিদ লাউ;
হৌদোঙ্ নঙ্ স্নু সিদ লাউ;
থেবা নঙ্ স্নু সিদ লাউ;
ঐখোয় পূন্না শান্নসি;
ঐখোয় পূন্না শান্নসি॥

য়াউ

লাউ লাউ য়াউ!
তপ্না তপ্না লাউ।
থাবল চোংবী তম্বিগে;
তপ্না তপ্না লাউ।
তমগে তমগে তম্বিয়ু!
ইচা ইশু পুরক্কে;
ঐখোয় লোইনা তম্বিয়ু।
ইশাদগী ইতুসে!
কল্লগবু পীরমগে।
শামতু ফিবু শাহনা
নিংথম থাদা ইগ্নৌদো।

হুই

হুই ! হুই ! ঐগী হুই !
ঐগী হুই অরাংবী !
পীজবা খরা চারগা,
অহিং নুংথিন নাইদনা,
ঐগী য়ুম্বু শঙ্লিবা,
নঙ্শে য়াম্না নুংশিনে।
হুই ! হুই ! ঐগী হুই !
নঙ্গুম পূকচেল চাউবসে
মফম কৈদা লৈতেদা
নঙ্গুম থৌনা লৈবা শা
মফম কৈদা লৈতেদা !
নঙ্শে য়াম্না নুংশিনে ॥

খুন্নু

বাগ গু ! বাগ বাগ গু !
বাগ গু ! বাগ বাগ গু !
খুন্নু খোংই বাগ বাগ গু !
মখৌ পোঙ্না বাগ বাগ গু !
চীঙ্গাক খুন্না বাগ বাগ গু !
মকোন্দসু বাগ বাগ গু !
শুমাঙ্দসু বাগ বাগ গু !
মাঙ্গোন্দসু বাগ বাগ গু !
খুনু খোংই বাগ বাগ গু !

ঐগী থেবা

ঐগী থেবা অঙোবা !
বাবানা থবক চৎথ্রগা
ইমানা কৈথেল কাথ্রগা
ইতোম লৈবা নুংউাইতে ;
নঙ,গা ঐগা শান্নসি ;
লমজেন তান্না শান্নসি।
বাবানা লৈবা অচাপোৎ
নবূক থন্না পীজগে।
মামানা লোনবা শঙ্গোম্বু
নবূক থন্না পীথক্কে।
ঐগী থেবা অঙোবা !
ঐগী নাক্তা লৈয়ুকো।।

ইরোই

হাদ ইরোই লূৰাউবা !
হাদ ইরোই লূৰাউবা !
ফজৈদকো নহাকসে !
নশা লৈখোম ইতৈ-তৈ !
নমিৎ অনী লংত্রিক লং !
য়ুমবু তম্না লাক্লিনে।
নুমিৎ তাখিরসিদা;
য়ুমবু তম্না লাক্লিনে !
নশা লৈখোম ইতৈ-তৈ !
নশা লৈখোম ইতৈ-তৈ ॥

ঙান্নু

বাক! বাক! বাক!
ঙান্নু খোংই বাক!

ঙান্নু হায়বী চীনবাকপী,
নোম্না নোম্না লাকপদি,
গপ গপ চংপদি,
পুখ্রি মপাল য়ৌখরে।

পুখ্রি মপাল য়ৌরগা,
ঈশিংদবু কূমথরে।
ঈশিংদবু কূম্লগা,
ইরোইববু হৌখরে।

ইরোইবস্তু য়াম্না হৈ;
ইরূপ্পস্তু য়াম্না হৈ।
চূপ! চূপ! চূপ!
চূপ! চূপ! চূপ!।

ঙান্নু মচীন চীনবাকপী,
ঈশিংদবু মচীন্না,
চীঞ্জাক থিবা হৌখরে;
চরূপ! চরূপ! চরূপ!॥

মি

ঐদি য়েংবা নুংঙাইদো !
ইশাং শাংবা নখোঙ্না,
অরনবা মিরাং মথক্তা ;
চেন্না চোংনা চৎপদো !
মথক্তা অমুক চেন্খৎলি ;
মখাদা অমুক কূম্লকই ।
নঙ্দি শুক্তা তারক্লে ;
য়াম্না হৈনা চৎলিদো ।
নুংঙাই-নুংঙাই য়েংবদা
মি নঙ্না চৎপদো ॥

তেনরা

তে-তে তেনৱা
নচিল ঙাঙ্বী তেনৱা
নচীল কোনবী তেনৱা
শংবান্নবী তেনৱা !
কদাই য়ৌনা পাইদৌরি ;
করি লম-বু য়ৌদোরি ?
হৈনৌ চাবা চৎপরা ?
লফোয় চাবা চৎপরা ?
ঐস্নু খরা চানীংই ;
খিত্রা পুবিরকউকো ॥

কাং-ঙ

গা ! গা ! গা !
কাংঙ খোংঙি গা !
হৌনা খোংঙি গা !
কাং-ঙ খোংঙি গা ;
মশা ইচাউ চাউই !
মঙক ইশাং শাংই !
ইঙৌ-ইঙৌ ঙৌই ;
ইফ-ইফ ফজৈ।
নোম্না-নোম্না চৎলি ;
তপ্পা-তপ্পা চৎলি।
হৌনা-হৌনা খোংঙি ;
কাং-ঙ খোংঙি গা।

কাঙ্

ঙোং ঙোং খোংহ্নুনা
কাঙ্, নঙ্, পাইরন্নু।
ঐঙোন্দবু চীক্লন্নু ;
ঐদি ইমাগা তূম্নগে।
ঐদি তূম্বা থেঙ্লনি।
কাঙ্, নঙ্, পাইরন্নু ;
ঐঙোন্দবু চীক্লন্নু ;
ঐদি ইমাগা তূম্নগে।

উতিন

উতিন ময়াম লাক্লে ;
শম্নহ্না লাক্লে :
পরেং পরেং লাক্লে ।
তিং তিং খোংতুনা
উতিন ময়াম লাক্লে !
পরেং পরেং লাক্লে !
মুশীল মুবা উতিন,
মচীন তুম্বা উতিন,
মমৈ তেনবা উতিন,
পরেং পরেং লাক্লে !
শম্নতুনা লাক্লে !
উতিন ময়াম লাক্লে ॥

উচি

ইবোক উচি অমুবী !
নহাক কদাই চৎলুরে ;
নহাক কদাই চৎলুরে ?
"নবোক্তিনে ইশুশা !
লৌবু খাওরুই লৌবুক্তা ;
চহী অমা চানবা,
ফৌবু য়েরুই লৌবুক্তা ।
লৌবুক্তা কোৎ শেমতুনা,
ফৌনা বীক-বীক-হাপহৌরে,
চহী অমা চানবা,
ফৌনা চীংদুম পৈহৌরে ॥

ককুচেং

ককুচেং পরেং চৎলিবা
মমায় মমায় ওনশিন্নে।
কন্না অমুক চেল্লগা
চপ অমুক লেপ্লিদো।
মকোক অমুক থাঙৎলা,
কোয়েং অমুক য়েংলিদো।
নোঙ্গীংদরা য়েংউনে!
য়েংউ চে-চে য়েংউনে!
মখোয় ময়াম চঙ্‌হুনা
মচীঙ্গাকপু পুরিবা,
নোঙ্গীংদরা য়েংউনে!
য়েংউ চে-চে য়েংউনে!

হারৌ

চিক্ক! চিক! চিক!
চিক চিক খোংলিবা,
নমিং হারৌ কৌই হায়;
ইমানবু ঐঙোন্দা।
হারৌ নঙবু কদায়নো?
অমুক্তদি উনিংই;
ঐগী মোঙদা থোরকউ।
ঐগা পুন্না শান্নসি॥

চরাং

চরাং ! চরাং ! কোকচাউবী !
লাওর নমীৎ পাঙ্‌তুনা
লংল’ নশা ফন্দূনা
কোয়না কোয়না প্যাইবদি
নপাং কনা য়েংবরা ;
হৈবু লৈবু থিবরা ?
চরাং ! চরাং ! কোকচাউবী !
ঐস্থু নতুং ইল্লক্কে।
হৈকোল কয়া চঙ্‌তুনা,
হাউর উহৈ চাজগে।
লৈকোল কয়া চঙ্‌তুনা,
ঐদি লৈনম নমজগে
চরাং চরাং কোকচাউবী
ঐস্থু নতুং ইল্লক্কে।
ঐস্থু নতুং ইল্লক্কে।

চুম

য়েংউ ! য়েংউ ! বেবেচা !
চুম অমা কারিসে !
ফক্লাং সিদা নপ্পীসে !
লৈরে অমো আঃ দস্থু !
মথক্তবু নপ্পগা,
জিরি জিরি চৎলিসে !
মমৈ ইশাং শাংইকো !
মচীন ইতুম তুম্মীকো !
মখোঙ মরি পাল্লিকো !
মচু-ইৱাউ ৱাউইকো !
মবূক ইপাক পাকইকো !
মবূক ইশাং শাংইকো !
মখোঙ, মচা মরিনা
ফক্লাংদবু নপ্পিসে
য়েংউ কৈস্থু তারক্তে ॥

উতুবী

উঃ উঃ উঃ
উচেক মচা উতুবী !
চিনঃ চিনঃ চিনঃ
নচীন মচা তোন্দুম্বী !
তোক-তোক-শুতুনা
উদা মখুন হুৎপদি
চোকথদরা নহাকপো ;
চোকথদরা নহাকপো ॥

শেম্বাং

ফ্রৎ ! ফ্রৎ ! ফ্রৎ !
শেম্বাং অনী ফ্রৎ !
ঐখোই' য়ুমগী ফমথক্তা
পাইশিল্লকই শ্রৎ !
মচীন্নবু উমহুনা
নুমিৎ খুদীং পুরকপা
লৈবাক্তনা ফমথক্তা
মহুম শারে শৎ !
মহুমহুগী-মনুংদা
মরূম্বুদি কোক্লগা
মচা ওল্ল মতমদা
পাইথোকখরে ফ্রৎ ।

চীংয়া

লাকও ! লাকও ! মরুপশা !
চীংখোঙ, চীংয়া কোয়রুসি ।
ঐখোয় পূন্না চৎলুসি ;
উহৈ ৱাহৈ চারুসি ।
উচেক পাইবা য়েংলুসি ;
উঃ আঃ লাউরুসি ;
মখোয়' মতৌ তম্মুসি ॥

রায়খু

রায়খু নঙ্বু তাবরা !
নঙ্গী নশা অসিবু,
নুঙ্না শাবা মাল্লিদো !
নঙ্গী নবূক অসিনা,
লংত্রিক লংত্রিক লংঙিদো !
মিংশেন্দৌনা লংঙিদো !
নমীৎ অনী থিন্দোক্ল’
কোয়না করি য়েংঙিনো ?
নখুৎ কাজপ লামহুনা,
করি ফাগে হায়রিনো ?
নখোঙ্ তরূক লেপ্তুনা
ফৈনা ফৈনা চৎলিবা
করি লমবু য়োঁদোইনো ?

শামু

ইপু শামু অমুবা !
চাও লফু, পীজগে।
কোয়না ঐবু পুবিয়ু ;
কোয়না ঐবু পুবিয়ু !
চৎসি, চৎসি, ইশু লাউ !
ঐবু লফু পীজবা
ঐবু নঙ্না তোংদনা
কনানদি তোংগনি।

উরেং কোন্থৌ

কোক-ক্র রু রু কোক
কোক কু-রু-রু কোক
উরেং কোন্থৌ কোক !
নশা পুন্বা ইমু-মু !
নথাবুদি ইঙৌ ঙৌ !
নখোঙ্‌ অশাংবত্থনা
নাপী মরকঅশোঙবা
কান-কান্ন চৎপদি
চৈ পায়বা নুপাশিং
নঙবু ফাবা লাক্লে হৈ !
ফাবিথনি চেলহৌরো ।

উরোক

আঃ তুঃ আঃ দ পাইরে !
উরোক পরেং-পরেং পাইরে !
ঙৌরোক ঙৌই লংত্রিক লংই ;
ৰাংনা পাইরি পিশক পিকই,
মঙক শাংনা-শাংনা পাইরি ;
মখোঙ্‌ কোন-ন-কোন-ন পাইরি ;
মশা খপ্ন-খপ্ন পাইরি ;
য়ঙ-য়ঙ লাউনা য়াঙনা পাইরি ।

কুরাক

সে ! সে ! কুরাকসে !
কোয়পাই কোয়পাই পাইরে সে !
মশা ক্র-ফ্র খল্লিসে !
য়াল্লা ফজে মখোয়সে !
তূ-তু তোংঙে-তূ !
লৈদা খরা তোংঙে-তূ !
লৈবু মাল্লি য়েংঙ্-তূ !
ইরাং ইরাং লাংঙি-তূ !
ফৎ-ফৎ পাইখরে !
অঙৌবস্থ পাইখরে !
অঙাঙ্বস্থ পাইখরে !
অরাংবস্থ পাইখরে ।।

ঐগী ঈশৈ

আঃ চীংদা উ হৌই ;
ইশং ইশং শংই ।
আঃ পাৎতা ঈশিং লৈ ;
ইরং ইরং লংই
আঃ থক্তা লৈচিল পাইরি ;
ইঙৌ ইঙৌ-ঙৌই ।
আঃ লোক্তা ইশিং চেল্লি ;
ত্রোং-ত্রোং লাউরি ।

চামিন্নবা

তে-তে তেনরা ;
হৈনৌ অমুন' অমত্তা
থাদরকউ ঐঙোন্দা
ঐদি পাই'স্থু ঙমদেদো
উ-কাস্থু হৈতেদো ।
নঙ্না অমা হেল্লুগা
থাদরকউ ঐঙোন্দা ।
তংখায়বুদি খায়রগা
চামিন্নগে ইচেগা ;
চামিন্নগে ইচেগা ।

নুমিৎলৈ

নুমিৎনা থোকপা খূদিংগী
নুমিত্তদা ওনশীনবী !
নুমিত্তৌনা কোয়বী লৈ !
লৈ নঙ্গী নমিংদি
নুমিৎলৈবু কৌইদো ;
ফজৈ ফজৈ নুমিৎলৈ ।
নুমিৎনদি তাথ্রগা
নঙ্স্থু নমায় লুকথৈদো ।

ক্বাক

ক্বাক ! ক্বাক ! ক্বাক !
করি পাউনো ক্বাক !
নঙ্‌না 'ক্বাক' খোংলগা
নোংবু ঙাল্লে খঙ্‌নৈদো ।
নঙ্‌না 'ক্বাক' খোংলগা
ঐদি য়াহৌ ঙল্লিদো ।
নঙ্‌না নুমিৎ খুদীংগী ;
নোংঙাল্লকপা মতমদা,
'ক্বাক' 'ক্বাক' খোংতুনা
ঐবু হৌদোকপিয়ুকো ।।

মোদোল্লৈ

মোদোল্লৈ ! মোদোল্লৈ !
পূম্না পূম্না শাৎপী-লৈ !
মপূম চিল্লে চাউমল্লি,
তংখায় চিল্লে পীকমল্লি ।
অশং' মনা মরক্তা
লূকথ-লূকথ শাৎলিদো !
ফজৈ-ফজৈ মোদোল্লৈ ;
মোদোলৈনা মোদোল্লৈ ।

য়োংগা গ্লাসকা

নোংম'ই নুমিৎ অমদা
য়োং মচা অমনা
সুম সুম লাকপদা
মীগী চাকখুম চঙ্ঙুরে।
য়োং মচা অহুনা
মীগী মতৌ তমহুনা,
ঈশিং থকখি গ্লাসতা ;
চাক চাখি চামসনা।
গ্লাসতা শঙ্গোম হৈরগা
চামসনা ক্রো ক্রো ওৎপদা
ক্রেং ক্রেং লাউরকপা
য়োংনাউ মচা খংখরে।
লীক্লি গ্লাস অমদি
মমৈনা থোক থেংবদা
তাখিহুনা মখাদা
পুমতোই তোইনা কায়খরে।
অমুক হন্না খংহুনা
য়োংনাউ মচা চেনখরে।

ঙাচক

ঙাচক ! ঙাচক ঙাচক !
ঙাচক ময়াম য়েংঙু তূ !
ঙাচক মচা কোকচাউবী
ইরোইরিসে য়েংউ তূ !
মুশীল মুশীল মুহুনা
শান্নরিসে য়েংউ তূ !
মামানবু হায়রিবা
খোংবান্দস্তু ঙাচক লৈ ।
পূত্রিদস্তু ঙাচক লৈ ।
ঙাচক্কবু চাউরগা
মমৈ অনী লোঙঙকই ;
হঙোই মচা ওল্লকই ।

উ

উ হৌরি মউ চাউই ।
মউ চাউই মশা পাল্লি ।
মশা পাল্লি মনা পুংই ।
মনা পুংই ইশং শংই ।
ইশং শংই ইফল ফল্লি ।
ইফল ফল্লি উরুম লাংই ।
উরুম লাংই উচেক তোংই ।
উচেক তোংই ফৎ পাইখি ।

উমাইবী

হা উচেক উমাইবী
নঙ্না পাইবা উরগা
ঐস্নু নঙ্গুম পাইনীংই।
রাংনা রাংনা পাইরগা
থাগী লৈবাক য়ৌনিংই।
থাগী লৈবাক য়ৌরগা
কে-কু লোৎপী শান্নগে।
হা উচেক উমাইবী!
ঐশু নঙ্গুম পাইনিংই;
ঐশু নঙ্গুম পাইনিংই।

য়োং

মহাবলি উমংদা
য়োং অমা লৈরম্মী।
উ কাবা য়াম্না হৈ।
ফন ফন চোংঙগা
থক থক উথক্তা
হেক্তা কাখি মহাক্তি।
মাগী মচা পীশক্তো
মাগী মবূক অহুদা
কোলহল্লগা কাখৎলি;
উথক্তবু চোংখৎখি॥

লৈকোন্দা চৎপা

লৈকোন্দবু চৎসিনে ;
লৈবু হেকপা চৎসিনে।
য়েংউ আ:দ লৈরেসে !
লৈ ময়াম শাৎলেসে !
মচু মখল কয়ানি ;
অঙাঙ্‌বা, অঙৌবা, হঙ্গামপান।
লৈবু ময়াম হেকলুসি ;
ফজ ফজ হেকলুসি ॥

অয়েকপা কৈ

হো কৈ ও ! অয়েকপা !
নঙ্‌বু ঐনা কিবিদে।
নঙ্‌বু ঐনা ঙমনিদো।
কৈ, কৈ ও ! অয়েকপা !
নমীৎ লাওনা পাঙ্‌ল'স্থু,
নয়া লাওনা কার'স্থু,
নঙ্‌বু ঐনা কিবিদে।
হৌদোং মানবা কৈ।
নঙ্‌দি ঐনা ঙম্নিদো ;
নঙ্‌বু ঐনা কিবিদে ॥

কৈবুল লমজাউগী শংঙাই

পাবুংনা পুবী নহাল ঐ ;
লোক্তাক য়েংবা চংলুই ।
কৈবুল লমজাউ হায়বা
মফমদুস্সু য়োৌরকই ।
লোক্তাক্ত' হি তোংলকই ;
কৈবুল লমজাউ য়োৌরকই ।
শংঙাই কোৌবী চীরোংবী
ফুমদা চোংবা উরকই ।
শংঙাইনা ফুমদা জগোই শাই ;
ঐনা হিদা জগোই শাই ।

শম্বল্লৈ

শম্বন্দা হৌই শম্বল্লৈ ;
শম্বন খানৈ শম্বল্লৈ ।
মপান শাংলি শম্বল্লৈ ;
মহয় পাল্লি শম্বল্লৈ ।
মনা পিকতক পিকতক,
মহয় ঙাংতক ঙাংতক
তিংখং পানবী শম্বল্লৈ
ফজে ফজে শম্বল্লৈ ॥

য়োং

ইমা ! ইমা ! হো ইমা !
ঐবু পো নঙ্গন্দা ;

কাখৎলুনে উতোন্দা ;
য়োং মপীনা কাবগুম ।

ফমগে ঐস্থু উশাদা ;
চাগে হৈনৌ অমুনবা ।

য়োংনাউ মচানা চাবগুম ।
লৈবাক্ত কেনবা হৈনৌদি
হাউতে পামদে লৈখোম তৈ ।

হেক্কে অমুন অমুনবা ;
অহাউবতা খন্দুনা ।

চাগে য়োংনাউ মচাগুম ।
ঐবু পো নঙ্গন্দা ;
কাখৎলুনে উতোন্দা ।।

চৈরাউবা

লাক্লে লাক্লে চৈরাউবা
ঐখোয় লোয়না হরাউরে।
চাক্কী থাফম শেম্লসি ;
লৈ-না কোয়না য়ুংলসি।
ইমানা চাক থোংলনি ;
ইনশাং মথেল হাপ্পনি।
চাকপু য়ান্না চারনি ;
ফি অহনবা শেৎলনি
চৈরাউ চীংবু কারনি ;
লাই খুরুম্বা চৎলনি।।

পরেং পরেং

উচেক পরেং পরেং পাইরে।
উজাউ পরেং পরেং হৌরে।
ফিনা পরেং পরেং ফৌরে।
গাড়ী পরেং পরেং থৌরে।
লৈনা পরেং পরেং শাৎলে।
থাংমৈ পরেং পরেং থাল্লে।
মীনা পরেং পরেং ফল্লে।
ঐখোয় পরেং পরেং ফল্লে।

উরিৎ

হা উরিৎ তিৎনাউবী
নঙ্না তিৎ-তিৎ খোংহ্না
নহুম নকোন শাবদি
হৈখরেবো ওম্বোক্লা !
কোকথক্তবু তিংলিবা
শাংদ্রোং শাংবা তারাদা
নাপী ময়াম পুখৎল
নঙ্না নহুম শারিবা
ঐস্মু শাবা হৈনিংই ;
ঐবু খরা তম্বিয়ু ।।

উরী

উদা য়েৎলী উরী ।
মনা পাল্লি উরী ।
মরী চৎলি উরী ।
ৱাদা য়েৎলি উরী ।
লৈ-ন লৈ-ন উরী ।
কায় ৱাংনা উরী ।
শম্বন্দা য়েৎলি উরী ।
শাংনা চৎলি উরী ।
উদা য়েৎলী উরী ;
মনা পাল্লি উরী ।

হঙোই

গো ! গো ! গো !
গোগো ! গোগো ! গো !

গোগো খোংবা হঙোই ও !
ঈশিংদস্থু লৈদো ;

ইরোইবস্থু হৈদো ।
গোগো ! গোগো ! গো !

গোগো খোংবা হঙোই ও !
চৎখিগনু পূখ্রিদা ।

হৈতে ঐদি ইরোইবা ;
গোগো খোংবা হঙোই ও !

নঙ্‌গুম মাঙ্‌জোং চোংগে ঐ ;
নঙ্‌গুম ফমজোং চোংগে ঐ ।

গো ! গো ! গো !
গোগো ! গোগো ! গো !

য়াউশঙ

আবের আবের মায়দা আবের !
তৈরে তৈরে ! পুমতৈ তৈরে !
নোক্লে নোক্লে ! য়া-য়া নোক্লে !
চেল্লে চেল্লে ! কোয়চেন চেল্লে।
নাপু, নাপু, নাপু, মচু
ঙাংশঙ, ঙাঙবা, শংত্রিক শংবা,
কাপ্লে কাপ্লে মহী কাপ্লে !
চোৎলে চোৎলে পুমচোৎ চোৎলে !
ফুরীৎ খোঙগ্রাউ, ফনেক ফিরোল,
পুমতৈ তৈরে পুম্লাং লাংঙে।
ইমানা হায়, "য়াউশঙ লাক্লে"।
পাবুংনা হায়, "হোলি হৌরে"।

নাহুৎপা

মনা হুৎলে ঙরাংদো ;
ঐখোই বোয়াই' মনাসে।
নাদ সনা য়াল্লেদো ;
মরু ইকোক কোক্লেসে।
মীবু য়াম্না লাকইদো ;
ঈশৈকাস্তু শকইদো।
মীনা পুঙ য়ৈদো
চোং-চোংঙ য়ৈদো।
হুরু হুরু লৈদো
য়েংবা য়াম' নুংঙাইদো।

জূ

বাবানে ঐনে ইমানে

জূ য়েংবা চৎমিন্নে !

কৈ, নোংশা, লমঙক, শঙম,

ময়াম-ময়াম উরকই

য়োংনা উবু কাহৌই ;

থেব থেঙ্গু লৈহৌই !

শজি, শঙাই চেলহৌই ;

উচেক ময়াম লৈহৌই।

ঙান্নু, খুন্নু, লমখুন্নু,

শেম্বাং, শেন্দ্রাং, তেনব্রা,

ময়াম ময়াম লৈহৌই ;

মখল-মখল লৈহৌই ॥

থরো

থরো ! থরো ! থরো !

ঈশিংদা হৌবা থরো !

থরো শাৎলি শাৎলি

থরো ফজৈ ফজৈ

থরো পাম্মী পাম্মী

ইমা থরো হেকউ ॥

চৈরাউবগী পোৎ থিনবা

ইমানা খুদৈ লৈরক্লে।
হঙ্গাম মপাল মচুগী
খুদৈ অমা লৈরক্লে ;
কৈথেল্দগী লৈরক্লে।
পুপুদবু পীদোইনি ;
চৈরাউবগী কত্তোইনি।
চাক চাবা লোইরগা
পুপু হোইদা চল্লোইনি।
ইমাই মতুং ইল্লগা
ঐস্‌ু চৎপা য়াওদোইনি।
খুদৈ অহ পুপু দা
খুরুম্লগা পীদোইনি ।।

লৌ খোইবা

ইপানা লৌ খোইরি !
য়েম্পাক অমা তূপলি ।
অর-অর হায়রি ;
তি-তি তিতি লাউরি।
শমোক লাবা অনীনা ;
মঙক ফেৎ ফেৎ হায়রি।
জোরো জোরো চিংলি ;
লাঙ্গোন কন্না চিংলি।
মমৈ ফেৎ ফেৎ হাইরি ;
লৈখোম ইতৈ তৈরি ।।

তন্দন

কুফেৎ কাফেৎ ! কুফেৎ ! কাফেৎ !
কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লিবা
তন্দন নঙ্‌বু অপিশক !
নঙ্‌না কোয়পাই পাইবদি
অমম্বদা থিবদি
কনাবুনো থিরিবা ?
করিবুনো য়েংলিবা ?
নতা ঐশু খঙনীংই ,
অমুক্তদি খুল্লম্মু ;
অমুক্তদি তাক্লম্মু ।
কুফেৎ কাফেৎ ! কুফেৎ কাফেৎ !
কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লিবা !
তন্দন নঙ্‌বু অপিশক !

চীং

"কৈনো বাবা আঃ দৈ সে !
কৈনো বাবা আঃ দৈ সে !
ইব্রাং ব্রাংনা উরিবা !
ইশং শংনা উরিবা !"
"চীংনি নাউচা চীংনি ।
চীং হায়'থু অসিনি ।
উ হৌই ব্রা হৌই ;
শা উচেক য়াম্না লৈ ;
চীং হায়'থু অসিনি ।

শংঙাই

শংঙাই ! শংঙাই ! শংঙাই ও !
শংঙাই কৌবী চীরোঙ্‌বী !
শংঙাই কৌবী ফজবী !
মীনা কোয়থি থিনরে ;
নঙ্‌দি 'সিদা লোৎলম্মী ;
নঙ্‌দি 'সিদা লৈরম্মী ।
ফুমদি মরক অসিদা
নঙ্‌গী নয়ুম ওইহুনা
লৈবসিবু মুংঙাইবোই !
লৈয়ু লৈয়ু শংঙাই ও !
মুংঙাইনবু লৈরম্মু ;
নৌর' হানৌ পুরকে ।

খাগী লৈহাউ

মনা শাংতক তৌই ;
মশা মরোঙ মরোঙঙি ;
উ-দৌনা হৌই ;
খাগী লৈহাউ হৌই ।
খাগী লৈহাউ শাংলি ;
মতাই ঙৌতক তৌই ।
ময়ায় নাপু-চেল্লি ;
লৈহাউগুম্না-শাংলি ।

হৌগৎলো

মোচা মোচা হৌগৎলো !
নমীৎ নমায় তাথোক্লো !
নফি নরোল শেৎচিল্লো ;
লমজেন চেনসি চেল্লুসি ।
হল্লক্লগা চারসি ;
তল শঙ্গোম চারসি ।
টেবল য়েকপা তম্মসি ;
উপু য়েকপা তম্মসি ;
য়ুম্বু য়েকপা তম্মসি ;
মোচা মোচা হৌগৎলো ।

উ

উ ! উ ! উ !
মায়কৈ খূদিং উ !
মশা লোঙবা উ !
মনা পূংবা উ !
লৈ শাৎপা উ !
মহয় পানবা উ !
ঐখোয় বাবা' হায়রিবা
উ য়াম্না থারদি
থুংশিৎ য়াম্না শেংই ;
হকচাং য়াম্না ফৈ ।

শেন্দ্রাং

চ্রিক ! চ্রিক চ্রিক !
চ্রিক ! চ্রিক ! চ্রিক !
হো শেন্দ্রাং চ্রিক চ্রিকপী !
করি ৱাবু তান্নরি ?
নখোয় নশেন চ্রিক চ্রিক !
ফৌ ফৌবা ফৌরাদা
নখোয় ময়াম পাইথরক
ফৌ খুল্লি তুক তুক-তুক !
ইমা লাকএ কমদৌনি !
ফৌ লোক্কে থোরক্কে !
শেন্দ্রাং ময়াম শ্বাঃ ।।

থা

থা থা থোরক্লো ;
থোরক্লোনে থোরক্লো ।
থা নঙ্গী থাবন্দা
ঐখোয় থাবল চোংগেনে ।
লৈচিলনদি খনথ্রগা
নঙ্গী নঙাল লৈরোইদো
থাবল চোংবা উরোইদো ।।
থোরক্লোনে থোরক্লো ।

ঐগী ইচন মেম্মী

তপ্না তপ্না য়েকউ ;
                    য়েরুম মান্না য়েকউ ।
হৈত্রা য়েংগে য়েকউ ;
                    থুংনা কাঙ্গ্রু পায়য়ু ।
সিলেট পায়য়ু মেম্মী ।
                    তো তো হৈরেদনা !
অতুম হায়না পায়দৌনি !
                    কাঙগ্রু পায়বা হৈরে ।
মথং অমুক য়েকউ ;
                    য়েরুম মান্না য়েকউ ।
হৈরে হৈরে মেম্মী !
                    লাই য়েকপা হৈরে ।।

নোবাব

য়েংউ ইমা য়েংউ !
                    বোলবু য়ান্না পাল্লেনে ।
অমখক্তা হেকপিয়ু ;
                    কাও কাও'ন শান্নগে ।
নক্তে বোবো ! নতেদো !
                    বোল নক্তে নোবাবনি ।
চাবা য়াবা হৈনিদো ;
                    মশুং মশুং পানবনি ।
উ'নি মকু খোক্লগা ঃ
                    শংলিঙৈদা শীনবনি ।
মুল্লগনা হাউবনি ।

বড়দিন

য়ুমথোঙ, য়ুমথোং খূদিংদা
চেবোন য়াম্না থেৎলেদো ;
খৃষ্টমাস ওইরেদা ;
বড়দিনবু হৌরেদো ।
ঐস্সু ফিরোন শেৎত্তুনা;
বাবা' লোয়ন চৎকনি ;
হেলেন খোয়দা কোয়রুনি ;
অচাপোৎস্সু চারুনি ।
মখোয় ময়াম লোয়ননা
শান্নবস্সু য়াওরুনি ।
লাইশঙ কাবা চৎলুনি ;
ঈশৈ শকপা য়াওরুনি ।

ষন অমস্থং হূঈ

কোন্থোঙ, ইহাং হাংলে ।
ইংখোল' ষন চঙলে ।
হূইনা গৌ গৌ খোংলে ।
চেন চেন্দূনা তাল্লে ।
যন কিবনা নীক্লে !
মমৈ থাঙ্গৎ চেনখ্রে ।

লাই য়েক্কে ঐ

পাবা ! পাবা ! পাবা !
কৈ পীগে নঙোন্দা।
ইমা ! ইমা ! ইমা !
শামু পীগে নঙোন্দা।
ইচে ! ইচে ! ইচে !
য়োং পীগে নঙোন্দা।
চে কলম পেন্সিল
কদায়, পীয়ু, ঐঙোন্দা।
লাই য়েক্কে ঐ ;
লাই য়েক্কে ঐ ॥

লৈহাউ

শাৎলে লৈহাউ ইচে !
ফজরবা লৈহাউ !
ফজরবা লৈহাউ।
ফজদরা য়েংঙুনে !
ইমাদবু য়েংহনসি ;
বাবাদবু য়েংহনসি ;
শাৎলে লৈহাউ ইচে।

কবোকঙ

“ঈশিংদা কৈনো তাউরিসে
লৈবু য়াম্না শাৎলিবা
মনা কোইরপ কোয়রিবা
কৈনো দাদা অসিবো ?”
অসিবুরা নাউনাউচা ?

কবোকঙ্‌বু কৌবনি ;
থাঙ্গৎলগা য়েংসিতো !
মরা জোম জোম লাউইতো !
মী’ মকোই-মাল্লি-তো !
মবুক কংবী কবোকঙ,

ঈশিংদবু হৌবনি ;
তাউরগবু হৌবনি ।
মনা ইথা থারিবা,
মরাং মরাং শাৎলিবা,
কবোকঙ, মপাল কৌবনি ।

অ আ ই ঈ

অ লু অলু, অলু তাল্লি বাবা।
আ নোক আনোক, আনোক উপ্পী বাবা।
ই মা ইমা, ইমা অলু খোকই।
ঈ শিং ঈশিং, ঈশিংদা অলু চাম্মী।
উ য়ান উয়ান, উয়ান্দা অলু ফুৎলি।
ঊ তিন ঊতিন, ঊতিন চাকখুম চঙই।
স্লুম স্লুম ৯৯, স্লুম ৯ স্লুম,
এ এ এ, এনশাং থোংবা লোইরে।
ঐ খোয় ঐখোয়, ঐখোয় ময়াম চারে।
ও জা ওজা, য়ুমগী ওজা লাক্লে।
ঔ ঔ ঔ, লাইরীক ঔরাইরো হায়রে
অং অং অং, ওজানা হায়বা ইল্লে।

কুন্দালৈ

কুন্দালৈ ও! কুন্দালৈ!
নঙনা সিদা হৌবদি
থারম্বনো কনানা!
শাংতক শাংতক তৌইদো;
তঙাং তঙাং শাৎলিদো;
ফজেদকো কুন্দালৈ।
কুন্দালৈ ও! কুন্দালৈ!
নঙনা সিদা হৌবদি
থারম্বনো কনানা!

নীংঙোল চাক্কৌবা

য়েংউ মেমে য়েংউ তো !
মী ময়াম চৎলিসে !

গাড়ী ময়াম থৌরিসে !
নখোয় নেনে লাকওইদ্রা ?

ঐখোয়' নেনে লাক্কনি ;
বোইনাউবীস্থু লাক্কনি।

নঙ,দি চাক্কৌ' চৎলোইদ্রা ?
ঐদি চাক্কৌ চৎকনি ;

ঐখোয় 'মাগা চৎকনি ;
ফি-গা ফজ' শেৎকনি ;
গাড়ী তোংঙ' চৎকনি ;

বোবোকহোইদা চৎলুনি
চাক কৌবা চৎলুনি ॥

লম-খুন্নু

লমখুন্নু পাইরক্লে ;
খুন্নু মানবী লমখুন্নু ।

উৎ মচু মানবী
খরা খরা লাংবী

লমখুন্নু পাইরক্লে
খুন্নু মানবী-লমখুন্নু ।

লমখুন্নু লাউ ! লাউ !
চেঙ, হৱাই পীজগে ।

লমখুন্নু লাউ ! লাউ !
ঈশিংবুদি পীথক্কে ।

নুতি-নুমিৎ খুদিংগী
ইমানবু পীজগুম

ঐস্সু ঙসি পীজগে ;
নবূক থন্না চারো লাউ ।

স্কুল ইউনিফোম

ঐখোয় ময়াম কারকই ;
ঐখোয় স্কুল কারকই।
লাইরীক খাউ য়ান্দুনা,
মথং মথং কারকই।
খোংগ্রাউ মচু মান্নেদো ;
স্কট মচু মান্নেদো।
ফূরীৎ মচু মান্নেদো ;
খোংউপ মচু মান্নেদো ।
মোজা মচু মান্নেদো ;
পেটি মচু মান্নেদো।
তাই মচু মান্নেদো ;
লূবা-নানবা মান্নেদো ॥

লৈহাউ

সুম সুম চৎলগা
উ অমা হৌইদো।
মনা য়াম্না পাল্লি ;
আঃ য়োনা রাংই।
উতুগী মশাদা
লৈ য়াম্না শাৎলি।
নাপু মচু মাল্লি ;
মনম য়াম্না নুংশি।
লৈতুগী মমিংদি
লৈহাউ হায়না কৌই ॥

হিয়াঙ্ তান্নবা য়েংবা

ইচে ইচে য়েংঙোইবা ।
ঐদি ঙরাং বাবাগা,
হিয়াঙ য়েংবা চংলিদো ।
মীনা কুক কুক ইন্নৈদো
মীনা বীকবীক থল্লিদো ।
হিজাউ অনী তান্নৈদো ।
মী ময়াম্না হোল্লিদো ;
নাকন নাকন অনীদা ।
হেন্ননবা তান্নৈদো
থোইননবা তান্নৈদো ॥

নুমিৎ থোকপা

য়েংসি লাউ ঃ য়েংসি লাউ ঃ
নুমিৎ থোকপা
য়েংসি লাউ ।
তপ্না তপ্না থোকই ! ইঙান ইঙান ঙাল্লি !
কোইরপ কোইরপ কোয় ;
ইঙান ইঙান ঙাল্লি ।
য়েংসি লাউ ঃ য়েংসি লাউ
নুমিৎ থোকপা
য়েংসি লাউ ।

কৃষ্ণজন্ম

বুনো ! বুনো নঙ্দি হয়েং,
কৃষ্ণজন্ম চৎলোইদ্রা ?
ঐদি 'খোয় বাবাগা,
মহা'লিদা চত্তোইনি ।
য়োংগাস্থু য়েংদোইনি ।
খুজি-ফজ-ফজবা
শম্ফাবীগা লৈদোইনি ;
শেম্ফমচা লৈদোইনি ।
শাম্ন পোংকা য়াম থোকত্র
অঙাং ময়াম লৈনৈ হায়য়ে ।

লৈচীলগী মওঙ

অঙৌবা লৈচীল !
নঙ্দি মাল্লি ইমাগী ইন্নফি ।
অশংবা লৈচীল !
নঙ্দি মাল্লি পাবুংগী ফুরীৎ ।
অমুবা লৈচীল !
নঙ্দি মাল্লি ঐহাক্কী পোপী ।
পাইরিবা লৈচীল !
নঙ্দি মাল্লি অমুবা উচেক ।।

অয়ুক নুংথিল

নুমিৎ থোক্লে অঙানবা !
ঙাল্লে ঙাল্লে অঙানবা !
মায়কৈ পুম্বা ঙাল্লিবা !
মীৎনা কোয়না উরিবা ।
ফজবগী মতমনি ;
হরাউবগী মতমনি ।
নুমিৎনদি মথক্তা,
লৈবাক্নদি মখাদা ;
য়েংলু য়েংলু খ্দিংদা,
পূক্লিং হুনা নীংথিদা ।
অরাংবদা কারুসি ;
অকোয়বদা কোয়রুসি ।
শান্নববু চৎলুসি
শান্নববু চৎলুসি
হাঃ হাঃ হাঃ
হাঃ হাঃ হাঃ ।।

হয়েং ইদ নুমিৎনি

মিনা ! মিনা মিনা !
হয়েং ঐখোয়’ লাকউকো ;
চাক চাসি লাকউকো ।

হয়েং ইদ নুমিৎনি
ইনশাং অহাউবা থোংগনি
ঐখোয় অনী-চাসিকো ।

ইমানা চাক থোংগনি ;
ময়াম পুল্লপ চাগনি ;
ইনশাং মথেন য়ামগনি ।

চাক-চাবা তোক্লগা
তোম্বী খোয়দা চৎলুসি ;
শান্নববু হৌরুসি ।

নুংশিৎ

নুংশিৎ নঙ্না তপ্পা শীৎলি ;
উনা-রানা লেঙ্ডি-হাইরি ।
নুংশিৎ নঙ্না তপ্পা শীৎলি ;
উনা-ৰানা লেঙ্ডি হাইরি ॥
ঐঙোন্দসু নঙ্না থেংডি ;
নহাক লাকই হায়বা খঙ্ঙি ।
ঐদি নঙ্গী নশক উদে ;
ঐদি নঙ্বু নশক খঙ্দে ।
করিগীনো উদ্রিবা
করিগীনো লোৎলিবা ॥

খোই চোঙ্গা

ঐখোয় পাত্তা চৎলি ;
বাবা'ই মতুং ইল্লি।
ঙা ফাবা চৎলি ;
হোংবা খন্বা য়াওই।
খোই চোঙ্গা তমই।
ঐখোয় খোইজাক লেংই।
পাত্তা খোই থাই।
ময়াম লোয়না থাই।
তুমিন তুমিন লৈ ;
খোই চিংবা ঙাই।
লাংগোম খোইরী উদ্রে ;
চিংথ্রে চিংথ্রে হায়নৈ।
হাইগৎনখি ফৎ ফৎ ;
ফারে ফারে 'রা' 'রা'।
করি ঙানো হংনৈ ;
কয়া ফারে হংনৈ॥

জগোই শারি ঐখোয়

ঐখোয়' স্কুল মমাঙ্দা
জগোই শারি ঐখোয়না।
ধোন য়ৈরি ওঝানা :
ধোং ধোং ধোং, ধোং ধোং ধোং।
খূবাক খূরি ঐখোয়না ;
প্রোক প্রোক প্রোক, প্রোক প্রোক প্রোক
খোঙ্জি চবুন জিং জাং জিং
খোঙউপ মখোল গপ গপ গপ
খোঙ্থাং খূদিং ফন ফন ফন
ঐখোয় চোংলি ফন ফন
ধোং ধোং ধোং, ধোং ধোং ধোং
প্রোক প্রোক প্রোক, প্রোক প্রোক প্রোক।

ঙা চাবা

বাবা ! বাবা ! য়েংউনে !
ঙা চারে য়েংউনে !
ফজদরা য়েংউনে !
ঙা চারে য়েংউনে !
মশা মমৈ হাইহুনা
অমুক চৎ অমুক লেপ ;
ফজদরা য়েংউনে !
ঙা চারে য়েংউনে !
ঐনা হুনবা কবোকপু
লাক্করিসে য়েংউনে !
ফরৎ-ফরৎ চোক-চাক
য়েংবা য়াম্না নুংঙাইকো।

চিগোংলৈ

পিশক পিশক পীরুবু
মতুম মতুম শাংলিবা !
নাপু মচু'ই চিগোংলৈ !
তিংখং পাল্লি চিগোংলৈ।
মশা মশা'ই মরক্তা
পাল্লি তিংখং চিগোংলৈ।
মনা কূপত্রিক কূপ্পীদো ;
মনম নুংশি চিগোংলৈ।
ইমা ! অসি হেকপিয়ু
চিগোংলৈসে হেকপিয়ু।

উরৈ

খোঙ্গম্মৈলৈ শাংলক্লে ;
উদা নপ্প' শাংলক্লে।
নাপু মচু মান্নবু
চরোং চরোং শাংলক্লে।
নাপু মচু মরক্তা
ময়ায়দবু ঈমু মুই।
খোঙ্গম্মৈলৈ ফজেদো
মনা ঈশাং শাংইদো।
বাবানবু পুরকপা,
আ চীংদ'ই পুরকপা,
খোঙ্গম্মৈলৈ শাংলক্লে ;
চরোং চরোং শাংলক্লে ॥

ঙাশাং

চূপ লুপ্পী ! ফোঙ, ফাওই !
ফ্রঙ, চোংই ! মমৈ হায়রি !
চপ লেপ্পী ! জিরি চেল্লি !
যেংউ মেম্মা যেংউ —
ঙা চারে ঈশিংদা ।
ঈফিং ফিংবা । ইশাং শাংবা !
ইঙৌ ঙৌবা ! ঈশিং' লৈবা !
ঙাশাংনি ঙাশাং ! শিং নানবা ঙাশাং !
উরে ঐস্মু উরে !
ঙাশাং চারে ঈশিংদা ॥

ঙারাকপী

ঙা-লাকপী ঙারাকপী !
ঙাবু লাকপী ঙারাকপী !
লৈরাইদবু লুম্লগা
ঈশিংদবু য়েংলিবা
ঙাবু লাকপা ফংবরা !
নঙনা ঙাবু লাক্ক'দি
ঐস্মু খরা চাগেকো ;
য়েন্নহূনা চাসিকো ॥

য়েংউ থম্বাল শাৎলেনে

থম্বাল শাৎলে য়েংউনে !
পুম্থি থন্না শাৎলেনে।
মনম অসি নম্মুনে
ন্নুংশিদরা য়েংউনে !
অঙৌবগী মরক্তা
অঙাঙবনা শাৎলিবা,
অশাৎপগী মরক্তা
অপোম্বস্সু য়াওরিবা,
মখোক তিংখং পাল্লগা
ইরাং-ৱাংনা শাৎলিবা
ফজদরা য়েংউনে
ন্নুংশিদরা য়েংউনে।

থম্বাল

থম্বাল শাৎলে পৃথ্রীদা !
থম্বাল শাৎলে থম্বাল !
অঙাঙবা, অঙৌবা থম্বাল !
অপোম্বা, অশাৎপা থম্বাল !
মখোক শাংনা-শাংনা শাৎলি ;
ঈশিংদগী থিঙ্গৎলি।
মনা কোরোক কোয়বা পাল্লি ;
ইশং শংই শংই
থম্না হায়না কৌই।
থম্বাল ! থম্বাল ! থম্বাল !
থম্বাল শাৎলে পৃথ্রীদা।

ষন গাড়ী

ষন গাড়ী চৎলি ;
গোদ্রোঙ, গোদ্রোঙ, চৎলি ;
গদ্রক গদ্রক চৎলি ;
ষন গাড়ী চৎলি ।
ষন অনী মাঙদা ।
কাংখোঙ, অনী তুংদা,
পুপু'খক্তা তোংলি ;
খূৎতা চৈ পায়রি ।
অর-তিতি ; অর-তিতি !
ষন গাড়ী থৌরি ।
ষন মঙক শরীক শি ;
কিরিং কিরিং খীংই ।
ষন গাড়ী চৎলি ;
গদ্রক গদ্রক চৎলি ।

নেনে লাকপা

ঙসি নেনে লাকই।
য়াম’ ফজে নেনে!
খূজি য়াম্না শি;
লীকসু য়াম্না শি।
ফনেক ফজ’ শেৎলি;
ফি ফজ’ ইল্লি।
ঙসি নেনে লাকই;
অচাপোৎসু পুরকই।
য়াম্না য়াম্না পুরকই।
ঐখোয় ইমা চায়;
ঐখোয়’ বাবা চায়;
ঐসু য়াম্না চায়।
নেনে লাকপা নুংঙাই;
য়াম্না য়াম্না নুংঙাই।

নোং

লৈচিল ময়াম পাইরক্লে;
অতিয়া পূম্নম মমখ্বরে।
গোরোং গোরোং খোংলক্লে;
নোংনা রা-রা চুরক্লে।
লৌবুক লমহাং অপূম্বা,
ঈশিংনা পূন্নং লংখরে।
চুরকখোনে চুরকখো!
চুরকখোনে নোং!
খরা হেন্না চুরকখো॥

উথম্বাল

উদা শাৎপা উ-থম্বাল !
ঈশিংদা শাৎপা থম্বালগা
নশক ইমান মান্নেদো।
ননা নঙগী য়েংলগা
উগী উনা মাল্লিদো।
লৈকংদবু হৌরগা
উথক্তবু শাৎপনা
উ-থম্বাল কৌইদো।
ফজৈ ফজৈ উ থম্বাল !
ননম নুংশি উ থম্বাল !
উদা শাৎপী উ থম্বাল !

কংফাল ইকাইথবী

মনা পাল্লি কূপ্পা কূপ্পা ;
মপান শাৎলি ঙাঙনা ঙাঙনা।
খিক্তা থেংই উমশিনখি ;
মনা হেক্তা উমশিনখি।
ইকাইগল্লি ইকাইথবী .
মমায় খুম্মী মায়খুম্বীনি।
অমা থেংঙুই উমশিনখি ;
অনী থেংঙুই উমশিনখি।
অহুম থেংঙুই উমশিনখি।
মথং মথং লোইনবু,
উমশিনখরে ইকাইথবী !
তিংখং পানবী ইকাইথবী ॥

রা

রা শাংই মতাং পাল্লি।
মতাং মতাং মমীৎ পাল্লি।
মতাং মতাং মশা পাল্লি।
মনাশিংদো ইশাং শাংই।
রা শাংই মতোন কোন্থে
রা শাংই ঈশং শংই।
বাবা' হায়, "রাদি কান্নে;
য়ুম শারে রা চঙ্ই;
ফক্লাং খারে রা চঙ্ই।
রা ময়াম হৌফম্নু
রাপল হায়না কৌই।

স্কুল কারকপা

ঐনা স্কুল কাবদা
লম্বীদা 'স্নুম লাকপদা
থোংগাস্থু লাল্লকই;
তুকান পরেং লৈহৌই।
মী ময়াম চৎহৌই;
গাড়ীগাস্থু চৎহৌই।
লম্পাক্কাস্থু লৈহৌই;
যন শজীক চাহৌই।
ঙৌরোক ঙৌবা ফজবা
দোলান কাস্থু লৈহৌই।
উ ময়াম হৌহৌই;
য়ূম ময়াম লৈহৌই
খুটি পোষ্ট য়ুংহৌই
স্কুল-কাস্থু লৈহৌই॥

ঈশং

মামা মামা কৈনো 'সে ?
শুমাঙদকা লৈরিবা,
অশং অশং ময়ামসে ;
করি কৌগে অসিবো ?
বেম-বেম অতু ঈশংনি ;
ঈশং হায়না কৌবনি।
নেত্তুনগা চৎলুন্নু ;
য়াম্ন' থীনা নানবনি।
নান্থুত্থুনা তুজনি ;
তুরবদি শোকচনি।
নহান নহোই নেনেস্নু
ঈশিং পুর' লাকপদা
বোম লাউনা তুবদো—
চৎচরুন্নু তুজনি।

লেন

গ্রোং ! গ্রোং ! গ্রোং !
ঙংঙে ঙংঙে ঙংঙে !
অতিয়াদা ঙংঙে !
ও ! ও ! ও !
তারে তারে লেন !
মতুম মতুম লেন !
বা ! বা ! বা !
করম্মাইনা নখোয় !
তারকইবা লেন !
এঃ এঃ এঃ
মহী চেল্লে লেন !
ঈশিং ওল্লে লেন !

আতর গুলাপ

লাউ ! লাউ ! চৎসি লাউ !
ঙসি ঐখোয় লৈকোন্দা
কোয়রুরসি লাউ।
মচু মখল মখলগী
কুরাক পাইবা য়েংঙুসি।
মচু মখল মখলগী
গুলাব শাৎপা য়েংঙুসি ;
লাউ ! লাউ ! চৎসি লাউ !
ঙসি ঐখোয় লৈকোন্দা
কোয়রুসি লাউ ॥

শেকপী

মামা ! মামা ! অসি কৈনো ?
আঃ দ উদা পরেং পরেং
মতুম মতুম য়াল্লিসিবো !
শেকপী কৌই অসি অমো !
উশাদবু মখোঙনা কোৎ
তুম্লিবনি মখোয় অসে।
অহিং খুদিং চিঞ্জাক থিরুই ;
নোংঙাল্লমদাই হঞ্জিল্লকই।
অয়ুক-নুংথিল সুমাইশন তুম্মী,
শেকপী কৌই অসে অমো।

থরোই

থরোই ! থরোই ! থরোই !
শরুনা কুপ্পা থরোই !
নমীৎ পানস্থু উদেদো ;
নখোঙ, পানস্থু উদেদো !
থরোই ! থরোই ! থরোই !
শরুনা কুপ্পা থরোই !
নমায়নবু শৃৎ শৃৎ,
নকোইনবু ফ্রিং ফ্রিং,
নঙ,দি হেক্তা চৎলম্মী ;
উদা হেক্তা কারম্মী ।
ঈশিংদস্থু লৈরম্মী ।
পায়রগবু য়েংলদি
নমায় হেক্তা খুম্বজিনখি ।
থরোই ! থরোই ! থরোই !
শরুনা কুপ্পা থরোই !

শেন্দ্রাং মচা

শেন্দ্রাং মচা অমখক
পি পি খোংলদুনা
ফন ফন চোংঙগা
মমা'ই মতুং ইল্লম্মী ।
মচীন মচা পিশক্তু
লাওনা লাওনা কারগা
মশা মচা অনীদু
ফ্র ফ্র খপ্লম্মী ।
শেন্দ্রাং মপী অতুনা
ফৌ মরূ খুল্লগা
ইনবিরম্মী ঙুংশিনা ।
শেন্দ্রাং মচা পিশক্তু
মমা'ই মতৌ তমদুনা
মশা মচা খপ্তুনা
খজিক খজিক পাইরম্মী ।

উচেক

নোংথক্তবু পাইরিবা
উচেক নঙ্বু তাবরা ।
নঙ্গী নশা অপাকপা
পীয়ু ঙাইহাক ঐঙোন্দা ।
নশা অনী নহাক্কী
ঐঙোন্দবু পাল্লগা
থাগী নাক্ত পাইরুগে
মাগা শান্নরুরগে ।
ৰারী কয়া লীহনগে
অমুক তন্না হল্লকে ।
নশা নংগী পীরগে
ৰারী কয়া লীরগে ।

হঙোইমচা

হঙোই মচা ! হঙোই মচা !
নেনে হঙোই মচা !
নুংশিদরা হঙোইমচা,
ফন ফন চোংঙিসে !
নুংশিদরা নেনে !
মখোঙ, পিকক্র পিকক্র পিক,
মবূক তহি তহি কং,
ফন ফন চোংঙতুনা
নোংলক্তবু শান্নরিসে ;
চোংলনিদো মখোয় অসে,
ছাটিন তুপ্পিরুসি, নেনে !
ছাটিন তুপ্পিরুসি ॥

চোংঙা

ইচে চোংঙা পিওরি !

পি-পিয়ুট পিওরি !

করি করি হায়রিনো ;

"পিত্রি পিয়ুট পিওরি"।

চাক লাম্মে হায়রিবা ;

ঈশিং থক্কে হায়রিবা ?

"পি-পিয়ুট পিওরি" !

শান্নরুসি হৌরিবা ;

বোলবু পীয়ু হায়রিবা ?

"পিত্রি পিয়ুট পিওরি" !

তাবা নুংঙাই নরোন্দো।

অমুক্তংগা খোংলকখো।

"পি পিয়ুট পিওরি।

পিত্রি পিয়ুট পিওরি" !

হৈনৌ পাম্বী

ঐখোই' লাইগী লমপাক্তা
হৈনৌ পাম্বী হৌরিদো।
রাম্না রাংই চাউইদো ;
মশা যাম্না প্যাল্লিদো।
মনা যাম্না পুঙ্‌ইদো ;
উচেক যাম্না তোংইদো।
হৈনৌ মপাল-শাৎলকপা
পুঙৌ পুঙৌ-ঙৌইদো।
হৈনৌ মচা পাল্লকপা
শংত্রিক শংত্রিক-শংইদো।
হৈনৌনবু মুল্লকপা
ঙাংশঙ, ঙাংশঙ, ঙাঙ্‌ইদো।

শিরোই লীলী

বাবানদি ঐঙোন্দা
শিরোই চীংদা শাৎলি হায়।
শিরোই লীলী ফজৈ হায়।
অতৈ মফম অমদা,
শিরোই লীলী হৌদে হায় ;
শিরোই চীংদা নত্তনা।
হয়েং ঐনা চাউরগা,
ইমান্নবা কয়াগা,
শিরোই চীংদোল কাত্তুনা,
লীলী য়েংবা চৎকনি ;
লীলী য়েংবা চৎকনি ।।

উচেক অমস্থং হুই হৌদোং

উচেক ময়াম পাইরে ;
ৱাংনা ৱাংনা পাইরে।
মশা ফং ফং খপ্লি ;
ৱাংনা ৱাংনা পাইরি।

উচেক মশা পাল্লি ;
উচেক পাইবা ঙম্মী।

হৌদোঙ, মশা পান্দে ;
হৌদোঙ, পাইবা ঙমদে।
হুইস্থু মশা পান্দে ;
হুইস্থু পাইবা ঙমদে ॥

য়েনাউ অমস্থং হুইনাউ

য়েনবীনা মঙ্কম কোল্লি ;
য়েরুমদ'ই য়েনাউ ওল্লি।
পিকক্রু পিকক্রু পীকই ;
পি পি খোংই।

ঐখোই হুইনাউ লৈ ;
মামা'ই নাক্তা লৈ।
য়েনাউদ'ই চাউবা হেল্লি ;
ক্বেং ক্বেং খোংই।

বাবানা ঐঙোন্দা হায় ;
য়েরুমদ'ই য়েনাউ ওল্লি।
মঙ্কম কোক্তে হুইদি ;
হুইনাউ ওইনা পোকই ॥

পুংদোন

ঐখোয় শুমাঙ, মতাইদা
　　　　পুংদোন পাম্বী হৌইদো ।
মানা মপাল শারকপা
　　　　ঙৌরোক ঙৌরোক ঙৌইদো ।
ময়ায় জোমজোম লাউইদো ;
　　　　মতাই লৈনা পাকইদো ।
মানা মহয় পাল্লগা
　　　　শংত্রিক-শংনা পাল্লিদো ।
মহয় মুল্ল’ মতমদা
　　　　নাপু মচু মাল্লিদো ।
মেৎল পেৎপেৎ লাউইদো
　　　　চাবা য়াম্না-হাউইদো

খোংনাং পাম্বী

উদ’ই চাউবা খোংনাংনি ।
　　　　মনা পুঙবা খোংনাংনি ।
মহৈ য়ানবা খোংনাংনি ।
　　　　মহৈনবু মুল্লগা
উচেকশিংনা হরাউই ।
　　　　নুংশানবু শারগা
উরুম্বুদি লাংহল্লি ।
　　　　নুংশিৎনদি শীৎপদা
মনা ফ্র ফ্র লাউরকই ।
　　　　খোংনাং পাম্বী মখাদা
অঙাং ঐখোয় ময়াম্না
　　　　চেন্না চোংনা শান্নৈদো ।।

কৈথেল

ইমা ’সিবু করিনো ?
মীময়াম লৈরিসে !
য়ুমগা পরেং শারিবা,
পোংকা ময়াম লৈরিবা,
সাইকল, রিক্সো, জিপ, কার
ধুরু ধুরু থৌরিবা !
“সিনি কৈথেল হায়বদো ;
পোৎ য়োনফম লৈফন্নি।
দুকান পরেং পরেংনি ;
পোৎ ময়াম য়োল্লিনি।
নুপী ময়াম ফম্মিসে ;
ইনশাং নাপী য়োল্লিনি ;

লম্বী

হরা গাড়ী তিং—তিং !
একাগাড়ী ক্রিং ক্রিং !
রিক্সো থৌরি পেং—পেং !
তিং—তিং, ক্রিং ক্রিং !
কার থৌরি লম্বীদা।
জিপ থৌরি লম্বীদা।
বস থৌরি লম্বীদা।
সাইকল থৌরি লম্বীদা।
মী চংলি লম্বীদা॥

স্কুল বস

খাল্লে ! খাল্লে বস ! খাল্লে ঐখোয়' বস !
মশা নাল্লি বস ! শংত্রিক শংই বস !
কারে কারে ঐ ; মনুং য়ৌরে ঐ।
কন্দক্তর কাকান', ফম্মু ফম্মু হায়
মোচা, বোচা য়াওরে ; কেবী থোইবী লৈরে ;
শুরে শুরে ঐখোয়, লোইনা তোংলে ঐখোয়,
কন্দক্তর কাকানা হুইস হুইস খোংই;
'খোই ড্রাইভর দাদানা বস তুরু থৌই।
তিং তিং খোংঙি, জর জর চেল্লি ;
খোঙ,নাউদগী অঙ্গৈবা, নুংশিৎ য়াম্না লাকই।
য়ৌরে য়ৌরে স্কুল, য়ৌরে ঐখোয় স্কুল,
কূম্লে কূম্লে কূম্লে ! মরী-মরী কূম্লে।

পাৎ

ঐখোয় মামা' হায়রিবা—
পাত্তি য়াম্না ফজে ;
ঈশিংনা থন্না লৈ।
থরো থম্বাল য়াম্না হৌই ;
থমচেৎ থম্বৌ ফংই ;
থাংজিংগাসু পাল্লি।
ঙাক্রা ঙমু য়াম্না লৈ—
ইনকাসু চিংই
ঙাসু য়াম্না ফায়।
চৎলুসিবা বাবা নঙ,বো—
ঐদি য়াম্না চৎনিংই ;
পাৎ হায়দু য়েংনিংই।

লম্বেল

লম্বেল নঙবু কৈদনো ?
কদাইদগী লাকপনো ?
কদাই য়ৌনা চত্তোইনো ?
কনাগীদমক লৈবনো ?
অমুক্তদি তাক্লম্মু ।
চৎলি মী লেপ্তুনা
থৌরি গাড়ী লেপ্তুনা
চৎলি শা-ষন লেপ্তুনা ।
অহিং নুংথিল নাইদেদো ।
নথক্তবু চৎলিবা
নঙ.দি অয়ো হায়দেদো
নমীৎ শুক্লা য়েংদেদো ॥

থোং

থোং শাই তোর্ব্বান্দা ;
থোং শাই তুরেন্দা ।
য়াম্না য়াম্না চাউই থোং !
য়াম্না য়াম্না শাংই থোং ।
য়াম্না য়াম্না ৱাংই থোং ।
য়ান্না য়াম্না পাকই থোং !
মী য়াম্না লাল্লী থোং !
গাড়ীকাস্থু লাল্লী থোং !
থোং থোং ফজবী !
ঈশিং মথক শারিবী !
ঐস্থু লাল্লী ইমাগা
লাইরীক তম্বা চৎপদা ॥

ঐস্নু স্কুল কাগে

য়েংউ ! য়েংউ মামা !

ময়াম ময়াম চৎলি !

স্কুলদবু কারি ।

বোবো, মোমো, নাউ-নাউ

বেবী, তোম্বী, অবে,

ফি ফজ' শেৎলি ।

মবোক্নবু থিনবী ;

স্কুলদবু কারি ।

ময়াম ময়াম চৎলি ।

ঐস্নু চৎকে মামা;

ফি ফজ' শেৎকে ;

স্কুলদবু কাগে ।

লাইরীক তম্বা চৎকে ;

নঙ, থিল্লো মামা॥

চউম্বা

য়েংউ ! য়েংউ ! য়েংউ !
ঐখোয়' ইচন য়েংউ !
চন্দন থিল্লে য়েংউ !
ফনেক শেৎলে য়েংউ !
খোঙ্জি শিরে য়েংউ !
লীক শিরে য়েংউ !
ফজদরা য়েংউ !
ইমা'না পম্মে য়েংউ
চাক ইল্লে য়েংউ।
চাক চারে য়েংউ।
হরাউ হরাউ চারে।
ইচন চাক চারে।
য়েংউ ! য়েংউ ! য়েংউ !
ঐখোয় ইচন য়েংউ ।।

শঞ্জেন্নহাগী ঈশৈ

ঐখোই' তাচৌগী ঈশৈদি
অসুম হায়না শকপনি —
"অঙৌপানবা লাউনে, লাউনে !
মাঙদা থারো লাউ !
অমুরাবা লাউনে, লাউনে !
নাক্ত চৎলো লাউ !
মঙ্গেবীসু লাউনে ! লাউনে !
তুংদা ইল্লো লাউ !
পুন্না চৎসি লাউনে। লাউনে !
য়ুমদা হনসি লাউ !
লাউনে ! লাউনে ! লাউনে !
লাউনে লাউনে লাউ !।

চাক চানবা

ঙসি চাক চান্ননি ;
ঐখোয়গীদি শঙ্গোয়দা !
ইমানদি থোংগনি ;
চাউবা তোম্বা লাক্কনি।
আলি জোন্সন লাক্কনি।
মেম্মা, মেরী, আমিনা,
মখোয় লোইনা লাক্কনি।
ঙাবু থোংবা চাগনি ;
হৱাই থোংবা চাগনি।
উতী থোংবা চাগনি ;
য়াম্না য়াম্না চাগনি ॥

মশীং থিবা

অমা অনী অহুম
লমজেন শ্বা থারসি।
মরি মঙা তরুক
কনান' হানগে য়েংনসি।
তরেৎ নীপান মাপন
ফীরান আঃ দা য়ুংলি
নীপান মাপন তরা
ফর-ফর হাইরি।
অমা অনী অহুম
লমজেন শ্বা থারসি ।
মরি মঙা তরুক
কনান হেনগে য়েংনসি।
তরেৎ নিপান মাপন
য়ৌবা হানবা তান্নসি
নীপান মাপন তরা
পায়বা হানবা তান্নসি।

দুকান

দুকান পরেং পরেং ফম্লি ;
পোৎ য়াম্না য়াম্না য়োল্লি।
চে, কলম, লাইরীক, মুক
চেঙ, হরাই, থুম, থাউ,
খোঙউপ, খোঙগ্রাউ, ফুরীৎ, ফী,
গিলাস, গমলা, শান্নপোৎ ;
মনা-মশীং অথুম-অহাউ,
উহৈ-ৱাহৈ অচাপোৎ !
মী ময়াম পোৎ লয়
পৈশা পীর পীর লয়
পৈশা পী পোৎ লয় ;
পৈশা লৌই পোৎ য়োল্লি।

নুংশা

নুংশা ! নুংশা ! নুংশা !
য়াম্না শাবা নুংশা !
খাঙবদা ৱাবা নুংশা !
হুমাং থোকপা নুংশা !
শাই ! শাই ! শাই !
নুংশা য়াম্না শাই !
ইমানসু হায় ;
বাবানসু হায় ;
কালেন থানি হায়।
শাই ! শাই ! শাই !
কালেন নুংশা শাই !
শাই ! শাই ! শাই !

চূমথাঙ

“য়েংউ ইমা ’তিয়াদা
লৈই মচু কোন্থরি।
ঙাঙ্‌ঙি, শংঙি নাপুনি ;
ফজ ফজনা য়েক্লি।
“হোয়, ফজৈ মেমচা !
মচুগী শাঙ্‌ল’ ? ফীরালসে ॥
চূমথাঙ হায়না কৌইদো !
মঙ্গ্রা, কোমলা মচুনি ;
নিম, লূপা মচুনি ;
পূন্না মচু তরেৎনি।
মতম খর’ই চুমথাঙ্‌নি ;
চূম্মী ফজৈ মেমচা।”

লোক্তাক

লোক্তাক লোক্তাক নুংশিবী !
পারু চাউনা লৈরিবী !
য়েংবই পেনবা নাইদবী !
নুংশিদকো নহাকসে !
কান্নেদকো নহাকসে !
ঙাগী মখল মখলনি।
উচেক্‌’ মখল মখলনি।
হৈকক-য়েল্লি হৌরিদো ;
থরো থম্বাল-শাৎলিদো ;
থমচেৎ থম্বৌ ফংইদো।

উনা কেনবা

নুংশিৎ ৰু ৰু শীৎলে !

উনা ময়াম কেল্লে !

অকংবা উনা কেল্লে !

উনা ময়াম পাইরে !

ফর-ফর পাইরে !

তপ্পা তপ্পা তারে !

লৈবাক্তবু তারে ।

ঐখোয় ময়াম খূল্লি ;

চেন-চেন্না খূল্লি ।

ইমানদি কৌরকই ;

লাউ লাউ কৌরকই ।

ঐখোয় য়ুমদা চঙ্‌ঙি ;

ইমাই নাক্তা' ফম্মী ।

ঐখোয়' পে-পে খোইদরা !
ঐখোয়' নেনে খোইদরা !

নোম্না নোম্না চৎলিসে !
চেন্না চেন্না চৎলিসে ?

অহিং নুংথিল

নুমিৎ তারে থা থোক্লে ;
থাবন্না পুংঙান ঙাল্লক্লে।
থাবন্নবু ঐঙোন্দা
তুম্মো তুম্মো হায়রক্লে ;
হুম হুম শুম্লক্লে।
নোংঙাল্লে নুমিৎ থোক্লে ;
থোংনাউদা নুংশা চঙ্‌লক্লে।
নুংশানবু ঐঙোন্দা
তপ্পা তপ্পা থেংলরে ;
হৌরো হৌরো হৌদোক্লে ।

এরোপ্লেন

ঙরং ঙরং ঙংলহুনা
পাইরি য়াঙ্‌না এরোপ্লেন।
মকোক ইশাং শাংলহুনা
পাইরি য়াঙ্‌না এরোপ্লেন।
মশা ইফল ফল্লহুনা
পাইরি য়াঙ্‌না এরোপ্লেন।
হৌজিক সিদ ঊরম্বা
কয়া থুনা পাইগ্রবা !
য়াঙ্‌ই য়াঙ্‌ই এরোপ্লেন ;
নুংশিত্তবু পাইরিবা !
উদ্রবসু মশক্তি
মখোলহৃদি তাহৌরি ।

লৈ অমস্থং য়েনাউ

লৈ য়েনাউ অনী লৈ।
পিকক্রু পিকক্রু পীক্লম্বা লৈ,
য়াম্না রাংলে ঙসিদি লৈ।
মনাস্থু পাল্লে ঙসিদি লৈ।
য়েরুমদই ওনবা ঐখোই য়েনাউ,
পিকক্রু পিকক্রু পীক্লম্বা য়েনাউ,
কোয়চং চংলে ঙসিদি য়েনাউ,
পিপি পিপি খোংলে য়েনাউ।
লৈদি ঙমদে চংপা হৈনা
খোংবস্থু ঙমদে পিপি পিপি
য়েনাউদি ঙমই কোয়চং চংপা।
খোংবস্থু ঙমই পিপি পিপি ॥

তারা তিংবা

তারা তিংলি কোকথক্তা;
মরী মরী তিংলি।
লম্বী নাকন নাকন্দা
য়ুংলি ময়াম খুটি পোষ্ট।
মথং মথং য়ুংজুনা
লাপ্পা থাপ্পা চংখরে।
তারা তিংই খুটি পোষ্ট;
তারাতনা শন্নরি।
অনী তিংবা য়াওইদো
অহুম তিংবা য়াওইদো
মরি তিংবা য়াওইদো
কোকথক্তবু তিংইদো
তারা তারা তারা
তারা ময়াম তিংইদো ॥

লৈচীল

শংবান্নরি মথকসে !
নীংথিজরি নোংদোলসে !
লশিং মফোল মানবসে !
মপৈ মপৈ পাইরিসে !
লৈচীল লৈচীল হায়বসে !
কদাইদনো চৎলিসে !
ঐদি লৈচীল ওইনিংঙি।
কোয়না কোয়না পাইনিংঙি।
শান্ন-শান্ন লৈনিংঙি ;
তপ্না তপ্না পাইনিংঙি।

শামী লানমী

য়েংউ শামী লানমীসে !
অতিয়াদা লৈরিসে !
মতূম মতূম, মপৈ মপৈ,
শামু মানবা, শগোল মানবা,
ঙান্নু মানবা, খুন্নু মানবা,
মকু-মানবা, উজাউ মানবা,
য়ুম্বু মানবা, গাড়ী মানবা,
হিবু মানবা, মীবু মানবা,
ইহে নুমিৎ তাখরে !
শামী লানমী মাঙখরে !
অমত্তম্ব উদরে !
কদাইদবু চৎখরে !